মেমচৌৰী

কৌচবেঢ়



ফৌ চরোং

মেমচৌবী

মনিপুর সরকারগী আর্টস এণ্ড কলচর দিপার্টমেন্তকী মতেংগা লোয়নন
যে ঙম্বা

অহানবা কোঙবা : মার্চ ১৯৯৪
মমল : লুপা ৩০/-
কপি মশিং : ১০০০
মখুম যেকপা : থিয়াম দেবেন সিংহ নোংমথোং
ব্লোক : ইমেজ গ্রাফিক্স, কৈশামথোং এলাংবম লৈকায়।
নমদ : ভাগ্যবতী কার্য্যালয়, সগোলবন্দ মৈনো লৈরব,
ইম্ফাল।

অফোঙবা : অরাম্বম সমরেন্দ্র
সগোলবন্দ মৈনো লৈবব, ইম্ফাল
পিন—৭৯৫০০১

মৈনো এণ্ড খোমদোন পব্লিকেসন্স
সগোলবন্দ মৈনোলৈরক, ইম্ফাল -৭৯৫০০১

'শান্নপোং ওইগনু নুপীগী থৱায়না'

ল'উরম্বা শকলম্বা হে জননেতা

নঙোন্দা কৎচরি ঐগী

ফৌ চরেং ।

য়াওরিবশিং

ব্রামাণ্ড

ঐগী এক্সপরিয়েন্সতা মী অমনা তৌজখিবা হৃফবা থবকপু অতোঞ্চশিংনা ইথা থানবীদবা অসি থেংনজরকই। মওং অসিনা অফবা সমাজ অমা ওইরকপদা অচৌবা অপনবা ওইহায়বশি ঐগী থাজবনি। অপনবা অসিবু কোকননবা 'মচালৈমা' চেফোং ২২ শুবা মশীং ইং ১৯৮১ দগী নুপীগী 'প্রোফাইল' হাংদোকপা হৌখি।

হিংন্দুনা লৈরিবা মীগী পুন্সী থারী ইবা অরাইবা ওইরমদে। পন কয়া লৈরম্মী। অদুবু অহিংবা মশামক থেংনবগী অঙকপা নুংঙায়বা অমস্যু লৈরম্মী। মখোয় অমমম থেংনরকপা ঐঙোন্দা কাউঙমদবা মতাং ওইখি। ঐনা মদুস্যু ফোংদোক্লবা হোৎনৈ।

কনাগুম্বনা খনবীবা য়াই—অফ-ফৎতা অনিনা শাবা মীওইবগী পুন্সাদা অফবা ঙাক্সা ইরিবা অসিনা কয়া য়াম্না মী অমবু তাক্কদোরিবা! মী অমনা ফত্তবা চাম্মা তৌরম্বা য়াই, অদুবু অফবা অমথক তৌরম্বদা, অফবা অদু পুথোকপীদুনা থাজৎপিবদা কনাদা করি অকায়বা ওইগদগো! ঐগী থাজবদি মসিনি।

মী অমবু মী কয়ানা মাগী মাগী ওইবা মীৎয়েংদগী য়েংবা য়াই খঙবা য়াই। অদুগা মী মশা অদুনা মশাবু নুংশিনা লৌজবা মশক অমস্য লৈজে। মী অতৈ অদুদি চুমনগী ভাবকনি। লমজেন চেনবগী বাৱীবু ভাবকতা হংগদ্রা নত্রগা মশাদা হংগদ্রা? হৌবদগী লোয়বা ফাওবা উরিবা য়াওরিবা ভাবকতি চেল্লিবা মশা অদুনি।

ঐনা 'মচালৈমা'দা ফোঙদোকখিবা প্রোফাইল লোইনমক লাইরিক অসিদা হাপচদে। খরা খনগৎলগা হাপ্পনি অদুগা ঐনা ইরিবনা খুন্নাই অসিগী মুপী ঙাক্তুনি। ঐখোয়গী খুন্নাই অসিদা নুপীনা কাখৎকপা হায়বশি থাথাগী থবক নত্তে, হিরম অমা নত্রগা অমদা মশক থোকলকখিবা নুপীশিং

তৃপ্তিগী পুস্তিকা ট্রাক্ট শঙ্কুনা ঐবু ইনিংঙনখি। সোরেংজম চন্দ্র তোম্বীগী বাখী অনাদি শর্মানা ইরগা ঐনা চুম্না ইদিত তৌবনি। এগী 'যৌ চরোং', লাইরিক শিন্না ওটোইবা নত্তে মথং মথং ইনিংলি, তুংগী বানি তম্বদি ওমদে।

লাইরিক অসি ইবদা মাওই কম্নানা মতেং পাংবখি। মখোয়গী মফমদা নমন তোনশিনজরে। মখোয় খরগী মিং মখাদা পীজরি—

সোয়াম ছত্রধারী সিংহ কাওবম লৈকাই, ইম্ফাল।

শখি দেবী, সেক্রেতরি নুপী মরুপ, কাংমোং।

মুতুম বহাদুর, মুতুম মিউজীয়ম, কৈশামপাৎ, ইম্ফাল।

আর, কে, জয়, মোইরাং লৈরক ইম্ফাল।

দা লহাকপম অকনা, এলাংবম লৈকাই, ইম্ফাল।

কোইজম ওংবা যমুনা, ওহনাম থিঙেন, শিংজমৈ, ইম্ফাল।

লাইখুরাম চন্দ্র বেথে, কৈথেন অশাংবী, বাংখৈ, ইম্ফাল

ঐচ বিনোদিনী, দ মিস্ত্রেস গোভ: আইদিযেল ব্লাইন্দ স্কুল।

থিয়াম নিঙোল নিংথেমচা ওংবী অচৌবা দেবী, মবুধো মন্ত্রি লৈনায়, ইম্ফাল।

'মচা লৈমা' চেফোংদগী প্রোফাইল খরা লৌথে কলগা ফোংবা যাহন-বীবগীদমক মচা লৈমগী অথোরিটিবু থাগৎচরি

অবোইবদা মনিপুর সরকারগী আর্ট এন্দ কলচরগী দিপার্টমেণ্টপু লাইরিক অসি পুথোক্রবগীদমক সেলগী মতেং খরা পীবীরকপগীদমক থাগৎচরি

অইবী

ক্ষৌ চরোং

জীরি ইবেমহল

শোক ১৯৫০। অথেংবা অহিং, মীচিক মীরাওখোন তাত্রবা মতমনি। খুংলায় পায়বা পুলিস কাংবু অমনা অপিকপা হৈক্রুজম খুল তুমিন তুমিন কোয়শিনখিরম্মী। অথঙবা খরা য়াওনরবস্থ অয়াম্বনা মুংঙায়না কন্না ভুমথনবা মতমনি। পুলিস কাংবু অমা খুল অত্তুগী মনুংদা লৈবা পিকলবা য়ুম অমদা চংলকই। ইমুং অত্তুগী মীওইশিং অত্তু হান্না খঙলম্বগুম তৌরম্মী। পুলিসশিং অত্তুনা ক্ষানবা হোৎনরিবা মীশক অত্তু কংলম্মী। পাঙ্গল চাওবা, তৌবা ঙম্বা ঙেক য়েংবদা কন চোংসিন্দুনা ক্ষাক্লগদবা হংগোয়বা শক্লা নংলমদে— চহি তরামরিগী তনৌ তনৌরিবী, মরেপ বাংবী, মশক মতৌ চংখোল্লবা, য়েংবদা ইচম চম্বী নুপীমচা অমথকনি।

"নুপীমচা নহাক কমুনিষ্ট য়াওই হায়বসি অচুম্বরা"? ক্ষিজবনা তনিকলম্মী। অত্তুমদি ওইরগা অথুকপা যাওদনা চিংনবা লৈতবা খোম্থো ক্লা খুম্নকই।

'সার ঐদি য়াওজদে'।

'করম্না?'

'কমুনিষ্ট য়াওবা মীওইশিংদি লৈবাক মীয়ামগীদমক নুপী অঙাং মচুম মকৈ লোয়না থাদোকপা ঙম্বা অমদি পুন্নমক কংখোকপা ঙম্বা মীওই-শিংনি। সার ঐদি করিস্থ লৈতবা নুপীমচানি। অত্তুগুম্বা খম্মোরম্ম চেনজবা ঙমজদে অত্তুনা ঐদি কম্যুনিষ্ট য়াওবা ঙমজদে।

"নহাক্না অন্দরগ্রাওন্দগী মীওইশিংগা উনৈ, মথোয়গী পাও পুথোক পুসিন ত্তৌতুনা মকম অমদগী মকম অমদা কোইচং চংলে হায়রবসি ঐখোয়না সি, আই, দি, পাওদগী ময়েক শেংনা খঙলবনি। অতুনা ঙসি নহাক কাবা তারে। মসিদা নহাক করি হায়নিংই"।

"ঐ অমা কায়গা কমুনিস্ত মুংথংপা ঙমগনি হায়রবদি ঐবু কাবিরো। সুংদাং অসিদদি ঐবু পুগনু। নোংঙানগদবসু ঙহাক্তা ঙায়রে। নোং-ঙাক্সপা পু"।

পুলিস ওফিসার কামিনিবিধু অমসুং জামাদ্দার য়াইমা অনিনা থম্নরগা সুংদাং অতুদা সুপীমচা অতু পুখিদে।

মতম অতু জননেতা ইরাবতসু মীয়োং ওইতুনা লৈখিবা অমসুং মাগা শম্নবা পার্তিগী মীওই পুন্নমক অফং অকংবা ফারগা য়ান্না তমখিনা ওং-নৈয়িবা মতমনি। সুপীমচা অসিগী মপুবোক, মপা অমসুং মতোন অমা জেলদা লৈরি। মতোন অনি অমনা অন্দরগ্রাওন্দা মীয়োং ওইরি। মতমতুদা ঙশেংনা মহাকপু ফানবা চে মক্তি থোকখিদে। অতুবু পোদোক অসিগী ফুংদগীদি সুপীমচা অতু য়ুম থাদোকখ্রে। মীয়োং ওইতুনা জননে-তাগী ফু ইনখ্রে।

অনৌবা মনিপুর অমগী মচ অমনা মাম্‌ তম্ব। হৌয়কখিবা মতম শোক ১৯৩৬ ওক্তোবর তাং ১৩ য়ুমক্তকৈশা নুমিৎতা লাইনিংথৌ খোয়িকাবগী মসাইকোন্দা লৈবা অপিকপা থুল অবাং জীরীদা সুপীমচা অসি পোকখি। অপোকপগী মিংনা কোনসম থরায়জাও অমসুং অপোক-পীগী মিংনা খোনাওজম নিঙোল কোনসম ওংবী ইন্দ্রানী কৌই। মখোয অনিনা অহানবা কংজবা মচানুপী অসিগী মিং ঈবেমহল হায়না থোল্লি। ঈবেমহলগী মথাদা মুপা অনি মুপী অনি তারকখি। পুগা মচিনমনাও মঙানি।

জননেতানা ইম্ফালদা লৈবা লাইরিক হৈবা ময়াম খোমজিন্দুনা শোক ১৯৩৫ দা ইম্ফালদা যুম্ফম ওইবা নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা লিংখৎখিবা মতম অতুদা খুজংগী লৌমী মীয়াম খোমজিন্দুনা খুজংদা যুম্ফম ওইবা কৃষি সম্মেলনি লিংখৎখি। সম্মেলনি অসিগী কেন্দ্র নম্বোলদা ওই। জননেতাগী লমজীং মথাদা মনিপুর তম্পাক্কী মফম শিন থুংনা শন্দোকখিবা লৌমীগী ঈহৌগী অকনবা তেমথেং নম্বোল অমসুং নম্বোলগী অকোয়বদা তারিবা খুলশিং—খা জিরি, অবাং জীরি, খাবী, লাইতোনজম উংলৌনচিংবা মফমদা কয়া রৈশি। অসিগুম্বা ঈহৌগী ঈনিল ময়ক্তা ঈবেমহল চাউরকই। মতাক্তা মীয়োন কাবক কাবক তারকপদা খাবীদা লৌসান অন্দোলনগী মতাংদা চাঁইস্থবন বৃদ্ধি কৌবা লৌমী লাইরবা অমা পুলিসনা নোংমৈনা কাপতুনা হাৎখি। থোদোক অদু মতোম্দা কাওতমদবা অমা ওইখি। ইরাবত কনানো হায়রবদু মথক্তগী বৃদ্ধিনা খতক্কবা হৌরকই, ইবাবতকী মযামদগী তোপতোপ্পা লমচৎ-শাজৎ অমদি অকনবা উইল অমগা লোয়ননা ঝবক খুদিংমক নিয়ম অমগী মথাদা তৌবগী মওং অদুনা মুপীমচা মসিগী মীংয়ে চিংশিনখি। নৌরিবৈ পুলীদা লাইখি শান্নদুনা চাকখোংবী শান্নদুনা চাউরক্রে, মখোয়গী কোল্লুপতা ইরাবতনা খুনগী মাওইশিংগী ময়ক্তা কমদুনা তৎতনা চৎথরিবা মীতিং ময়ক্তা চাউ-রকই। মবুখি কৈ, তাখিবগা খওবগা মান্নৈ।

মোংমা পুলিস কাংবু অমা ঈবেমহলখোয়গী কোল্লুপতা থুংলে। ঈবেমহলগী মতোন অনি রাবৈ অমসু অপানবী অনিবু কাবা লাকপনি। মান অসি পার্তিগী মশক নাইবা মীনি। মতম অতুদদি অবাং জীরি অসি পার্তিগী য়াম্না মরুওইবা মফম অমা ওইরে। খুন পুম্মক হুপতুনা পাতি যাওরবা মতাংনি। রাবৈ অমসুং অপানবী অনিদি ইমুংদা সগাইদা লোংতুনা লৈ। খুনগী মুপী মীয়ামনা পুলিসশিং অদু থৎচিন্দুনা ইমুংদা চংহল্লোযদবগী তোংনৈ, ইরৈ। মশাগী চহিদগী মরেপনা তেন্না রাংলবী,

নৌরীবী মুপীমচা ঈবেমহলসু মাঙ থানা চোংখোক্লুনা ইরবা য়াওরুরে। ইরবা অতুদা পুলিসকী মখুৎতগী নোংমৈ তাখি। ঈবেমহলদি নোংমৈ অতু করম্না লৈবাক্তা তাখিবনো হায়রবা খোইনা ভাব তাহৌদে। অতুবু মায়কৈ মরিদা বা লাওখি— ঈবেমহলনা পুলিসকী মখুৎতগী নোংমৈ মুল্লে! মুপীশিং অতুনা পুলিসকী কাংবু অতু খুদৈ পীতুনা মক্কি হোংদোকহল্লগা ঈমুংদা চংহল্লি। মতোন অনি অতুদি খিবা খংদতুনা হুনখি। মুমিৎ অতুদা মীয়ায়া ঈবেমহলগী মতিক মথৌনা উখি। পাতিনাময়াম খোমজিন্দুনা ক্লাস পীরকপদা নৌরিবী মুপীমচা অসিবু অখন্না য়েংসিনবা হৌরকই।

করিগুম্বা মকম অমদা মীয়ামগী ঈহৌ অমা শাগৎলকপা মতমদা মুপীশিংবু হৌদোক্লুনা অকনবা শরুক লৌহনবা হায়বসি ঈহৌ অতু মায়পাক্লবগী খ্বায়দগী মরুওইবা মরম অমনি। মালেম অসিদা মায়পাক-খিবা ঈহৌ পুন্নমক্না রাকম অসি অচুম্বনি হায়বতু উৎখ্রবনি। জননেতাসু রাকম অসি খঙলম্মী। মনিপুরদা শোক ৩০ গী মতম— মনিপুর খুন্নাইদা কিউদেলিজমগী থাক অমা মপুং মরৈ ফাগৎলকপা মতাংনি। ১৮ সুবা চাহিচাদা মঙ লিংখিবা হিন্দু ধর্মনসু মপুং মরৈ ফারকলতুনা ঐখোয়গী পুন্সারোলদা চাশিন-চুশিল্লক্লুনা চীংলৈবাক্তী অকনবা লৈমায়দা শাংপী তিংখৎ পানবী মরিন খাবী মথৌনা লৈবী মৈতৈ মুপীসিংনা অবলা ওইরক্লবা মতমনি। অসিগুম্বা মতম অসিদা ইরাবতনা ভদ্র মহিলা সমাজ হায়বা মুপীতগী ওইবা সংস্থান অমা শোক ১৯৩৩ দা ইম্ফালদা লিংখৎখি। নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভানা সমাজগী অমোংপা শেংদোকপগী থবক চংথরকপা মতমদা মহিলা সমাজ অসিনা ধর্ম্মগা মরি লৈননা থা খুদিংগী চংথাঁরবা কুম্মৈ হরাওশিং হস্তনবা হোৎনবগা লোয়ননা মুপী লাইরিক তমনবা হোৎনবা হৌরকই। শোক ১৯৩৯ দা মনিপুরগী অহানবা মুপীগী রাজনিতিগী সংস্থান মহিলা সম্মেলনি জননেতাগী লমজীং মথাদা লিংথৎলকপা মতমদা ভদ্র মহিলা সমাজ অসি সম্মেলনি অসিদা

তিনশিনখি। ইরাবতনা শোক ১৯৪৮ দা মীরোং ওইথ্রবদা মহাক্না মরি লৈনবা সংস্থান পুন্নমক থিংজিল্লকপদা সম্মেলনি অসিসু য়াওখি। সম্মে-লনিসু হনখিদে মীরোং ওইনা জননেতাগী তুং লেপ্পা লৈতনা ইনখি। সম্মেলনি অসিনা মতিং লৈবী মুপী কয়া পুথোকখি। ঈবেমহলসু মুপীশিং অতুগী মন্নুংদা অমনি।

নোংমা অহানবা ওইনা মহিলা সম্মেলনিগী সেক্রেটরি হিজম নিঙোল সোয়াম ওংবী ইন্দুরেখানা পীবা পোলিতিকেল ক্লাস অমা য়াওখি। মুমিং অতুদা তাখিবা কয়া অঙাং ওইবগী নৌরিবা থম্মোয়দা ময়েক লানা তাখি. কাউবা ঙমখিদে। পাপ পুন্নমক্না পুনসিল্লগা শাবা অবলা পাঙ্গল শোর্বানি হায়না থাজবনবা অম্ভুক তোনবী মুপী হায়বা কা'বু অসি য়াওদ্রবদি লৌমীগী ঈহৌ অসি মায়পাকপা ঙমলোয় হায়বসি তারকখি। মুপী ওইবীগী পুন্সী অসি ফকলাং মরিগী মন্নুংদা পোকলক-লগা ফকলাং মরিগী মন্নুংদা শিখিগদবা নত্তে। তশেংনমক মুপী হায়বসি অবলা নত্তে হায়বসিসু খঙলকখি। ঈবেমহলগী চহিদি তরামাথোইমুক সুরমলগনি। মসিগী মতুংদগী'দি মান। ঙমজবা মঙংদা ময়ামগী তুং ইনবা তৌরকলে। উয়ুমপোক্তা মীয়ামগী মীতিন অমা য়াওরুই। অরাং জিরিদগী উয়ুমপোক ফাওবা শাংলবা লম্বী অসি খোংনা চৎপদা মাগী মতৌ য়েংবা ঙমদতুনা কমরেদ কয়ানা পোরগা পুখি। চহি তরাহুমদোই সুরকপা মতমদা তরানিপান সুরে হায়না পানসিল্লগা অল মনিপুর য়ুথ লিগকী মেম্বর ওইরকখি। অরাং জীরি, কাঙমোং, কাচিখুল, কারোং, হৈক্রুজম, খার্বা, বমদিয়ার অমসুং ফোইজিং পুনশিন্দুনা শেম্বা এরিয়া কমিতিগী সেক্রেতরি ওইতুনা পার্তিগী থবক তমলকই। কিসান সভাগী মেম্বর ওইরকই। শোক ১৯৫০ দা তরেৎখুনগী থোইবীনা মনিপুর মহিলা সম্মেলনিগী সেক্রেতরি ওইবা মতমদা মহাক্না জোইণ্ট সেক্রেটরি ওইনা থবক পুবা হৌই। শোক ১৯৫৪ ফাওবা চহি মঙা চুপনা জোইণ্ট সেক্রেটরিগী কম অসিদা লেপতনা

থবক পুরকই। কময়েদশিংনা তন্নীতুনা মৈতৈলোন ইবা পাবথক গুমহৌই। মসিগী মখা হেন্না তমথবদি গুমথিদে। মসিনা ময়ম ওইদুনা মহাক মহিলা সম্মেলনিগী সেক্রেতরি মক্তি ওইখিদে। অদুবু রাজনিতিগী অকনবা লাললো তমলকপা হৈরকপা মহৈ অদুনা স্কুল নিংথিনা কাহনা মহৈ তমলকপা কয়াদগী করিস্থু হনথদনা লুর-লুরবা তানফম কয়া মায়য়োক্লরকই।

থবকশিং অসি পুরকপদা ময়ুমদা অহিং অনি স্থনা তুমখিদে। অহিং নুংথিল খাক্তনা শাংলবা লমশাং কয়া চাং-মান লান্দুনা চংলি। মতম-তুদদি খোংনা চংনবা ঙাক্তনি। করিগুম্বদা মপা, অমা অনি লোয়নবস্থু য়াওই, করিগুম্বদা মখস্তা চংলকই। অহল-লমন মবু মপুরা য়াওদনা য়ুমদগী হন্দোকহল্লমদবা, খোংথাং খুদিং লৈকাইগী মানোক মীংয়েং মখাদা হিংলম্মী মতমদুগী ফুরীশিং অদুবু ইমুংদগী অহল-লমনগী মিংয়েং খাদগী চিংখোক্তনা ইরাবতকী লমজিং মখাদা ঈহৌ অদুদা শরুক য়াহন্নবা হোৎনরকই। চাক থোংদুনা লৈরমলে ইনশাং শেমজিন্দুনা, ফি শাররমলে লংচাক চাকশিন্দুনা, লৌ থাওরমলে য়াওশিন্দুনা হমুং অমদা মুমিৎ কয়ানি কাওবা লৈশিন্দুনা ঈহৌ অদুগী ময়মদা বারী শারম্মী। কনাগুম্বনা তথি তথি চৈবীরকপস্থু কোঙ্গায়নি। পুন্নমক অদু তুম্মীন্না তারম্মী। অদুবু মমৈথংদদি লমচং ব্যবহার, থকশি-খাশি নাইবা অমদি তৌথোকরকপা খুদিংমক্তা অসোয়বা অকায়বা করিস্থু .থংনরক্লবদগী লৈশাবী, মোনহা, হমুবী কয়া ইমুংদগী থাদোকলম্মী। অসুম্না মী খোম্বা অসি মুপীতা নন্তে মুপাস্থনি। য়ুমগী মৌ কনানা ময়ুম কায়রক্লা মীপায়হনা ঈশৌ লাংথি-দবা নন্তে।

মতম অদুদা মহিলা সম্মেলনিনা লৌখৎলম্বা য়াম্না মরুওইবা থবক্তি লৌশান অন্দোলনগী মরমদা স্থগায়না তাক্তনা খুঙ্গংগী প্রজাদা খঙহনবা

অমসুং নুপীবু হস্তবা মীৎয়েংনা যেংবগী মায়োক্তা থেনবা অসিনি। মসিগা লোয়ননা থুল থুদিংগী স্কুল লিংখৎতুনা নুপী মুপা থাক্তনা মহৈ তমহনবা, হুয়ান-চিন্থি, লমচৎ চুমদবা, মতু শোনবদা উশিংতবা থিংতুনা অমনা অমগী অৱা-অনাদা মতেং পাংনতুনা লিংজেন অমতা ওইনা হিং-মীন্নবগী থবকতসু চংসিল্লম্মী। লৈকায় লৈকায়গী নুপীশিং খোমজিনতুনা পোলিতিকেল ক্লাস পীবগা লোয়ননা থোং ওই যেং পুন্না থাংতুনা চৎপগুম নুপী মুপা চপ মান্ননা চৎমীন্নদ্রবদি সমাজ অমদা অহোংবা পুরক্তনা লৈবাক অমা চাউখৎপা যাদে হায়বদু তাকলম্মী। অসিগুম্বা থবকশিং অসিগী দমক চয়োল থা ফানা লৈশিন্দুনা ঈহৌ শাগৎনবা ঈবেমহলনা লৈরম্বা মফমশিংদি— থা ভিত্রি, নম্বোল, থাবি, বমদিয়ার, উৎলৌ, চঙাংগৈ, হৈক্রুজম, মোইদাংপোক খুম্নৌ, কাচিখুন, কারোং, ফোইজিং, থাংতেক, লাইতোনজম, কাংমোং, লঙ্গোনজম, খুন্দ্রাকপম, তরেৎখুন, কৈবী, উয়ুমপোক, পুথাও, শগোলমাং, লম্বোইখুন, সেক্তা, পুড্ডোংবম বামোন কম্পু, ৱাংখেম, সওম্বুং, নোংদা, নাপেৎ, লমলাই, তেলৌ, চনা, খুরাই, যাইঙংপোকপী, কামেং, ৱাথ, মোরোক ইংখোল, ভাইরাংবম, হৈরোক, উথোংশাং, চন্দ্রখোং, অন্দ্রো, ৱাংখৈ, কোংপান, মোইবাং কম্পু, তখেল, নংকপ, লমাংদোং, সুন্নু সিকাই, থাঙ্গ, কুম্বী অসিনচিংবনি।

নোংমা কাচিখুলদনি। কোম্বোজমগী ইমুং অমদা ইবেমহলনা থুংলবদা মৌ অতুনা ওম্বোক্লা হরাওই। করি যেঙ্গাং চানিংবগে হংই। ঈবেমহলনা ইচম চম্না খুম্মী—

'ইনম্মা ঐদিনে ওখা অকংবা কাংসোই হেন্তাক থাকপদো চানিংই। অদুগা মোরোক অতেকপগা ভাকিজোগা ইরোনবসু চানিংই"।

নুপী মুপা ময়াম খোমতুনা মিতিং, লোয়রগা চাক চারগে হায়্নতুনা ফমথরকপদা মানা চানিংই হায়বা য়েঙ্গাংতুমক থোংতুনা থম্বীরম্মী।

"করিনোনে ঐনা চুম্না চানিংইদা হায়বনি য়েঙ্গাং অমতবু নৎতনা অনিমকপু খোংহুনা পীজরিবা, হুক লুনা তৌবারিবসিবু করিগীনো ঐদিময়ামগী সেবা লাকপনি"

মৌ অহুনা থবায় য়াওনা খুম্মা—

'করিগী লুনা তৌরোইদৌরিবনো। য়েংঙু ঐগী মুপা অসিগা ঐগা বানা লৌ উমিন্নহুনা ফৌ থরা লোকচরে। অহুগা মানা য়ু থকুনা জুবার সান্নহুনা মীগী মরন তোনবগা লৌসান পীদবা য়াদবগা ফৌ অহুদি মহাজোনগীদা লোয়না হাপখে। ঐনা সোমদা পোইমু হেক লোয়বগা ইচা ময়ামগা চরাংহেল্লে। হৌজিক্তি নখোয় লাকপদগী য়ুমু থক্লে, জুবারমু সান্নদ্রে, লৌসানমু য়াম্না পীদ্রে। ঐনা লোকচরুবা ফৌহু কোৎতা পিক ধন্না হাপচরে। সিদবু লুনা তৌদবা য়াবরা।

খোংজোমদা ঈশি চাউহুনা মী পুন্নমক নারে, চানিংঙাই লৈত্রে হ'য়বা পাও মথং নধ থারক্লুনা য়ৌরক্লে। মতমহু সবীনা মহিলা সম্মেলনিগী সভানেত্রি ওইরি। সবী অমদি ঈবেমহলনা সিন্দুনা গারী বাইহুনা খোংজোমদগী অনাবা চাম্মমুক লৌরুরগা লমলাইগী মান্দপ অমদা পুথৎতুনা থমলে। উগ্রুল লম্বী অসিদা কনানো ইনাকথুনবা অমা ফৌ য়াম্না পুহুনা লাকই। মুপী ময়ামনা থৎতুনা থাম্মী। অবা অনা তারে, ফৌ অহু মমল হোংনা থরাদি তায়বীরম্মু, হায়জে মহাজন্দুনা য়ানিংদে। মুপী ময়াম অহু ঙাংনবা ঙমদবদগী থরদি তায়খোকলম্মী। অহুবু মানা হনখগা ইম্ফাল থানাদা চুমদ্রিং চৎতুনা জীরি ঈবেমহলনা লুচিংহুনা লম্বীদগী ফৌ লুত তৌবিরে হায়না বাকৎলুরে। থানা ময়াম ঈবেমহল ফাবা হায়থরকই, ঈবেমহলদি লৈরমদহুনা সবি ওইনা ফাহুনা পুখি। মতুংদা ঈবেমহলনা মুপী ময়ামগা কোর্ট চৎতুনা মরাল পুন্নমক সেংনা হায়নরগা সবীবু লৌথোকলুই। কোর্টকী ম্যাথকী মীওইসিং চীবোন চীবোন ফলপ ফলপ য়েংনহৌই—

'লৈশাবীনা কোর্ট করে, কৌ লুত তৌরে !'

কাচিথুলদা হন্নুবী লুপ্রাবী অমগী লৌ অহু কনাসু উবীনিঙায় লৈত্রে হায়বা পাও তারে। ঈবেমহলনা কমরেদ ময়ামগা লোয়নননা থুনগী নুপা নুপী ময়াম খোমজুনা হন্নুবীগী লৌ অহু খোইদোক্নুনা লিংবিরকই।

বাংখেমদা বাঁসোক্কীদা থুংলুবদা অহল-অম্মন ময়াম অমা পুন্নুনা। মৈতৈ লাইনিংগী মতাংদা খগ্ন-নৈনজুনা লৈরম্মী"। নুমিং অহুদা চংশীনমম্নু কদম্বীনিগনি। সভা অহুদা চংশিন্দুনা ঈবেহলনা হায়রক্কই"

'হৌজিক্কি লোমা সিম্মাগী অরাবা মতমনি। রাজনিতি হাম্না মযেক সেংখিসি, সমাজ শেংদোকখিসি ধর্ম্মনা লৈবাক শেম্বা য়ারোই, সাসোন পায়বা যারোই। লাইনিং লম্বীগী বাদি কোম্না থম্মসি। ধর্ম্ম হায়বা অহুদি মী মীনা পামজবগী মতুংইন্না নিংনিঙবা নিংজবদা অকায়বা লৈতে ·· · ···'

ময়াম অহুনা মুন্না তায। নুমিং অহুদা বাশোক্না কদম্বীনিগা মথোয অনিবু চাক পীজরকই।

মতমহু ঈবেমহলনা অন্দরপ্রাওন্দা লৈরিঙৈ মতমনি। অহল অমগা লোয়নননা লমশাং কাওয়গা মো'জম চীংজিন লান্দুনা চৎলি। খুন্দ্রাকপাম য়োগদবনি। সন্ধ্যা মতুংগী অমম-অঙান শিন্নপ্রবা মতুং মীশক খঙলকত্রবা মতমনি। থাবনসু মুসি মুসি থোকই। চৎমীন্নরিবা অহল অহুসু ইউ. জি. দা লৈবনি। লমসাংদা লৈহৌবা থানাসিংহু ইম্নরকই। মহুতনি ঈবেমহলগী পুক্নীংদা খল্লিবদি। অতৈদি করিসু চিনকদে। থোংপ্রাও অমা সেৎলগা ঙবোং অমা ইমসিজ্জুনা চৎপানি। চীংজিন অহু লানখোকপা মতমদা নাক-চেৎ ওইনা ঙাংসং ঙাংবা মৈ অমা উই। করিনো খী লৈত্রা.' গনজা থকপগী বংক ঙানথকলা খল্লিঙৈদা অহল অহুনা হায়রকই—

"ইবেম্মা নহাক ঙহাক পনথহৌ ঐ খজিক্তং হানগৎলমগে। খজিকতং খাপলপনা চৎনসি'

অসি হায়রম্লগা পরপ পরপ চৎখৎখি। ঈবেমহল করিস্নু হায়দে। ফুমীজা সোৎ সোৎ চৎখৎলি। খংহৌদে 'হৌ' হায়বা খোল্লাওগা লোয়ননা করিনো চাউব্রবা অমা মমাং ফুবৎ লান্দুনা কন চোংথি। লম্বীগী নাকন্দা চুপ লাওনা তাখি। অমমবা অচুদা চোংব্রিবা অচু করিনো হায়বনু খঙদে। ওখোক্লনমু নক্লা চোংব্রে, মাগী ইনিনদা ইল্লিবা ঙাবোং অচু হুমগংলি। মাগী সাহুমদা চীংমায় অচু থক থক নিকই। চীংমায় অচুগা চপ মান্নমা মাগী খশোয়নু থক থক নিকই। খোংফমদি হনবা তৌদনা পরপ পরপ চৎখৎলি। চৎনা চৎনা নাকচেং গুইনা য়েংখিবদা 'চুপ' লাওনা তাখিফম অচুদা অঙাংবা অচু ঙাংসং ঙাংনা লৈহৌই। কনা সাংনা চীংখারোমদা হাইথরকপদা কনানু চৎলমদে। ঙহাক কান্নরগা মুপা খরা মৈরা চাউনা চমচুনা মখুৎতা খুৎলায় পুচুনা লাকপা থেংনৈ। মাবু উবদা—

"কমরেড নঙ য়োরকলবোইরে।"

হায়রগা মরাম অচু মুংসা মপি হোন্জোকনৈ। চীংখা য়োরবদা মুম অহুম মরিঙবা তারম্মী। মুম অমদা মাগা লাকমীরখিবা অহল অচু লৈরম্মী। মাবু উবদা অহল অচুনা মখোনজেন থক থক নিকপমখৈ হায়—

"ইবেম্মা নঙ অমুক শেংবা অসি পৃথিবী অসিদা লৈরমলরোই অচুনা নঙদি সানা ঙানা য়েংখিব্রবনি ... ।"

নোংমনু মমলি মমলিবদা অম্রোদা ঙারিয়ান চীংগোজ লান্দুনা সবীগা চৎখীরবদা নারক অমদা অঙাংবা অচু উরকই। মতম অচুদদি অঙাংবা অদো খঙলে ইবুধৌ কৈনি।

সবীনা হায় — 'নাসা ওসিদি চেকসিন্নু খোংদৈ থয়া হেক্নখংসি'।

ইং ১৯৫৪ দনি। নম্বোল তুরেল মরিক্না চীংফু চিংখোং ওইনা চীংচুম মচা অমা লৈরম্মী। মচুবু ময়ামনা চিংফু হুম্প্ হায়না খঙৈ। মসিনা মরম ওইদুনা মহৌশাদগী ঈশিং ঈচাও হেক হেক নংদুনা লৌ য়াম্না শি। অবাবা কয়া মায়য়োক্লরিবঙৈ মতম অসিদা তুরেল মরিক্না সোয় চাবশিংনা সোয় নাপদগী তুরেঙ্গ মৌথংতুনা ঈশিং থুমজিন্দুনা হেন্না হেন্না খুদোং চাহল্লমদে। মতম অদু জননেতা থুপপ্রবা মতুং, অদুগা জননেতা লৈরিবঙৈ মতমগী পার্তিগী থৌনা, মতিং-ময়াই অমতা হনথত্রিবা মতমনি। পার্তিনা মীয়ামগী অচৌবা মীত্তিন অমা পাওযোক্লগা খুলগী কমিত্তি ময়াম পুনশিল্লগা ক্রেন্দলি ইউনিয়ন হায়বা সংস্তান অমা শেমজিল্লে। সংস্তান অসিনা চীংফু হুম্প তেমথোকপা অমসুং সোয় নাপা লৌথোকপা হায়না ৱারেপনরে। মীপা ময়াম কোকসেং সেংচিন্দুনা থাং-য়োংপাক লেংথোকনদুন। হায়খত্রে। সোমদা ঈবেমহলনা কদম্বীনিগা লোয়ননা লাইরিক তম্বা কাজয়কপা ভানুমতি, ঈবেমহল, ওাবীতোম্বচিংবা ছাত্রি ময়াম থোমদুনা পৈশা থায়বা, চেং থায়বগী থবক চংথরে। 'অপুনবা শক্তিনা ওমদবা নৈতে' হায়না তাকপিরম্না অদুমক থোকলে মথোয়গী থবক অদ্ৰ য়াম্না নিংথিজনা মায় পাকখি।

পৌদোক অসিগী মতুং পংকান কাম্নদনা শোক ১৯৫৪ নবেম্বর থাদা কাওমোং মাইস্নাম লৈকায়দা লৈবা কমরেদ থোকচোম গন্ধাসিংগা লোয়ননা য়ুমপানবগী লম্বীদা খোংদামীম্নখি। পার্তিনা মাঙোন্দা তম্বীরকপা লুছোংবা মতমদা য়ুপা য়ুপী পুকচেল খোয়জেল য়ুম্না থংনরবা তাপ তানা য়ুমপানবা, কর্ম অমা পাওথোকপদা সেল অমদি মতম মাংহন্দবা হায়বা ৱাকমচু ওাক্না চংখি। কমরেদ গন্ধসিং লাইরজয়বসু মবুক-মপা কবা, মিঙুংশী চাউবা, মীনম-শোরিবা তৌদবা মীনি হায়বসি পার্তি

য়াওখিল্লবদগী থওজকই। লুহোংবস্থ কৈন্যা কৎতুনা. অহল-লমন খুরুম-লগা লোয়শিনবা মমাংঙৈদগী চৎনরকপা খ্বায়দগী চম্বা মওংগী লুহোংবা মওং অত্থুদা হোংখি। ঈবেমহলগী মমা ইন্দ্রানীনা মচানুপী অহলবু স্থমাংদা লৈ কোয়থুনা সংকির্তন লিংখৎতুনা হোংবা পামজখি। অত্থুবু মহাক্না য়াবা লৈখিদে। মচা নুপা মরি, নুপী অহুম, পুন্না অঙাং তরেৎবী ১১ ৎইতুনা মুম পান্নবা হোৎনবদা মতম থরদি পুক্নিং চঙ্লুরে।

লেপতবা মতমগী ঈচেলনা হিদেন কয়া লানথোকখ্রে কনা খঙ্গহৌই! লায়রবগী ঈনা ঙাংলবা ফিরাঙ্গনা মনিং তম্না পাইজবা অনৌবা যুগ অমগীদমক, জননেতানা মাঙ থাহনা থবায় কয়া পুন্সী কয়া কৎতুনা চঙখিবা লানজং শেনজাও পায়বগী তমখিবা নিতিদা মায়থিখ্রে। মায়থিবগী ইতিহাসতি কনাস্থ হনদে। ইবিত্রবা ইতিহাস অহুদা অঙাংবা ঈথেংনা ইরিবা শিংথানবীদবা থবাযকযাগী পুন্সী কয়াগী য়ারী, মতমগী ঈরোম্নংদা তপ্না তপ্না লুপথখ্রে। উকুল থাংলবা খুজংগী তামলবা লম্বীশিংদা, খোংউপ যাওদবা নৌরবা খোং জুরা অমগী খোজল পয়েং, মতমগী মুংশিংনা অকাওবগী উকুল মপৈ মপৈ চাইশিনখ্রে?

অত্থুবু মৈ হায়বসিদি মৈনি। মৈ অদো ওসিস্থ মুপী অসিগী থম্মোয়দা থবায়দা চাকলি। অকোয়বগী অকনবা মুংশিং মায়য়োক্নদনা মৈচাক হাপ্পীনবা থুং অমতা য়াওদনা চাকলি।

মচা অপিকপা ময়াম অদু চাউনবা কন্না হোৎনখিঙৈদনি। পাঙ অমা তায়কই— অঙৌবী অত্থু অমুক হন্না অহল অমদা কৈন্যা কৎকদৌরে। অঙৌবী মখক য়াম্না ফজবী মৌনহানি। মহা ওইনা হন্নজুনা লৈবনি। মথাং চঙহুনা মচা মথৌ থম্না লৈরবা অহল পাঙ্গা অমদা কৈন্যা কৎলুরবনি। অহল অত্থুগী মচা মথৌশিং অত্থুগা তিন্নবা মুঙ্গায়রক্নবদগী অমুক হন্নজুনা

লৈরবনি। অদুগা অমুকতা হন্না হন্নবা অমদা কৈন্যা কংপা। ঈবেমহল তৌরবা থবক থোক হল্লোকলমলগা অঙোৌবীখোয়দা পরপ পরপ চংলি। অঙোৌবীদা চঙহুনা হথনুই— থবক অসি লল্লাদ্রা য়ায়রা। অঙোৌবী অদু কবিন্থ খুমলক্তে। ইপণ্ড পঙনা তুমীদা অহুম লৈ। সুপী শেম্বগী চংনবী অসিতা মুংথংনবা, সুপীবু মমল য়াওহন্দবা চংনবী অসিতা ভোকখিনবা অহিং সুংথিল নোমলকপনি। সুপী শেমলিবসি কনা কনানো হায়দুনা হংবদা ইরাই লায়না খঙলদুনা অমুক চংলে। অঙোৌবীগী মখুত্রা অমা লৈ। মাগীদনি। সুপী শেমলিবা সুপা অদুগা খুত্রা অদুগা ফুঙ্গা বাংম-বাংমদা, কম্মীদুনা চিবোন চিবোন বারি শানরম্মী। ঈবেমহলনা মাঙোল ক্লাথংদুনা 'খুত্রা' হায়না কৌরগা পরপ পরপ চংশিন্দুনা ফম্মী। অদুগা হংই—

'করি বারীনো খুত্রা'

অমিদু লকক-লকই। ঈবেমহলনা মখা সমথৈ—

'অঙোৌবীবু কৈন্যা কংলনি হায়নে'?

'হোয়নে ইবেম্মা অদুগী রা ঙাঙনুরিবনিনে'।

'খুত্রা অঙোৌবীবু কল্লারক হন্না হনজীন-হনজীন সুখারী চুইহনবীগে হায়রিবনো? অঙোৌবীগী পুন্সীদা নখোয়না মাঙনরা শিন্দে। সুম্মীগী পুন্সী মাঙহনবা য়ারোই। হংচিং অসিদা কৈন্যা কংপা লাকপা মতমদা হন্নবা অদো এখোয় সুপী ময়ামনা মকোক থুগায়গনী'।

রা অদু হায়রমলগা মখোয়মী পাউখুম চায়রমদনা লোয়রে। কৈন্যা কংপা সুমিং অদুদা রয় অদো মশা ওমত্রে হায়দুনা লাকখিদ্রে। কৈন্যা কংপগী থবক অদু অদুম তোকখ্রে।

মহিলা সম্মেলনিনা শোক ১৯৭৩ দা সি. পি. আই মনিপুরগী সুপী মরুপ ওল্লকই। মরুপ অসিগী কাওনসিল মেম্বর ওইনা চহি তরারোম থবক পুরম্মী। সুপী মরুপ কোম্মোকুম এরিয়া কমিটিগী প্রেসিদেন্ট মতম শাংনা ওইরম্মী। মহৈ মশিং হাংলিবা লম্বী থোং ফংত্রিকা থুনরী থরক্লা হেম্না মরু

ওইরকই। লৈকায়গী মুপী ময়াম খোমজিল্লুনা কাওমোং যাইহ্নাম লৈকায় মুপী খৌগন মরূপ কৌবা অমা লিংখৎলি। মরূপ অসি শোক ১৯৭০ দা রেজিষ্টর তৌরগা বালবাদি ক্লাব অমগা ক্রেসচ অমগা লিংখৎলি।

খুদংদা অয়াম্বা লৌমীদি নোমদলগা চাবনি। লেমহৌত্রগা চারোইদৌরিবনি। মমা মপানা মুবা নোম্বা চংগ্রগা মীরোন লৈরবস্তু লৈত্রবস্তু অঙাংশিংদি য়ুমদা হন্দোক্লম্বা তাবনি। অপিকপা অঙাংশিং অতু শংহৌরিবনা মমিং উবোই উদবোই মনা তাবোই তাদবোই তৌরবা চৈস্তু মুরবী হন্নুবী নত্রগা চহি ভরাগী মখাদা লৈবা লবুক কুম্বা ঙমত্রিবা অঙাংশিংনি। ক্রেসচ অতু লিংখৎলগা ঈবেমহলনা লৈকায় অতুগী চহি ফাবাংতবা অঙাংশিংদগীনা চহি মঙা কাওবগী মনুংদা লৈবা অঙাংশিং খোমলুই। মচাম্নুপীশিংস্তু যাগী মতেং পাংঙি। আয়া অনি থমই থাদা লুঃ ৫০ পীতুনা। সরকারনা পিরিবনা চহিদা লুপা লিশিং অনি ফাদবা। থবক অসি অয়াম্বনা ভাব তান্নদে। মমা অমতনা অঙাংশিংতু থিনবীরকপা নত্তে। মচাশিংতুদা পীজরকইবা ময়াম অতু মমাশিংতুনা তপলবস্তু তপ্পা থরা থরা খঙবা হৌরকপদা সরকারনস্তু চহিদা লুপা লিশিং তরা পীথরকপা হৌরকই। আয়া অনি অতুস্তু থাদা লুপা চাযঙা কংজরে।

মতাং অসি য়ৌরকপদদি হিসাব খঙনিংবা মীওই মশিংস্তু হেনগৎলকই। খরনা থাজৈ খরনা থাজদে খরনা চিংনৈ খরনা চিংনদে। মসিগুম্বা মওং অসিদি ঈবেমহলনা খাঙবা হৈনবা নত্তে। পৈশা অতুস্তু মতম চানা ফংবা নত্তে। ফংত্রিঙৈ মরক অতুনা পুখোক্রা পুসিনগা, তান্নবা চংপদা হাবী জাবী পরেং অমা। মতমতু কাঙমোং কাওবা গারী ফাওরমদে। ঈবেমহল অদো তনথরকই। বালবাদি অতুদি অঙনবাদি ওল্লগা হৌজিকস্তু চংথরি। ক্রেসচ অতুদি তোকখ্রে।

শোক ১৯৮৫ দা ঈবেমহল উপ-প্রধান ওইনা কায়রকই। অহানবদা প্রধান ওইনা লেপসিরা থলম্মী। মশাগী লাইরিক লাইস্তুদা য়াংচহৌবা

অদু নিঙশিংলকই। মখুল্লিং হনখ্রকই। ইম্ফাল বেষ্ট বানগী প্রধান অমদি উপ-প্রধান কুননীপান অদুগী মনুংদা লুপীদি মথন্তনি। লুপা ময়াম অদুগী মরক্তা মথন্তা কন্মী। সোসিয়েল কোরেস্ত্রিগীদমক লুপা লাখ অমরোম ঈবেমহলখোয়গী খুলগী কোতা ওইনা পুরকই। কমিতি সেমদুনা কমিতিদা পৈশা অদু শিন্নে। খুনগী মনিং চীংদা ডসিস্থু বারোই নিংথৌ চীংদগী হুমলকপা অকনবা লুংশিং অমসুং সা-বনদগী ছিংহোবা সারেপ কারবা পাম্বীশিং ইশং শংলি। হান্নগী লম্বী খরসু রিপিয়ার তৌহৌই। পৈশাদি ওনররিয়ম ওইনা থাদা লুপা চামা মরিফু। মতুংসু মরক ময়ক্তা পুন্না পিরকই। খবক্তি অহিং লুংথিল থায়বা নত্তে। চাক থে'ংলিডৈদসু, অহিং তুমলিডৈদসু। লুপী চেনবগী, লুপী থায়নবগী, থানা কাবগী, মী কাখিবগী, মী থংনবগী, লোয়বা লৈতে।

নিসাবন্দগী থবক অসিদি মশাগী চহি তরামরি সুরকপদা মহিলা সম্মেলনি য়াওরকডৈদগীনি। মহাক্তী কাঙমোং লাঙোনজম নিসাবন্দ কমিতিগী অয়াপ্পা মতমদা সেক্রেতরিনি, চিয়ারমেননি, এডভাইজরনি। নিসা কন্না থিংইবা অদুক্কী মতিক খুন্দা রা থোকপা রা য়াম্বা হেল্লি। অসুংবসু, অয়োনবসু অথকপসু অমত্তা লেপ্পা নত্তে। খরা কন্না থিংডগা লোন্না থুপনা হোংনখি, চাং খরা হনথৈ হায়বগী বাদনি। কৈবু কৈওইবগী উতোংদা ঈশিং শোকপগুম্মী। লুপী অসি ডসিস্থু নিসাগী লানজংগী মায় লৈত্রি। মসি ঈবেমহলগী ক্রুসেদনি ঈবেমহলগী সাংলবা লানজংগী পুন্সী অসিদা মাগী তুংদা লেপ্পীরবদি মাগী মপুরোইবা কমরেদ গন্ধসিংহ অমদি পার্তিগী কমরেদশিংনি।

নোংমা নিপা অমা খরা থকচিল্লগা লম্বীদা লাও লাওদুনা লাকই—

'হায় নিসাবন্দ তৌবী অফাওবীশা, বারক্তবীশা নরা লোদে। নরা নরাদুতা বারকউনে······ ··· · ।

অকাম্বা বাহৈ কয়াসু মথা সমথৈ। ঈবেমহলখোয়গী মপা য়োরকপদা করিসু তোদবা শাদুনা তুমীন্না চংখি। মশা পাবী ঈবেমহলনা থাংচেং

সেংচিল্লগা 'তুলশী পরর্পশরল ভানথংতুনা নুপা অতুগী নাইদা তাপ কাই। থংচিং চিংদগী অমুক অবিরকতং কর কর হায়রগা লৈবা গুণ নমশিল্লি—

'নং নংত্রা হৌজিক মচিন থিবতু।' মতুং মনাও তৌখিগত্রা'!'

শোক ১৯৯১ দা ঈবেমহল গ্রাম পঞ্চায়েৎকী বি, দি, সি, মেম্বর ওইরে। মতম শাংনগী মর্মাঙদগী খুঙাশিংনা মনিং শাবন শেমগোক হৌবীদগীনা খারোই নিংথৌ তাবা কাওবদা লম্বী অনৌবা অমা পামলকই। লম্বা লৈতবদগী থেংনরিবা মায়োক্করিবা, খুদোংথিবা ওস্থোক্কা য়ামত্রে। প্রধান ওইরম্বা মাইস্লাম য়াইমগী মতমদগী য়াইমনা শেমগদবা লম্বীগী পরিংদি খাংলমলবনি। ঈবেমহলনা বি, দি, সি, মেম্বর অমী ওইনা পৈশা খরা পুরক্লে। ধুন পুমনমক মথুম মরাং হোৌরে। য়োংপাক্কা য়োংপাক্কা পোলাংগা পোলাংগা থোক্কররক্লে। চহি ৬০ গী চুকয়া য়োরবী ঈবেমহল থৌদাং মযাম পুরকপগা মহাক মশা যাম্না শোকচিল্লে। দাইবেত্তিসনসু নারিবনি। মতুবু চহি ১৫ গী অতুংৈগী লৈশাবী মচাতু অমুক হন্না হৌগংলকলে। মহাকসু কোকতা কোকশেং শেংতুনা যোংপাকলেংথোংনতুনা খুলগী নুপীশিং অতুগী মরক্তা লপী থোনবা যাওররে।

ময়াম রা রা তৌতুনা থবক নোম্মী। কনানো অমনসু হায়রকপগুম তৌই—

'ইনে বাত্রা পোথারো ঐথোয় য়াওরিবসিদি'।
'হা—বাদেদা'।

হায়রগা হুমাং তৈথোক্কুনা কন্মা। ময়াম্না শুরিবতু য়েংঙি— খুনগী মীয়াম মরক অতুদা ঊখিবগুম তৌই— মাবু লাইরিক তম্বীরকখিবা কমরেদ অঙৌ, য়ুমনাম মেরা। অসোমদা মতাই অতুদা লৈবাক তৌরিবশিং অতুগী মরক্তা য়াওরিবগুম খল্লকই অতুংৈগী কমরেদশিং— বীনোই, মুহিন্দ্র, বোরো ইবোতোম্বা, সনাতোম্বা, সামুঙৌ, ইবোহল, বীর। নুপীশিং অদুগী নোকপা মীনোক্তা অমগা" মখোল মাম্নবা অমা য়াওথিবন্না! কুয়ুরবগী' তুজো

ফৌ চয়োং/২৭

মশানা মশাবু অমুক কণ্ডজবদা মীৎলুদা পি মরিক অমতং মশা কাওবা খঙহৌদনা সিন্থখিবরা ।'থবক স্রুরিবা ময়াম অদু মখোয় মখোয়না থোকপা করিনো করিনো ঙাংনরি। মখোয়গী বাহৈশিং অমতন্থু মাগী নাকোংদা চঙলক্তে । মাদি তারি অদুঙৈগী ময়াম স্রুমীরবদা তংত্তনা তাবা শৈশক অদো—

শকউ শকউ জয় জয়
অপুনবগী জয় জয়
কিগনু কিগনু
অপুনবনা ওইনি জয় ·····।

১৯৯৪, দিসেম্বর

খুমনলী খোইবী দেবী

পোকপ ৬৮ শী চহী, মণিপুরী সাহিত্যদা মও অমা পুরোল অমসুং কবি-মশক মদু চঙখোল্লবী। ইকায়খিবতনা মাগী লৈতেং ওইবী। অহলগী কাখং ইনবতনা মগুন ওইবী; নোংমা মোইরাং হয়াংকমদা মপুরোইবগী মাঙ থাহনা লাকচবদা মাগী থবায় কনবিখিবা দাক্তর অচু থেংনবদা ইকায়জমন-খ্রহনা রাইহে অমত্ত কাওবা ক্ষাংথোক্কুনা কৌবা ভূমজখিদবী 'রাধা'। রাধা খোইবী দেবীগী অহানবা নোভেলনি। থাবলগী ইংলবা মঙালদা মও অমা মঙজবনি। খংহৌদে কদোমদগীনো পিদোল্লবী সরলাগী শক্তম কাওরকই। থাবলগী মংলাম্না কদোমদা! কনামতা খঙবা ওমংৌদ্রে। মথক্কী অহলনা পীবা য়াথংদগী মসাগী রাথলগী ফিরেপনা হেন্না মরু ওই হায়না লৌজবী, সুংশি কনাগী মনাক য়োঙ্জনবা অপনবা অথিংবা পূম্নমক নমথেক্কুনা চেন্থরক্লিবী রীনাগী মক্তুবা 'সুংশি ঈচেল'। অদুগা অমুকন্সু চিত্রলেখা। সংসার পূম্নমক থাদোকলমলগা 'সরলা'গীদমক নারী আশ্রমদা খোং থ'ং-জিনগ্রবী। রাহং অমদি থোকলকই— নুপী অমনা 'সরলা'বু চিংথৎপা পামলবদি চিত্রলেখাগুম নুপী ওইবীগী মঙ পূম্নমক হুন্দোকলম্লগা নারী অশ্রম অমদা খোঙ থাংজিনখিবা তারবা থম্মোয় সুংও ওলহন্দুনা! রাধাগুম শকহেন্দবী, রীনাগুম সিংজদবী, ইচম চম্বী তোন্দোনবীনা লল্লোনবা চৎপদা ফদিনা য়োম্বা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং অমা থুম্লকই। অঙাং অদুগীদমক শাগৈ-নাউৈ, মরুপ-মপিজা, সমাজ লোয়না থাদোকলমহুনা অচিকপা থুন অমদা চঙ্জকম লৌরে। সুংশিবনা লৌনম্বীরবী, থাদগী মচা শেংনরবী চাংগী চনু 'সরলা অমন্সু' চঙজকম লৌরে তোন্দোনবীগীদা। অদুগুম্বী মীন্নংশী চাউবী মমা অহুনা য়োকলকপা মচাহুপা ইমোবা সমাজ সেবারী অমা ওইরকই। সমাজ সেবাতবু পামজবী দাক্তর প্রতিভাগা ইমোবগা থেংনরে।

পন্থুং তিননবা ঈচেল অনিস্থু অমত্তা ওইখি। তোন্দোনবীগুম্বী অমা লৈরিংঙৈদা করিগী চীংদা শাংপা ঈঙেলেলৈনা কনা খওবীদনা পংতুনা মাংলুগদগে! হাওবীগী মায়থুম হাংদোকই—ইমোচাগী অপোকপী মমা ওইরম্মী। হাওবীগী মচা বংলে, মমৌ বংলে, অদুগা অরোইবদা মপুরোইবস্ত। পুম্নমক ভিল্লরে তোন্দোনবীগী কংথোকপা অমদি মীপুংশিগী লুরবা ঈপাক্তা। মুপীনা মমদা মচা কোম্দুনা লৈজবা য়াই অদুগা 'সরলা'গীদমকস্থ হিংবা—য়াই অসিনিদনা।

অস্রম্বা মুপীনা মচা, মপুরোইবগীতা নত্তনা শীঞ্জদা হুস্থনা লৈহৌরবসিংগীস্থ হিংজবা য়াই হায়নবগী মীৎয়েংদা অনোবা মনিপুরী চন্নুগী আদ'স অমা শেমগৎলিবী মনিপুরী অংগানবা মুপী নোংথেলিই অসি ঐহাক্না 'কৌ চরোং'গীদমক উন্নরুবদা অইবী অসিনা মশাগী বারী মতাং অমা অস্থ্রা লিবীরকই—

"শোক ১৯২০ জনুয়ারী তাং ১, নিংথৌকাবা হুমিংতা ঐ অসি পোকই। ইমাগী মিং থম্নাম নিংঙোল খুমন। ইপাগী মিংনা প্রসন্নো কুমার দাস। মতম অতুদা অমাং-অশেংগী বা য়াম্না কম্না লৈরম্বনা ঐ অসি তথেলস্বম চাউবগী মচানি হায়হুনা তৌথি। পুম্নমক ঐগী কাদর দাসনা শিনবা জাংনি। ঐনা ভাপ তারকপদা ঐথোয়গীদা বর্ম সমাজগী বামোন ময়াম অমা চাক পীজখি। মদু ঐথোয়বু শেংদোকপনি হায়। মতমদু ওস্থোকপা মতম অমনি। ঐনা লাইরিক তমগকপা, মী ওইরকপা পুম্নমক ঐগী ইপা অতুনা তৌবীরকপনি"।

মতমদু মুপীমচাগী লাইরিক তম্নম নিংথিনা লৈতবদগী মমদা লল্লাই ওইনা তম্বা হৌরকই। বেজলি স্কুলদস্থ থরা তমলম্মী। থোইবীনা জ্ঞান তানা চাং নাইনা তম্বা অসি কোইজম অমুরীগী স্কুলদনি। শোক ১৯৩৫ দা তম্ফাম্না স্কুলদা তম্বা হৌই অমসুং শোক ১৯৩৯ দা স্কুল অসিদগী মেট্রিক পরিক্ষা পাস তৌই।

মেট্রিক পাস তৌরগা আর্ট্স এণ্ড ক্র্যাকট ডিপার্টমেণ্টতা কেরানি ওইনা চংই। এম, কে, প্রিয়বর্ত্তনা কৌরগা হাপ্পীবনি। শোক '৪২ গী অহানবা বোম ইন্ফালদা তাবা মতমদা থুম্বোংদা লান চেল্লি। অনিস্ুবা বোম তাৱকপদদি মপাইবুংঙো প্রসন্নোকুমার দাশকা লোয়ননা করিমগনজদা লান চেল্লি। লান লোয়রগা শোক '৪৫ দা ইন্ফালদা হল্লকই অদুগা থবকসু অমুক হনজিল্লি। থবক তৌনা তৌনা দি, এম, কলেজনা হুংদাংগী কলেজ ওইনা লিংখৎলকপদা আই, এ, তম্মী। মাগী ওফিস অমুক মুৎখৎখিবদগী তঙ্কাম্না স্কুলদা কেরানি ওইনা অমুক লৈ।

মসিনা মহাক্কী লাইরিক তমলকপা অমসুং সরকারগী থবক তৌরকপগী মতাংনি। সমাজ সেবীকা অমা ওইনা থোইবীবু ঙসি মীয়ামনা খঙনরি। মতাং অসিদা মহাক মসানা অসুম্না হায়রৈ- "ঐগী সমাজ অমদি রাজনিতিগী গুরুদি থুরা ইবুংঙো জননেতা ইরাবতনি"। থোইবী অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা মুপামচাসিংগা য়াম্না তিন্নরকই। ফিজেৎ-লৈতেং ইমুং-মনুংগী রারী-রাতায়দা সাংথত্নুা মুপীমচাশিংগা তিন্নবা কয়া হৈনরক্তে। অসুম্না হৌরকপদগী মতমদুগী মশক নাইবা নহারোলশিং মরুওইনা ঙাঙোম মুহিন্দ্রো, নিংথৌজম বীনোয়, মোইরাংথেম মেঘনচিংবা তিন্নবদগী ইরাবতকী লমজিং মথাদা চৎথরিবা ঈহৌদা শরুক য়াবা হৌরকই। জননেতাসু থোইবী-থোয়দা চংলক্নুা ফম্নলৈ অদুগা 'লাংলেন হায়নুা নুংশিনা কৌরৈ। মতমদুগী অমাং অশেংগী অথাবা অকনবা মৈশা অঙাং ওইনা থেংনরকই। অদুগা থুরাইবুংঙো ইরাবতকী মাঙ্গোলমচাদা চীংমী-তম্মী, মৈতৈ-পাঙন, গৌরীয়া-মৈতৈ মরুপ পুন্না ফম্নীনবা মরক অদুদা য়াওনুা মীকপ থোক-লকই। মথোয় পুন্না লৈবাক্কা লুর-লুরবা রা ঙাংনবনু নহা ইওই ওইনা ইঙক ঙক্কা কমনুা য়াওরকই। মীয়ামগী অচৌবা মীতিং কয়াদা থুরাইবুংঙোনা থুদোম্বী শিংনুা— "মুপানা মুপীবু ওৎপা য়ারোই, মুপানা মুপী লোনবা য়ারোই, মসিনা মুপীগী হক মাঙহল্লি" লাওথিবা কাউওনদবা মতাং ওইথি।

শোক ১৯৪৬ তা জননেতা ইরাবতনা মনিপুরদা হল্লকপগা মহিলা সম্মেলনিনচিংবা হান্নগী সংস্থানশিং অমুক হন্না মপাঙ্গল কনখৎহল্লি। পুংদোংবমগী বাখোক্নগী জননেতানা মীয়োং ওইখিবগা লোয়ননা মাগা মবী নৈনবা সংস্থান পুন্নমক মীওই পুন্নমক ইউ, জি, দা লৈগ্রে। থোইবীনা সরকারগী কর্ম্মচারী অমা ওইনা লৈবত্থু খুদোংচারোইদবা মওং উরকপদগী থবক বিজাইন্দ তৌরগা ইউ, জি, দা লৈদুনা জমনেতাগী তুং ইনখি। ইউ, জি, মনুংদা শোক ১৯৪৮ দা মহিলা সম্মেলনিগী মীফম অমনা থোইবীবু সম্মেলোনি অসিগী সেক্রেটরি হাপপি। শোক ১৯৪৯ আগষ্ট তাং ২২ দা যোইবীবু ফাদুনা ইম্ফাল জেলদা থমখি। থোইবী নত্তনা কনা হন্না য়েংবদা লৈত্রবা অহল ওইরবী মমাগী ফিভম অত্থুনা থোইবীগী বাখলদা চৈথেং পীরকই। শোক ১৯৫১ জুলাইদা সরেন্দর তৌরগা জেলদগী থোকলকই।

মতুংদা অমুক হন্না রাজনিতিগী অকনবা লানফমদা যাওখিদরে।

শোক '৫৩ দা তম্ফাস্না স্কুলদা হান্নগী থবক্তু অমুক হনজিল্লি। কেরানি মতম খরা ওইরমলগা অন্দব গ্রেজুযেতকী ওজা ওইনা অমুক লৈ। ওজা ওইনা ওইনা শোক '৫৩ দা বি,এ, অত্থুগা শোক '৫৫ দা বি,এদ, পাস তৌই।

স্কুল স্থতি থারগা তম্ফাস্না স্কুলগী ওজাশিং ও, কে, ষ্টোরদা হেক হেক ফম্মী। থোইবীনা মত্থুদা মকওইনা থেংনরকপা অসি তেলেম আবীর, মুতুম রাধেস্যাম, নিলবীর সাস্ত্রী অসিনচিংবনি। মরুওইনা তেলেম আবীরগী ইথিন্দগী থোইবীগী বাখলদা লাইরিক ইন্নিংবগী বাখল পোকখি। অহানবা খুৎমাবা ওইনা 'অঙাংগী সমাজ সিন্দম্বা' কৌবা লাইরিক অমা ইরগা ইত্থুকেসন দিপার্টমেন্টতা দিলড্রেন লিতরেচরগীদমক থাগৎলি। শোক '৫৮ গী চিলড্রেন লিতরেচরগী মনা অত্থু থোইবীনা ফওই।

'সমাজ শিন্দম্বা' অসি ইনবা হোৎনবদা মবি লৈনবা লাইরিক কয়া য়েংলুই। লাইরিকী ঙরুবা সংসার অমা মাঙোন্দা কেকু ফোঙলকই।

অসুম পারকপদা সাহিত্যগী লাইব্রিক্রা হেন্না থরায় তারকই। হিন্দি, বঙ্গালি অমদি ইংলিস সাহিত্য শকখঙনরকই। অসুন্না থেংনরুই—মহাকবি কলিদাস, চন্দ্রসেখর, রবীন্দ্রনাথ ঠাকুর, যজাবর, থোমাস হারদি অসিনচিংবা। মখোয়না মাগী মুংদা লোংতুনা লৈরিবা ইননবগী ইছুল য়াকাইহনম্মী। চন্দ্রসেখরগী 'উদভ্রান্ত প্রেমগী' বাখল মওং লৌতুনা ইবা 'কায়না ঈহৌ' শোক ১৯৫৭ তা ফোঙই। মথংদা মীরাবাইগী মরমদা ইবা লাইরিক থরা পারগা অসঙ্বা পুন্সী বারী ওইবা ইবা 'মীরাবাই'(১৯৫৯)ফোঙই। কলিদাসকী 'বিক্রমোর্ব্বশী' নাটক, বারী ওইনা ইথোকলগা ফোঙই (১৯৬৩)। যজাবরগী 'দৃষ্টিপাট' অসি থাঙ্গৎশেংনা নিয়ম চুন্না বঙ্গালাদগী মৈতৈলোন্দা হন্দোক্লুনা শোক ১৯৬৯ দা ফোঙই। লাইরিক অসিদা সাহিত্য একাদমীগী ত্রান্সলেসনগী মনা শোক ১৯৮৯ দা ফঙই। রবীন্দ্রনাথকী বারীমচা থরসু হন্দোক্লুনা ফোঙই (১৯৬৭)। হৌজিক কালকুটনা বঙ্গালাদা ইবা 'শাম্ব' হায়বা লাইব্রিক অসি হন্দোকপা লোয়রে।

থোইবীনা ক্রিয়েটিব রাইতর ওইনা থোকলকপদি মশাগী চহি নিফু হেল্লবা মতমদনি। নোভেলদা হান্না খুৎ থারকই। বারীমচা, নৈনবা বারেং অমদি ঈশৈ ময়েক কয়াসু ইবকই। বারীমচাগী লাইরিক 'পোষ্ট মোর্টেম' (১৯৯০) দা ষ্টেট কালা একাদেমীগী সাহিত্যগী মনা ফঙলবসু মনিপুরী সাহিত্যদা লৈরিবা থোইবীগী মফমদি নোভেলদনি। মহাক্কী অহানবা নোভেল 'রাধা' (১৯৬৫) দা মনিপুরী হিন্দু সমাজনা য়ানরবা মোরেল কোদকী উচন মসুংদা চেকশিন্না ফাজিন্দুনা রাধা হায়বা নুপী চরিত্র অমা শাগৎলি। জননেতাগী লমজিংদা সোসিয়েল রিভোলুসন য়াওরকপী অইবী অসিনা সমাজগী অরাংবা থাক্তা খুদোল লৈবাক তাদনা লৈরবী নুপীশিংগী মীহুৎ রাধাগী চরিত্র য়েংলগা পেনথোকপা ঙমলক্কে। লাইরিক অসিগী অরোইবা চেনাদা পীদোল্লবা সবলাগী সকুম মাওদা থাংজিলকই। মথংদা ফোঙলকখিবা নোভেলশিং—'নুংশি ঈচেল' (১৯৬৭) 'চীংদা শাংপা ঈঙেল্লৈ' (১৯৭১)

দা থোইবীনা থবায় মাওনা য়েকচিনবা অসি সমাজগী হুম্বক থাক্তা পুন্সী মৈশা মায়মায়েককুনা লেশথংলকপী মরম্মাগী নুপীনা মাগীতা নত্তনা অতোপ্পশিং-ঙীনু শোকহনখিবগী মশক অসিনি। রাধাগী চরিত্র অমত্তনা অরাংবা ফিদমগী কৈরাক্তগী কুমথরকুনা লৈবাক্কী, নুপী সমাজগী শেমলকপগী শক্তমতু নত্তে। মসি অইবীগী পুন্সীদা থেংনরকপা এক্সপরিয়েন্সননি। অপান্বা, লুংশিবা কল্লকপা পুম্নমক থাদোক্তুনা মীওইবগী সেবাদা পুন্সী কংখিবী চিত্রলেখাগী চরিত্র 'লুংশি ঈচেল) সাহিত্য আলোচনাগী আনোক্তা কয়া মশক থোকলমদবা য়াই অতুবু চরিত্র অসিনা তুংদা লাকপা নুপী অইবীশিংদা অকনবা মমি তাখি। থোইবীগী নোভেলশিংদা য়াওরিবা প্রোতাগোনিষ্টশিং নুপীগী চরিত্র ঙাক্তনি। মহাক্তী নুপীশিং অসি ময়াম্না কৌনবা অপঙবী, তাংজবী, পুক্নীংগী ঈহুলনা হুমলগা চংপা রিজনগী সক্তি রাংপা নুপাদগী থরা হন্দবা মীওই অমত্তা নত্তে। মহাক্কা রাহে মহাক্কী চরিত্রগুম্না চীংলেম্মা, অদ্দনা রাথল, অচেৎপা ফিরেপকী থন পুবা ঙম্মী। থোইবীগী সাহিত্য মীওইবা পুম্ন-মক অমগা অমগা ইকায়খুম্নমনা ইংনা হিংমিন্নবগীদমক্নি। শোক ১৯৭৫ দা ইন্টর্নেসনেল বুইমেন্স ইয়ারদা 'বুইমেন ইন লিতেরেতর' হায়বা মনা মতোন্দা পীরকখি।

নোভেল হুবগী মথক্তা অফবা রাবেং ইবা অমা ওইনসু মাগী মক্কম লৈ। পনবা য়াবদি 'ভারত চন্দ্রগী অদর্শ' হায়বা রাবেং অসিনি। 'মিংয়েং' (১৯৮৩) হায়বা লাইবিক অসি অনিস্নুবা লানজাও মমাং অমদি মতুংগী থোইবীনা ঈরকপা থেংনরকপা থরগী পাওদম রাবেং ওইনা ইথোকপনি। অসিগুম্বা মখলগী লাইরিক মনিপুরী সাহিত্যদা মশিং য়ামদ্রি।

কনাগুম্বা মীওইনা অচুম্বা অফবা রাফম কয়া পুথোক্লুনা চাংবা অমদি ইবা লায়না ঙমলবসু মতুবু থবক ওইনা হেক ইনবদি অতাঙবনি। অতাঙবা মীওইশিং অতুগী মমুংদা থোইবীসু অমনি। মহাক্কা মহাক্কা নোভেলশিংদা ফিদমগী মশক ওইনা ময়ুম মকৈ পানবা তৌদনা মানা মানা ঙমজবা মওংদা

লৈবাকী, মীয়ামগী সেবা তৌতুনা লেনখিবা চরিত্র কয়ামুক পুথোরকই। কৃষ্ণ-চন্দ্রা, সরলা, (রাধা) চিত্রলেখা, রাজেন্দ্রা (হুংশি-ঈচেল) আসনচিংবা চরিত্রশুম মাগী পুন্সীদসু ময়ুম মকৈ পানবা তৌদনা মানা ঙমজবা মওংদা মীয়ামগী সেবা তৌতুনা লেলকলবা থাইবীগী পুন্সীনি।

শোক ১৯৫৯, দি কলচরেল ফোরম মনিপুর লিংথৎলকপদা অচৌবা থৌদাং লৌরকই। মহাক ফোরম অসিগী ফাউন্দর মেম্বরনি। সংস্থান অসিগী শাংলবা পুন্সীগা থোইবীগী পুন্সীগা থাদোক্লবা লৈতনা ওসি ফাওবদা চংথতুনা লাক্লি। মতম খরা প্রেসিদেন্ট ওইরম্মী। ফোরমনা পুথোকপা 'ঋতু' চেফোংগী ইদিটরসু মতম খরা ওইরম্মী। ওফিস লৈততুনা খুদোংচাদবা কয়া মায়য়োক্লরকপদা থোইবীনা মশাগী লম পুথোক্লনা ফোরমদা বংথি। হৌজিক ফোরম অসিগী ওফিস সানিবা মফম অসি থোইবীনা কংথিবা লম অতুনি। শোক ১৯৮৫ দা থোইবীনা লুপা লিশিং কুন্থ্‌াগী শেনফম অমসু ফোরমদা কংথি। দান তৌরক্লিবা শেনফম অসিদগী ফোরম অসিনা ট্রষ্ট ফন্দ অমা সেমলগা চহি অনি অনি ওন্না ওন্ননা 'থোইবী এবাদ" হায়বা লুপা লিশিং মঙাগী এবাদ অমা (১) মনিপুরী সাহিত্য (২) হেন্দিক্রাফটস য়াওনা প্লাষ্টিক আর্ট অমদি (৩) আধুনিক মনিপুরী ঈশৈদা দান নিংথিনা তৌরবা মী ওইশিংদা পীরি। মনা অসিনা ওসিদি মনিপুরী কলচর চাউথৎহনবদা মতেং অমদি ওইরে।

সাহিত্য অমদি কলচর চাউথৎনবা হোৎনবা ভাক্তনা থোইবীগী অপেনবা নত্তে। থোইবীগী পুন্সীগী হুন্দোকপা ঙমদ্রবা রাফম অমদি সমাজদা যোৎথনা লৈহৌরবা নুপীগী রাফম অসিনি। লাইব্রিক হৈবী মরূপ মপাং ময়াম পুনশিন্দুনা থম্নরগা শোক ১৯৬২ দা 'মহিলা কৈল্যান সমিতী' হায়বা সংস্থান অসি লিংথৎলি। সংস্থান অসিনা পাংথোকখিবা থবকশিংগী মনুংদা পনবা য়াবদি অনাথ আশ্রম অমা লিংথৎখিবা অমদি নুপীগী য়াইফ থোংথাং কৌবা চেকোঙ অমা পুথোকখিবা

অসিনি। চেকোং অসিগী ইদিটর থোইবীনি। চেকোং অসিগী পান্নমদি মুপীবু মপুংফাবা মুপী অমা ওইহনবা অসিনি। চান-থক্নবা শেমশাবা, ইমুং লৈত্তেংবা সমাজদা লৈভাকলোন্দা লৌগনবা মুপীগী থৌদাং অসিনচিংবা থাকমশিং অসি নৈনবগা লোয়নননা সাহিত্যগী লমায় অমস্থু হাপ্পী। চেকোং অসিগী অয়াপ্পা অইবা মুপীনি। স্কুল ওজা ওইনা থবক তৌরিবী থোইবীনা করম্বা ছাত্রীনা ইবগী লমদা শেম্না থোক্কনি হায়বা থগহৌই। ইবা পামজবা ছাত্রী কয়াস্থু থারেং শৈরেং ইচুনা পিরকই।

স্কুল কেরানি অমা ওইনা থবক তৌরকপা থোইবী হেদ মিসট্রেস ওইনা থবক্তগী পেন্সিল লৌই। য়াম্না চেকশিনবা কে হায়বা য়াদবা ওজা হেদ অমা ওইনা মরামনা মাবু থগই। 'ওজা থোইবীনা তাকপা মৈতৈলোনগী পারাদি অমুক হন্না লাইরিক ফাকুম্না পারুপ্রবস্থু যারে' অস্তুম্না হায়নৈ মাগী ছাত্রশিংনা।

মশানা লাইরিক ইবা মী ওইবনা মনিপুরদা লাইরিক ইবশিংবা লাই-রিক ফোঙবা চুমদবগী ওথাবা মাযোক্নবা মরক্তা য়াওই। অথাবা অসি করম্না বোক্নদগে হায়চুনা ময়াম থন্নবগা রাইতরস ফোরম (অইবগী মরুপ) অমা লিংখৎলি। ফোরম অসিগী অহানবা প্রেসিদেন্ট থোইবীনি। মহাক্কী য়ুমদা মতম শাংনা ফোরম অসিগী ওফিস ওইরম্মী।

মহাক্না সাহিত্যদা তৌরিবা দান অসি শকথগবা ওইনা মনিপুর সাহিত্য পরিষদনা মাঙোন্দা শোক ১৯৮৯ দা 'সাহিত্য ভুষন' উপাধি পীখি।

তৌজিক্কি মহৌশাগুম থিং থিং য়াংনা চৎলুবা নোমলুবস্থু ওমত্রে। চহি য়ামশিন্নকপগী মথক্তা মশাস্থু ফংচিংলক্কে। ভুমীম্না ফমজুনা হৌখিবা পুন্সীবু নিংশিঙচুনা লেনবা মতাংদু য়ৌরকলমাগ্রে। মহাক্না কোমজবা মচা মমৌ মসুশিংনা কোয়শিন্দুনা ইঙনা মাগী মাঙোলমচা অত্তুদা ফমজুনা পুন্সী লমায় ফাকৎভুনা নিংশিঙ পরেংশিং ইবা হৌরে।

১৯৯৫ । ১

রানীতোন

বাংখৈ লৌরেম্বম লৈকায়দনি। কমকম কা অমা। কা অসি ইচম চম্বী করম্না হায়গনি— টি, ভি, ইলেকট্রিক ফেন, মিংশেল, চৌক্রি, টেবল, মোরা সোফা। চমদেম্ন করম্না হায়গনি— চাং ওম্নবা শের ফলা, ফান, কক, ফি অমম্তুং লং হাপ্পা উপু থম্না। ওশেংনমগুী ইচম চম্বী, পেং থুদিংমক মাগী মাগী অককনবা নথেংগীদমক লৈজবনি, মীওোন্দা উৎচনিংবগী মমি মচেৎ অমফাও তাদে। বা ওসি চুংখাম নিংঙোল বাংখৈময়ুম ওংবী রানীগীনি। লৈবাক অসিগী তায়াম্বা নুপীশিং বা অসিদা য়োরকই। রানী ফি অমত্তং ইন্দ্রবদি মীয়াম তীনগদবা অকংহেনগী মফমদা করম্না চঙলুনি। মৈত্তৈ অমদি পাংনে নুপীগীদি রানা যা অমত্তং যংজববদি লোয়জরে। ময়াং নুপীশিংম্ন রানীগী থোংজিন্দা লেপলবে। হৌজিক হৌজিক ভারতকী সারী ফীবান দিজাইন্দা মোইবাং ফিজিন্না খুদগী মকোওা লৈখ্রে। মমল অযাংবা অচম্বা ইন্নফিদগীনা মমল বাংবা খাযদগী কেরবা মুগাগী ইন্নফি রানীনা পীবা লম্মী। বা মচা অসিদা থুংলরিবা মীওই থুদিংমক রানীনা চপ মাম্ননা তরাম্না ওকই।

শোক ১৯৩৬ মার্চ তাং ৩০ শগোলশেল হুমিংতা বাংখৈ লৌরেম্বম লৈকায়দা রানী পোকই। মচি-মনাও পুম্না তরামাথোইনি। খ্বাযদগী অত্তোনবীনি হাযদুনা হপোকপা চুংথাম তোলেম অমম্তুং তাপোকপী লৌম্নেম্বম নিংঙোল চুংখাম ৎংবী পানন অনিন মচাহুপীবু রানীতোন কৌঙ্গ খ্বায়নদি খানৈ রানী।

রানীনা তাব তারকপদা অপোকপী ইমানা শিন মকোক মোইথাপ নাইবা তম্বারক্লে। মমাগা মপাংনা তাংগ্রীদা লৌ খুবা চৎপদা রানীম্ন য়াওম্নকই হংগেন তুম্নেন্দগী, খুমম তুম্নেন্দগী, লোখোলগী ফাকবা তা ইমানা

য়াইত্তুনা, ফৌত্তুনা লিন্থনা থম্মী। সুধা পাংতগী থরোই, কোথোং চমু চম্ফুদা হাপত্তুনা য়োকই। চীংয়াং চীংয়াং লান্দুনা চীংদগী ইমাগী ডাইনা নমদা লশিং পোলাং পোত্তুনা কুমথরকই। ইমানা লীত্তুনা থমলিবা পোংশিংতুগা লশিংগা থুংসিন্নে। লশিংতু ইমানা মনথোকই, তকথোকই, নাইথোকই। অদুগা ইয়োং পানখংতুনা মখল-মথেনগী কি সাই। মাগী নৌরিংঙৈগী পুন্সীদা তমলকপা স্কুলদি অসিনি। রানীগী পোক্কফম রাংথৈ লৌরেম্বম লৈকায অকুপ্পা অনানবা সুফমনি। অসিগুম্বা কোল্লুপ অসিদা রানীগী থুং নানবা, হৈ শিংবা অমদি ফজবদি তোপ তোপনা থোকললকই। অঙাং মতিক মত্তুনা পুংজাই, রাইখু মথানচিংবা থুং চঙবা ময়েক শাবা হৈরকই। মসিগী মতাংদা রানীনা হায়—"ঐখোয়গী ইনেহন অমা লৈরম্মী, ঐদি খঙহৌদ্রে। ইন্নফি অবুপ্পা অনানবা শাবদা য়াম্না হৈ শিংই। নিংথৌ ফি ফাওবা শাই। ঐখোয়গী বাজীনা ঐঙোন্দা ইচাদি মনেহন লৌরবনি হেক হেক হায়। ইনাম্ব ইনেহন্না তম্বীরমত্তুনা য়াম্না হৈ শিংই"।

মশাগী চহি তম্রামরি সুরকপদা রাংখৈময়ুম ইখোয়াইমাপা লুহোংই। লৈফমনা রাংথৈময়ুম লৈরক, অকুপ্পা অনানবা সুফম। রাংথৈ মুপীগী হৌনসা সুই নোমই অহিং সুংথিল খঙদনা। অসুম্না মৌ মচা অসিনা ইয়োংদা লুকথত্তুনা পাঙনদেম হুল্লিঙৈদা চহি ১২ রোমগী মুপামচা অমনা লাইরিক অমা হেক হেক পারে। লাইরিক অদুদি হিজম অঙাংহলনা ইবা 'য়াইথিংকোম্ব'নি। রাগী অদু তাবদা কি শারিবী-রানীগী থম্মোয় ইমুন মুনথরে। মকুবোক্কা থোদাই— 'নুপীমচা হিদাক হাল্লকউ' 'কি পুথোকলউ' অসিনচিংবা। কুক হৌগংলি রানী অদুগা মুপামচা অদুদা মেল্লম্মী— 'ঙায়খো, মথা পাম্রমগন্নুকো'। মুপামচা অসি রানীখোয়গী অঙাং লোক্কেমনি।

লোকেম্না ঙহাক পারম্বা অত্তুনা রানীগী থম্মোয়না পেনবা ঙমলক্তে। লাইরিক অসিতবু পাবা ঙমজরবদিকো হায়রবা রাথন্না লাইনিং ওইরকই।

কনানো অমবু 'মপী লাইরিক' লৈহল্লুরগা ময়েক মশক খংদোকই। 'অনিংবা' অমা অমুক তনলৈ লৈহল্লুদুনা ময়েক তপ্পবা খঙনবা হোৎনরকই। অয়ুক্কী থবক পুম্নমক লোয়শিল্লমলগা চাক খোংদ্রিংগৈ তাম্রক্তা লাইরিক য়েপতুনা মনিহারগীদা লাকই। মনিহারনা খুদোঙ্গী থিন থিন্দুনা তাকই। তাকপগা খঙবগা মাম্নে। মনিহার রানীগী মচেগী মচানি। লোকেনগী লেংগানি। রানীখোযগস্না নকনৈ। 'অনিংবা' অদু অম্বা হৌরকপদগী 'যাইথিং কোম্নু'দু লাকেনদগী রায়রগা মা মাদুনা পাবা হৌযকই। পানা থোকনবদু থেক-চিন্দুনা থমলগা লোকেন ভ য়দুনা লে। মপুরোইবগী মখোল তাবদা লাই-রিক্ক সং লোংসিল্লি— 'ভাযখো, নখোয যাম্বুং যাইমা লাকএ'। করিগীনো খংদে লাইরিক ঙংদু পংইত্ত ইকাযখৈ মতমদু মৌদি লাযরদুনা লৈসাবী-ফাও লাইবিক য়াম্না তমনদ্রি। নাগী মপুবোইবদি গাবী কারবাক মপান্দা হনগৎ-হন্দা চংতুনা লৈ, যুনদা বযা লৈতে। অদুবু কোয়াদ লোকেন হেক লাকপগা রানীদা হেক্না লকনৈ— "হায নংগী ওজা হাকএ"।

'য়াইথিং কোম্নু' তমদুনা মৈতৈলোন পাবা হৈরকই। ইষগী রাদি পোশাকদে। মথং মথং অফংবা-অফংবা মৈতৈলোনগী রাগী লাইরিক পুম্নমক পাই। অস্নুম্না পারগা মথন্ত কল্পী, মথন্তা নোকই। নোমথৈ নোমলুরগা লাইরিক অমা পাদুনা পোথাবা হৈনরকই। অস্নম্না সাহিত্যগী রস চুপলগা পেথাবগী হৈনবা পুন্সীগী ওইখি।

মমিংতা মচা উদ্রবস্ন মপুরোইবগী চানবীবা নুংশি মীংয়েংদি ওমথে লৈতে। অদুবু লুহোংবা মতুং চহি ১৪ গী তুং, শোক ১৯৬১ দা লুখ্রা ওই-হৌই। মতমদু রানীদি চহি কম্না পান্দা মংায়রি মপুরোইবস্নু কারবার চাউনা তৌরম্মী। রানীস্নু নোম্না কম্বীনি। অস্নুম্না তুংখৎচথিবা মখোয়গী লন-থুমশিং অদুনা রানীগী যেক্লবা ওইরকই। মপুরোইবগী সম্পাত্তি পুন্নমক মশানা অভাবী ওইনা ফংফম থোকলবা অদুগীদমক রানীনা চহি তরামডাগী

শাংলবা কেস অমা লো কোর্টতা শোকখি। চহি তরামগা অতুনা লোয়বা নত্তে, য়ানীনা চোকথরত্নুনা হন্দোকচখিবনি। মতুংদা শাস্ত্রী কণ্ডুনা চিং-লকপনি।

নৌনা মপাঙ শেংনরবী য়ার্নীগী পুন্সীনা খুদোংথিবগনা শো শায়বা লম্বীদা চংতুনসু নুংদা লোংলিবা কলাগী থম্মোয়বু অরাবশিং অসিনা লাক-হংপা ঙমহনখিদে। অরাবশিং অসি মায়য়োক্নরকপা লম্বীদনি য়ানীগী মপোক্কী হৈ-শিংবনা তপ্না তপ্না শাংকায়রলপা। পুমহাং হাংলবা পুন্সীনি, পোত্থাক্সগদবা মতমদি তেনসিল্লকই, নোমলগা সুরগা সুংগায়জকম, পোত্থা-জকম ওইরকই।

য়ানীনা মপুরোইবগী হাংলবা য়ুম অতুদা চহি মঙা থাঙজরমলগা মপাম খোংদারকপতু কেসতু কন্না শোকুবা চৎরবা মতমদনি। নোংমা থবক অমা চংথোকলুবদা নুপী অমথক্কী ফাগী ফিজিন্দা বাহো হংপা উখি। বাহোং অতুমগী কজখিদে মওং হায়বেংদুং লাকপনি। মতুং মসিনা য়ানীগী তুম-তুনা লৈরম্বা থম্মোয়বু হৌদোকলম্লগুম তৌখি। পুক্নীংদা মওন-মওন অমোবা বাহং কয়া হংবা হৌরকই। মতমতু য়ানী কাঙথল অঙোবা শারি, ইয়োংদা পানখৎতুনা লৈ মহৌশা চংনরকপা কাঙথল ফিমায়দি লৈম শীজগীনা মোইরাং ফিজিন, মীচমগীনা খোংনাং, মোরা হয়িং, কেরা মশিং, অসিনি। অসিনি য়ানীনা খঙহৈদগী উরকপসু। কবিগুরুবা অনৌবা অমা ইথৌ লাং-লকই। চুরাচান্দ মহারাজগী মজাইবেম্মা অমা য়ানীখোয়গা পংলাপ লাপ-নদনা মতম খরা ওংলম্মী। মাগী মনাইনুপী অমা য়ানীগী ইচেগা তিন্নবদগী হেক হেক লাকই। য়ানীনা শাবা ফিবু য়েংলগা মানা মজাইবেম্মগী ইমফি-শিংগী বারী হেক হেক লী। নুপী অসিনা নমথাং খুলহংকী বারী লিবদা য়ানীগী থম্মোয় সুমহৎত্রে। ময়েক অসিদি পাখংবগী ময়েক ওইবনা নিংথৌ মচা মসুতগী ওইনা লৈরম্মী। মীচমনা শোকচবা কাওবা য়াবা নত্তে। য়ানীগী খঙনিংবা মতৌদু উবদা নোংমদি নুপী অতুনা নমথাং খুলহং ইন্তং

তৎলবা মল্লবা অমা পুরক্কুনা পীররে। রানীনা ময়েক অসি মুল্লা য়েংলগা মনিহারদা চাউনা য়েকথোকহনলগা কাংথল ফিমায়দা হুৎপা হৌথি।

মতম অদুদা মুর্পী অমা মহিস্নুরদগী লৈরকপা মুগাগী কুপথরবা লং মপুন অমা পুরক্কুনা রানীগীদা লেপলরে। মুর্পী অদু মরন লৈথরবা ইনজীনিয়ার অমগী ইবেম্মনি। মানা থল্লি— লং অসিনা শাবা যি- ওস্নোক্না ফজগনি। মশক নাইবী ফিসাবী পুম্নমক্কীদম্ন য়েৌক্নরবনি। কনা অমতনা শাবিয়ু হায়বা যারক্কুবদগী রানীগীদা লেপলরবনি। রানীম্ন ফাওই— লং অসিদি! 'লাইবক্তি য়েংলগে, করিগুম্বা শোয়রবদি দায় পুবা ভমঞ্জরোই' হায়বা রাফমদা য়ানরক্কুনা রানীনা লং অদু লৌগৌই। মতম থরা লৈরগা মুর্পী অদুনা রানীগীদা য়েংলবদা ফি অদগী ফজবা উবদা ভকখ্রে। ফিজিন্দা নমথাং খুহৎ, ময়াইদনা অমুক্তা উখিদ্রিবা মৈলৈ লৈস্না চরোং। ফিগী মচু অরাওবনি, হৎলিবনা নাপুদা থরা য়াকসিনবা, তে,দিসনেল নমথাং খুলহৎকী মচু। মুর্পী অদুদি ফি অদু তাপ হেক লৌগদবদি হঙ্গোয়রে। মখুৎনা নানক্কুমা য়েংলগা হায়জে—

'সিবু এথোয় তরামচানং করম্না ইমগদগেম্মে!
· ···ওস্নোক্নদি ফজথ্রেদবে।'।

রানীনা ইস্তপ তপ্না মোমোন নোক্কুনা খুম্মী— 'এম্ন খুমন নিংথোগী মস্নুনিনে। নিংথৌ ওইরমদবা য়েক সলাইবু লৈত্রা। মৈত্তৈ নিংথে থরা শাংথহৌবগী বানিনে। অদুম্ন হৌজিক্তি লোয়শনথ্রবসিসি'।

ইঞ্জিনিয়ারগী ইবেম্মা অদুনা ইহান হাপ্না ইল্লবদগী ফি অদু 'ইঞ্জিনি র ফি' হায়দুনা শেং লাওনা লাওথি, হৌজিক্না রানী ফি।

মসিগী মতুংদগীদি রানীগী পুক্নীংদা লৈরম্না চংনবীগী থাজবীগী পল, লৈম শিজ্জতগীনি, অরামচানা শেংলোয়দবনি হায়বা পুম্নমক কায়থ্রে। মতম অসি রানীনা মৈতৈগী থায়নগী ময়েকশিংম্ন থোযনা খুডজি, উজি। হান্না

লৈরম্মদি নমথাং খুংহংকী ময়েক অসিতমক তোঙাম্না ইনফি অতুগী ফিজিন অমদি ফিবান্দা য়েংত্তুমনা লিমগা শিজিন্নরম্বা অসিগী মতুংতা ইনফি অতুদা পূন্না সাজিনবা অমদি রানীনা পুথোকচবা লৈগী ময়েক খরা হাপকংপা অসিনি। ইনফি মথল অসি মীয়ামনা অঙকপা ফংনা পামনবা ওইরে। অতুবু মসিত্তনা রানীগী থম্মোয়না পেনথোকপা ঙমদে। অমুক্তা উথিজ্রিবা অনৌবা অমা, মসানা মসাবু কাউজবমথৈ ঙক্কা ফজবা অমা থিনিংলকই।

ঈথিল অসিদগী কাংথলগী যিমায়দা রানীনা শৈরেং ইবা হৌরকই। অঙাং ওইবিউদগী হৌনা খুংলোযজরকপদি পাঙনদেমনি। হেন্না কুপ্না খঙজবদি মৈতৈ ইয়োং খুনেংনি। অতুনা রানীনা হৈজবা অসিতগী পাম্বেনা শৈরেং কয়া ই, পুক্লীংগী অনিংবা পূনমক মাগী ফিদা হত্তুনা য়েকই। মসিবু পার-পারগা অশোয়বা কয়া চুমথোকই, অরাংপা কয়া মেনশিল্লি। পুক্লীংদা শক্তম কয়া শাগংলি। শক্তম অত্তবু মচু মমেন নিংথিনা শংলগা রানীগী খুংনা থবায় হাপ্নী। অসিগুম্বা শক্তম, শৈরেং অসি উবগা মাগী থম্মোয়না পেনজৈ।

রানীনা অহানবদা লৈ মরক্না বাহোং অনিথক মমায ওনশিন্নদুনা লেপহল্লে। মসি রানীগী পূক্লীংনা কয়া পেনফাংতে, অনিতু করিসু ফোঙ-দোকনদে চুমনত্তমক লেপচবত্তনি। অতুনা লৈরাংতনা থন্না লৈতেংলবা ফজরবা উশা অমা হায়থহল্লে। বাংলপ তৌবা নাকল অদোমদা বাহোং লাবনা মাগী ফজবা নিংথিনা পূমবা উংলতুনা কয়াদা নীংথিনা চীং-লেমনা মথোং অনিতু চপ তিংনা থৌনা লৈবা অকনবগী মতৌ লৌতুনা লেপল্লি। মংগে নথংবা পীকলপ তাবা ভনৌ তনৌবা উশা মত্তোনলোমদা বাহোং অমোমনা কেজ নৌজনা মথোং কোল্লপ তৌনা নৌরবা মঙক ফজরবা মচিন বাংলপ তৌনা থাঙ্গংলতুনা মুংশিবনা থল্লবা মমিংত্তুনা বাহোং লাবদা য়েংজরি। মসিমক্তসু রানীগী পুক্লীংনা কয়া পেনফাংতরি— থাবল ফয়বা থাজিন অহিংসে পুন্সী লন্নীদা নাইতোম তাহৌরবী রানীগী মকমদদি

ঙেংথানকম রাকংকম ওইদে। থাবনগী ইপোমদা তাওহনা শকম কয়া শাগৎলি, শৈরেং কয়া ই। শংবাম্ররবা অতিয়াদা মপুং ফারবা থাজনা মোমোন নোকলি। মানা নোকলিবত্থু করিস্থু থৌওইদনা উরিং অমোমনা মঙক অত্থু থাঙগৎতুনা মচিন কাংগাং তৌনা করিনো অমা হায়জরি। উরিং লাবনা মঙক লুকলপ তৌনা নোনথরক্তুনা করিনো হংলি। মুপী ওইবীনা কজবা লৈগী লৈশক, নিংথিবা মচু মমেন্দা ভাংজবা মহৌসানি। নিংথমগী উমা যৈবদা কংলবা উনা রানা পুম্মমক কাইরেনগী অঙাওবা মুংশিংনা হুমদোকপ্রবা তুং, য়েনিংথানা লাকপদা অহানবা শাংপা লৈনি চীংথ্রাও। চীংথ্রাংগী যজবা থম্মোযদা যাওরকই, তন্না চৎতুনা যিরুই। ফি ইয়োং ক্ষিথক্লা থমলগা য়েং যে থুনা চীংথ্রাংগী ফজব মিংথিবা পুম্ন-মক থোকহল্লি। অসিজস্থু নত্তে, প্রশংবা মনারক্লা শাংপা না-গম্বোর উরকই, মেলৈ লৈম্বা চরোং উরকই, ক্বাকলৈনা মোমোম্না কাযহৌরকই। রাসি মচেং অমতা য়াওদবা, মুজা কনা অমত্তনা শোকপিদবী সগোইহিদাক মপান ফাওবা রানীগী, থুংতা মরোন লোনলকই। তাংলবা চীংযা তময়াদা সঙাই লাবা অমোমনা ইংনা লৈত্তানা শক্কিক চামিন্নবস্থু উরুই। অসিনস্থু লোয়বা নত্তে— ডামু, কাঙথা কুরাক, অংগুর চরোং অসিনচিংবা। রানীগী মীৎয়েং অঙকপা ফংনা কুপ্পী, চেকসিল্লি। পোং খুদিংমক্কী মশক ময়েক লানা ক্ষোঙদোক্লবা হোৎনৈ। লৈবু থোকহল্লে, উচেকপু থোকহল্লে লৈগী লৈনা-শিং অমদি উচেক্কী মশাশিং মচা খাযনা উহল্লি। পোং খুদিংমক অসি চবাক চবাক থনমদে, করিগুম্বা হমা ফোংদোকই, অহিংবা মালহল্লি। থমলিবা পোংশিংগী মফম লৈকমশিং অসিরু চেকসিল্লি। থুদম ওইনা পাথঙক্কী ময়েক নমথাং থুংহং অসি কাঙথলগী ফিথরা হাপ্পী, কৈদৌংদা ক্ষিথাদা হাপত্তে।

পোংথোকশিং অসিবু থম্মায় হাপলিবদি রানীনা শীজিন্নরিবা মচুশিং অশিনি। মসি শিজিন্নবগী মতাংদু অঙকপা ফংনা চেকশিল্লি। রানীগী

ওয়াদি তাইবং মপুনা সেন্নীবা মহৌসাগী পোৎলম অমদি মপুনা হাপ্পীরম্ব। মচুশিং অসিনি। রানীনা মচু পুন্নমক মংৌশানা ওইজরমলবা মচুশিং অসিতমক য়েংহনা মান্নবা হোৎনৈ। অতুমনদি ওইরগা পোৎশিং অমুগী বেকগ্রাউন্দ য়েংলগা মচুশিং অতু লংখৎনা হেন্না চাসিন চুসিন্নবা থোকননবস্থ হোৎনৈ। উশা অমা হৎপা মতমদা মচু অহুম শিজিন্নৈ। মাহোং লাবগী মভোক্ত। মচু অমতমক থোকহনবা মতমদা মাহোং অমোমগীনা মচু অনি শিজিন্নৈ। উরিৎ থাকহনবদস্থু অতুমডায়। উরিৎ লাবগী মখানা উরিৎ অমোমগী মথাদগী ভাংলপ তানা উহল্লি।

কৈথেন্দগী ফুবা লং অসিতনা রানীনা পামলিবা পুন্নমক ওইহনবা ঙমলক্রে। অতনা রানী মশানা মখুৎমক্কা মচু কযা শংজে, অপাম্বা মথৌ তাবা শচু পুন্নমক। মচু শংবগী মওং অসি হান্নগী মৈতৈগী মচু শংবগী চংনলোন অত নত্তে। মযাং তুবান্দগী মচুগী পাউদর লৈরকরগা মথোযনা তাকলকপা মতুংইন্না কেমিকেল খবগা শংবনি। মচু যানথোক-যানশিন তৌরগা তোংান তোংানবা মচু কযা পুথোকপা অসিনা মনিংহাবদগী খংবনি

শোক ১৯৭৩—৭৪ দা মৈতৈগী অখিবা ফিগী মযেক্কা মরি লৈনবা লাইরিক অনিথক ফোংগলকই। মুতুবা বাহাতুরগী 'মনিপুরী আর্টকী বারী শিংবুন- ১৯৭৩' অমসুং কুবাইলাংপম ইবোতোন শর্মাগী 'মৈতৈ ফিজেং লৈতেং- ১৯৭৪' হায়রবা অসিনি। অনৌবা য়ান্না পামগনবা মৈতৈ জাতিনা ছন্দোক্তনা থম্বীগ্রবা ইপা ইপুনা থম্বীরম্বা ঐথোযগী ফিগী আর্তকী লনায় অমা রানীনা লাইরিক অনি অসিদা থেনরুই রানীনা পাম্না ফজগদবা মমেক খন্দোক্লগা লাইরেকপা মনিহায়দা যেকথোকহল্লি অতুগা কাংথল ফিমায়দা, ইন্নফিদা চানগদবা মফম, মওং অমদি মচু য়েংহনা হৎপা হৌই।

রানীনা মাগী পুক্লীংদা ফাওরকপা অনৌ-অনৌবা শক্লম মনিহারদা তাক্লনা য়েকহল্লি। রানীনা খঙ্জিংং হায়বদা মনিহারনা খঙবনা হাল্লি। কলাগী তাইবংদা মমা মচা অনি হৃসিগী তোঙানবা মরি অমা লৈবগুম তৌই।

নোংমা অরাপ্পা মরিগী মচে অমনা রানীগী রাহোং থোকপা কাঙথল ফিমায় অমা অমুক্তা য়েংলুগে হায়তুনা পুখি। কইমনলে লৌরুগে হায়তুনা তৌবিঙৈ ভাপ ইতা তাদিৎ অমুক অমা গারী থারক্লনা রানীবু লৌরে। অচৌবা থৌরম হৃমগীদমক নির্থাস্তা শেম শারবা হোল অমদা পুবীখি। উইরেোম পুদৌ ফনেক অমা শেৎলগা ইনফি অমনা মকোক মক খুমতুনা মনিং শইনা কাচিন অমদা ফমজে ফমপাক্লা ফী মথল মথল তিংথোক্লনা যাল্লিবশিংদা রানীগী কাংথল ফীমাং রাহোং থোকপা অত্থ উখি। খ্বায়দগী ফবা মনাগীদনক রানীগী লিংলাওহেঁকপগী লোয়ননা মনা লৌনহগীদমক কৌথোকলকখি। মমাং ফম্বা সনা ফিগে থোনবী অমনা ফুক হৌগৎতুনা মনা লৌখি, কোটৌ নমখি। তৌবিবা ইরাংসি কবিনো খঙজখিদে। লাকউ হায় হায়তুনা তবী তবী থাখৎচখি। ফমপাকথক্তা মাবু কনানম্ভ ওকপিরমদে। ইঙক ঙক্লা ইকায়বিঙৈ সনা ফিগে থোনবী মনা লৌখিবা অতুনা 'সিদা ফমলবো' হায়তুনা কৌবিবকই। ইপং পংনা ফমলুই। কাংবু অমনা মী ওয়ারে ওয়ারে মুকন মুকম তৌনরকখি। অস্থুমা রানীনা ভাপ ইতা তাদনা ইন্টরনেসনেল বুইমেনস ইয়ারগী দিজাইন কমপিতিসনদা মনা যখি টল ইন্ডিয়া ইন্দলুম রিক ১৯৭৬ কী দিজাইন কমপিতিসনগী মনাম্ভ রানীদা পীখি। মাংগী কুমসমেন শোক ১৯৮৯-৮০ গী ষ্টেট এরার্দং রানীনা ফখি। শোক ১৯৯০ দা মনিপুর সরকারনা মেরিত এৱাদ অমসুং শোক ১৯৯১ দা দিজাইন কম্পীতিসনগী মনা রানীদা পী।

রানী ফিনা মপান্দগী পুসিল্লকপা মুগা কেরেপনাচংবা অকে অমৌগী ফি পুমনমক্কী মহুৎ শিল্লকপা মতমদা ফিগী কৈযেন্দা ঙহোংবা অমা থোকললকই. কৈথেন হায়বা অসিদি কারবারগী বানি। মী পুম্নমক্কা রানী ফিদমক চায়নরক্পা মতাংনি। নুপী কযা লাক্কুনা বানীগী ফিসা মগুং তস্বা লাকই। রানীনস্ত মহাক্কী ময়েকশিং অসি নিংথিনা ঙাক্কুনা থস্বা পামবদগী তস্বা লাকলিবশিং অতৃগা য়ানবা অমা থমখি— মথোয়না রানীগী মযেক্তা, খুংহৎতা শাবিবা পুম্নমক রানীগীদা পুণকপা। অস্থন্না ওইরকখি ঙসি উরিবা বানীগী ফমফম কাদা ইয়োং ফিগী দুকান অসি।

হৈ-শিংবী থরত্না বানীগী ময়েক শাবা শুম্মী। অতৈদি পাক তাবা ঙমদে। অসিগুম্বা মতম হাসিদা নুপীমচা মুনা লংবী অমা য়াও-রণই, মনিংনা রাংখৈমবুম জয়মতি। অয়ুক ঙন্তা হৌগৎতুনা রানীগীদা খুবৈ বানাগী ইযোং মধাদা চংতুনা বাই শিংতোকই, তৈথোকই। রানীনা নোমগদবা অয়ুক্কী থবক পূমনমক নোমথোক্কলগা রানীনা ইয়োংদা ফি শারকপদা, মনাক্তা লেপ্তুনা মনিং কুপতম্না মুম্না য়েংতুনা লেপ্পা। ময়ুমদা মাণাস্থ ইয়োং অমা পানখংতুনা রানীনা হেক শারাবা পুম্নমক শ.ই। নাগী মৈণ্না মখূৎ য়াম্না হেবা অতু পুরক্কুনা মনিহারগী মনাক্তা ফনহল্লি। মানা করম্না হেবপগী হায়বতু য়েংহাল্লে। মুপ মচা অসিগী খুৎতগী মরুওইনা রাংখৈমযুম লৈরক্পা রানীগী মযেক রানীগী খুৎশা শন্দোকখি।

রানীগী নুংদা লোংলিবা ঈশ্বরনা পীবারকপা কলাগী মীৎয়েং, কলাগী ঈথিল রানীতগীনি। রানীদি অমথকতনি, অনি নুদে।

অতুম ওইনমক ইন্নফি ময়া লনবী অপাবা অসি জয়মাত অসিগী খুৎতগী থোকখি। রানীনা মহিস্থরগী মুগা অকুপ্পা অসিদা অহানবা ওইনা খুৎথাক্করবস্ত লংজম ইন্নফিদা মায ওনশিলকপা মতমদদি ইন্নফি ময়া লনবী অপাবা অসি শিজিন্নরকখি।

মুতুবা বহাদুর অমসুং ইবোতোন শর্মাগী লাইরিক অনি অসিদা য়াওরিবা ময়েকশিং অসি খরা হেন্না কুপ্পা থংনিংবদগী মোইরাং, ফুবলা, নিংথৌখোংদা চংতুনা য়েংই, ফোটোস্ট নমলকই। রাথোক ফি অদু ফিভম ফত্রে, য়েংবদা মুংঙায়তবা পাম্মুবা অমা পোকই। শাংলিবা লৈ, থোকলিবা ময়েক খরদি নাম্পু লাকপা রারে। নমলকপা ফোটোশিংদু চাউথোকহন্দুনা মনিহারনা কন্না হোংনহুনা শিন্দোবপা হৌরকপদা, চহি ৫৫ দা ভায়রিবা মনিহার খংজৌদনা বি, পি, রাংখংলক্তুনা শোক ১৯৯০ দা লৈথিদরে। কর্ম অমা থোকপগী চয়াংনবা মরক্তা য়েকপা হৌগংলম্বা চে অদুসু মাংখ্রে।

মনিহারগী মতুং দনানা শিনবীগনি।

মোইরাং পোইবাগী রাথোকফি বানীনা ইয়োংদা অমুক নৌনা য়াকাইহনগে তেমশিংলুবা মোংদম্বনা তম্বীরমগে। অদুবু চহি ৬০ হেল্লবা রানীদি হান্নগী হার অতুম্নি। খামেন চংপা ময়েকপু ইয়োংদা পুখংতুনা ইন্নফিদা হংপা হৌই। ইন্নফি অসিনথক লোয়শিনবদা থা অহুম পুরা চংই। মনিপুরগী ইয়োং ফিগী ইতিহাসতা খানেন চংপা ময়েকপু ইন্নফিদা হংপদি রানীগী ইন্নফি অসিনা অহানবনি।

ইন্নফি অসি শোক ১৯৯৪ গী নেসনেল এৱার্দ কাদমক থাগংলি। এৱার্দ অদুদি নমথাং খুংহংকী ফি অঙোবা অমনা ফংখি। ময়েক অদুদি রানীনা চহি ২০ গী মমাংদা হান্না য়েংতুম্না লিরম্বা অদুগী মতুংতা কিজিন্দা হাপকংতুনা শাথ্রবনি। মনিপুর রাংমা লান্দুনা ভারত শিন থুংথ্রবনি।

রানী মথন্তা মোমোন নোকই!

শোক ৯৬৯ দা মৈদিংঙু য়াংলৌ কৈফাবগী হাকতা কনেক ফিবান্দা খোই লোনবা হৌদোকখি। মতম অসিরাইদগী লৈবাক অসিদা ফিদা ময়েক

হাপ্পা কলাগী মপুংফাবা যুদ্ধম অমা লৈরক্লে হায়বা য়াই। লমদম অসিগী কলাগী শকওং পুন্নমক লাইনিংলশীংগা মরি লৈননা শেমগৎলকই। পীথিজিন্নরমলিবা হিরমদি মরুওইনা শা, ঙা, উচেক, তিন-কাং, পাম্বী অমসুং লৈনচিংবনি। থরায় পানবা জীবশিং অসি চুম্নগী মখোয়গী ফজবা শকওং অমসুং মচু অদুথক্কুগী ওইনা হাপ্পা নত্তে। খুদম ওইনা শিজিন্নবনি। "নৈনৈ আর্তিষ্টশিংনা মহৌশাগী লেংঙলি পাল্লিবা থরায় পানবশিংবু মখোয়গী পুক্লাংদা হেকশিন্দুনা মপা মপুশিং নিংশিংনবগী খুদম ওইনা থমহৌই"। (মুতুম্বা বহাদুর— মনিপুরী আর্তকী বারী শিংবুন (১) ১৯৭৩, লা: ২২)। লাইনিংলশীংগা মরি লৈনবা মবমনা তোঙান তোঙানবা ময়েক্কাসিং অসি সমাজগী তোঙানবা থাক্তা লৈবা মীওইশিং, অঙাং, অহল, নুপা, নুপী, অমদি ইরাং থোনিগা মরি লৈননা শিজিন্নরম্মী। লৈবাক অসিগী ইতিহাসতা অহোংবা কয়া লাকখিবগা লোয়ননা আর্তকী ঈচেল অসিদা অহোংবা কয়া লৈরক্লে।

অহোংবশিং অসিগী মমুংদা মরুওইনা পনবা য়াবদি ১৮শুবা চহি চাদা পামৈংবা নিংথৌগী সনা হান্ততা লাইনিংলশীংদা নিংথৌগী অকনবা শক্তি শিজিন্নদুনা অহোংবা অমা লাকখিবা অসিনি। লমদম অসিগী কলাগী ঈচেলদা হায়বিবা মওং অসিনা মরম ওইদুনা থংথং থংপা থংথিং থিংবগুম্বা অমা থোকখি। মতম অদুগী কলাকার অমনা উজরপা অচুম্বা, মঙোম্দা পীরিবা ঈথিন পূন্নমক্কী হৌরকফমদি মাগী মহৌশা লৈজরম্বা পুশীরোল, চংনবী, থাজনবীশিং অদুনি। মনিপুরনা বৃতিশ শন্নরবা মতুং অমদি ভারততা তিনশিনখ্রবদা মিলগী লং অমদি ফিগী পোংথোক্লা মনিপুরগী হান্না লৈজরম্বা লং নাইবগী মওং তপ্পা তপ্পা হাংতোকখি। মসি অচৌবা চৈথেং অমনি। হৌজিক মমিংতগী ওইনা থুংকা পোথোক ওইনা ফি খন্নদি পুথোক্লি। লশিং মাংখ্রে, কপত্রেং মুংখ্রে, লাইনিংলম্বী হোংলে, লৈংগকলোন

হোংলে। ইপা ইপুনা আত্ৰ্কী শক্তমদা থম্বীরম্বা ফিগী ময়েকশিং অসিগী রাংনথোক, মমল, ভুংদা লাকপা মীরোন্দা অমুক পুথরকপদা অপনবা থোকলকই, শম্মরক্তে। মতমগী ঈথক ইপোমদগী চিংথহৌবা, লংলদ্বা মতম অমগী মশেক মঙাল থরদং অত্তুদি, তামলবা থৃঙংগী চাইনা লৈরিবা উমংলাইগী লাইবুং থরদা, কনাগুম্বগী অমনবা লুবাকনুংদা, কোম্মুং অমনবা মনুংদা তাহুনা লৈহৌরে।

কুনথুবা চহিচাগী অনিস্থবা তংখায় শোক '৭০ গী মতম মনিপুরদা নিংথৌগী শক্তি লৈত্রে। থম্মীগী লিপুনম্থ কোমথরক্লে। অনৌবা মহৈ খুৎতহীনা হিরম খুদিংদা রাহং হংবা চৌরকপা মতমনি। মৈতৈনা তাম-হৌরবা মশাগী মশকপু নৌহৌননা থিগৎলকপগী ঈহৌম্থ মশক থোকলকপা মতাংনি। অসিগুম্বা তাংকক অসিদা রানীগী 'অনৌবা পুথোকনিংবা' 'মঙ্গবা অমা ঈখৌলাংলকপা' কলাকার অমা ওইবগী পুক্নিং ঈহুন অসিবু থংপিনবা পলদি ঈরৈ লৈরমদ্রে। রানীনা হায়রগী ফিগী ময়েক নৌথোক-হনবা মওং অসি হায়রগী লাইনিং লহীনা য়োমশিন্দুনা থনথা পরিং অত্তুদা পুথরকপা নত্তে। হায়রগী লাইনিংলহীগা য়ায়া নকশিন্নবা জেনেরিক আর্ত ওইনা লৈরম্বা অত্তু নত্তবা লম্লাই মীৎয়েং ইণ্ডীভিজুয়েল কেরেক্তর অমদি রানীগী কলাদা উবা ফংই।

মহৌশা থিন্দা ফি ময়েক থোকহনবা নত্রগা হৎপা অসি য়েৎতুমনা লোনবা নত্রগা য়েৎতুমনা লিবা অসিনা নমনা শিঞ্জিন্নবনি। কবোক চায়বা ওইনা হৎপা অসি হায়া লৈরমলবস্থ কয়া পাক শন্না শিঞ্জিন্নরমদে। ময়েক অমা য়েৎতুমনা লোনবা অমদি লিবা অসি মতম অমদি খুৎ য়ান্না চঙবা থবকনি। অম্বুন্না মতম অমদি খুৎ চঙনা হাপলগা ময়েকশিং অসি রানীনা কবোক চায়বা ওইনা হায়া শিঞ্জিন্নরম্বা খুৎশা খুৎহং অত্তুদা মতম অমদি

খুং য়াম্না চঙলম্বা অচু হনথহল্লগা পুথোকই। মসিনা কৈথেল্দা থুনা থাদোকপা ঙম্মী। অনৌবা মতমগী নৌনা পৈন্না পায়থংলকপা মীদল ক্লাস অমা চোংথংলক্লিবা অসিনম্লু রানীগী ফিরান মমাই চুমথংলকপদা ফরবা মত্তে ওইখি।

রানীনা মাগী ময়েকশিং অসি ফিদা হংপা মতমদা হান্না শিজিন্নরম্বা কবোক চায়বদগী লৌরবস্লু মংং অসি ঙাক্লনদি য়ারক্তে। কবোক চায়-বগী তেক্লিক অচুদা য়ুমফম ওইবা অনৌবা তেক্লিক অমা রানীনা পুথোক-লকই।

মসিনি বানীনা মনিপুরগী ময়েক অমদি ফি-খুংশাগী শাংলবা পাবিং ঙসিদা পীবিবা দান।

থাইদেম প্রমোদিনি

'ইনল্মা সঙ্গায়, নরাইবক ওস্থোক্লা থিথেদকো। নচাল্লুপী ভাক্তা পোক্লবনীনা অঙ হয়েং শিরমদাইদা ওস্থোক্লা রাগদৌরিকো'!

তুম্মীম্না তায় সঙ্গায়, পাওথুম পীদে। নিংশা মপি অমতং হোন্দোকই। নিংশা মপি অহু মচাল্লুপী অতোনবী পিল্লিবী পিশক্কী নৌরবা থস্মোয়দা য়ৈথি। অহকপা চৈনা অমা মৈ 'চুবীথি' লৌথি রারেপ অমা—

'কৈদৌঙৈদস্থ ইমাবু থাদোকলোই'।

কাকচৈথেল খোকচোম চৈ.বায়দা, শোক ১৯২৮ গী নবেম্বর ১৮ নিং-থৌবাবা মুমিংনি। থাইদেম কোমোল অমস্থং থৌদাম নিঙোল থাইদেম ওংবী সঙ্গায় অনিগী মচাল্লুপী অমা ফংজখি। মখোয়গী মচা নূপী ভাক্রা মরিনি। মচা অতোনবী পিশক অসিনি তুংদা থাইদেম প্রমোদিনী হায়না লৈবাক্লা খঙনরিবা অসি। প্রমোদিনীনা চহি অনিমথাইতা ভায়রিবৈদা অপোকপা মপাইবুংগো লৌথদে। চহি ৩৯ তা ভায়রিবা কোমোল কছারদা লল্লোনবা চংপদা বরাক তুরেন্দা লৈখিদবনি। চহি ৩৪ দা লুপ্রা ওইববা সঙ্গায় চেংকোক লল্লোন্দুনা, ওা য়োন্দুনা ময়ুম ফঙ্গা লিংনবা হোৎনরকই। অসিগুম্বী লাইরবী মমা লুপ্রাবানা য়োকলকই প্রমোদিনী।

লৈকায়গী অঙাংশিংনা লাইরিক তম্বা চংনবা উরগা পীল্লিবী প্রমোদিনীস্থ ইমহুনা য়াওকই। অহুম্না কাকচৈথেল গার্লস এল. পি. স্কুলদা লাইরিক তম্বা হৌই। কদায়দগীনো মীনা হন্দোলম্বা সিলেং মচেং অমা থুম্বুনা পুজরকই। মমানা শিংজমৈ কৈথেল চংপদা চীংঙাদগী চেনবাক মচেং থুনথিরকউ হায়হুনা তপচৈ। মহুনা ইহুনা তম্বা হৌই। মীনা হন্দোকলম্বা শেং-গাইরবা মগী লাইরিক অমা পুথুনা স্কুল কারকই। মাগী ওজানা চেদিং থরা

থুপলগা লাইরিক অন্ত শিন্দোকলগা মঙোন্দা পী। মচুনা মাগী অহানবা লাই রিক্তি। মঙাস্নুবা থাবা মতমদা মোইরাংখোমগী লৈপুং স্কুলদা থাক্লই। পরিক্ষা চংপদা মপা ইবুংঙোনা শেংলম্বা খুদৈ অমা তখায় খায়দোক্লদা মচেং অমা ইনদুনা চংলি। মতমদুদা এলাংবম লৈকায়গী খোং অসি উরোকখোং ওইনা শারম্মী। খোং লানবা ভমদবদগী কনানো অহল অমনা পোদুনা লান-খোকপিরকই। পিকমনবদগী দেক্লতা লামথংলগা ইবা মংদবদগী দেক্ল মথক্তা কাখৎলগা পরিক্ষা থাই। মহাক্কী মফি-মরোল বাংগশি উবদগী মহাকা কাকৈথেল গার্লস এল, পি, স্কুলদা তম্মীন্নবী খোামগ্র গোরতিনা ফি লৈনবা লুপা অমা পীরকই। লুপা অদুনা মমানা কৈথেল্দগী ফুরিৎ থুদাং-চোনবী মথায় পিবা অনিথক লৈরুই।

লৈতবদগী লাইরিক তম্বা মতম থরা লেপলুরগা কোইজম অমুবীনা বাহেংবম লৈকায়দা মুপীমচাশিংগী স্কুল অমা লিংখংলকপদা লাইরিক কাওবা পীরক্লুনা মথা তমলরো হায়না কৌরকপদগী ক্লাস সেভেনদা অমুক তম্মী। স্কুল অসি নোং-মুংশিংতা তেকথিবদগী তক্ষাসনা স্কুলদা ক্লাস আইততা তম্মী স্কুল অসিদা মজা ইবেম্মা বিনোদিনীস্তু তমলম্মী। মানা য়াম্না বানা লাইরিক তম্বদু উবদা ওজা অমনা মজা ইবেম্মাদা অমুক্তং থুক্লমজো হায়দুনা তাকপি। অস্নুন্না প্রমোদিনী অমস্নুং বিনোদিনী থঙনবা হৌথি। মতুংদগীদি সনা ইবেম্মগী মতেংনা লাইরিক মথা তমথবা হৌরকই। মেত্রিক পরিক্ষা থারমদায়দা এম, কে, প্রিয়বর্ত, এম, কে, তোম্বীস্না, খোম-দ্রাম ধনচন্দ্র, কোঙেংবম গোরো অমস্নুং এম, কে, বিনোদিনীনা লুঃ ৫/৫ পীবীদুনা পুম্না লুঃ ২৫ অদুনা পরিক্ষা থারকই। মতমদু শোক ১৯৪২ নি। পরিক্ষা লোয়রগা ইস্কালদা বোম তারকলে। লান মনুংদা পরিক্ষা হায়-দোরকই। সেকেন্দ দিবিসন্দা পাস তৌই, থাগী বৃত্তি লুঃ ২৫ গা। পরিক্ষা হেক হায়দোকপগা সনাইবেম্মগী মতুং ইন্নদুনা নবদ্বিপতা লাইরিক মথা তম্বা চংলে।

স্নাইবেম্মাগা তিম্নবা হৌবদগী কমুনিষ্টকী লিতেরেচর পাবা হৌই। কমুনিষ্টকী মীগা মীগা খেংনবা লৈতে, লাইরবা ইনাকখুনবা চপ মান্না হিংমিন্নগদবনি হায়বন্থদা হায়নিংঙোয় লৈতনা পামজখি। খুরাইবুংঙো ইরাবতকা খঙনরকই। মতু কমদৌনা ওইথিবনো হায়বা মুন্না খঙহৌদে— মশক খঙহৌদবা অপোকপা মপাগী মুংশিবগী শরুক থবা খুরাইবুংঙোদগী ফঙজখি। অয়ুক্তা মুংখিলদা, অশংবা তানজাদা খুরাইবুংঙোগী য়ুমদা হেক হেক চংলি। মাঙ্কোন্দা লাইরিক ফান্দা লাইরিক ইথুনতা লৈরম্মী। প্রমোদিনীনা মনাক্তা ফমথুনা চেংচাং লোইসিন্দুনা ফাজিন্দুনা মানা ওমজবা মপুংদা মতেং পাংলি। খুরাইবুংঙোগী তুং ইনবা নহারোলশিং খঙনবা, সমনবা থবক তৌমীন্নবা হৌরকই। সমাজদা সোংথনা লৈহৌরবসিংবু নু সিংবা কমলকই—। মাগী অসিগুম্বা মওং অসিদা লৈকায়না মমাদা পাওন্থাক কয়ামুক পী— 'নচানুপী অসিবু নুপী ওইবীগী শিলদি অমত্তা তম্বী-দনা লাইরিক তমলিবনি হায়রুনা কাউ থাবগুম থাদোকলে, নচা অসিবু মাঙবা তারেনে'। সংগায়না পুম্নমক অতু তুম্মীন্না তায়। অতুগা লুকথনুনা নোমগদবা তৌগদবা অতু তৌদুনা লৈ। মচানুপীদনা বাহৈ অমফাও চৈদে। মচানুপীনা তৌবা থবক্তা চিংনবা লৈরম্লে।

বীনোদিনংগী তুং ইন্নথুনা চংলগা প্রমোদিনি নবদ্বীপতা মোদিয়া ব্‌ইমেন্স কোলেজদা আই, এ, তম্মী। পরিক্ষাদি ফেল ওইরে বৃত্তিসু লোয়রে। ওজা বনলতাগী তুং ইন্নথুনা বঙ্গলাদেশগী তঙ্গাইলদা চংলে। ওজা অসিনা শিন্নীথুনা কুমুদিনি কোলেজদা মিং চল্লি। কলেজ অসিদা লাইরিক তম্বা লৈফম চাকম লোয়না লেম্মা ফঙই। লান মনুংদা ব্লেক মনি য়ান্না তালকৌবা রানাদা প্রশাদনা মমাগী মিংদা লিংখৎচবা কলেজনি। নোংমা জামিনি কুন্দন গুপ্তানা মৈতৈ নুপী অমা য়াওই হায়বদো কদায়নো হায়রুনা থিরক্লুনা উন্নে। মহাক মনিপুরদগী থবক রিতায়ার তৌরগা লৈরমনি। মাগী য়ুম তঙ্গাইলদনি। মসিদসু আই, এ, থাবদা ফেল ওইরে। স্নাইবেম্মা

বীনোদিনীনা থা থাগী লুঃ ২০ পীতুনা গৌহাত্তিদা অমুক তম্বা চংলি। ছাত্রী-বারীদা লৈদুনা রাধাকান্তা হেন্দীক কলেজদা চহি অমা তংলগা শোক ১৯৪৭ তা আই, এ, অহুমলক থাবদা ফাষ্ট দিবিসন্দা পাস তৌরকই। থাগী বৃত্তিনা লুঃ ৪০ নি। ছাত্রীবারীদা অহুম লৈথদুনা গৌহাত্তি কোতন কলেজদা বি, এ, তমথৈ। পরিক্ষাদি ফল ওইরে। মনিপুরদা থোকলত্তুনা মতম খরা লৈরমলগা গৌহাত্তিদা অমুক পরিক্ষা থাবা চঙভি। ছাত্রীবারীগী ছাত্রী ময়াম্না প্রমোদিনীবু য়াম্না মুংশিবী। চহিতুগী কলেজ ফীনা মখোয়না পী অহুগা পরিক্ষাগী ফীনা স্নাইবেস্মানা।

গৌহাত্তিদা মনিপুর ষ্টুদেন্ট ফেডেরেসন্না শিন্দুনা মীওয়মগী অচৌবা প্রোসেসন অমা চংথি। মতুদা প্রমোদিনীস্না মাংজিন থংদুনা য়াওরুই। খুৎতা চোঙ্গা পায়দুনা খুৎতুম চেংপায়সিন্দুনা, খুৎ বাংনা থাঙ্গংতুনা লাওরুই— ইনকিলাপ জিন্দাবাদ

প্রজা শক্তি জিন্দাবাদ।

মনিপুরদা থোরক্লুনা লৈরবা মতমদা গৌহাত্তিদগী রিপোর্ত লাক্লুনা খোম-দ্রাম ধনচন্দ্রনা থানাদা প্রমোদিনীবু কৌখংলি। ধনচন্দ্রনা হংই— 'ব'মো হায়বসি কনানো থঙম্না'?

'খুরাইবুংঙো ঐ থঙজদে'।

'ফরে ফরে থঙদ্রবদি'।

কোম্না থঙলকই কময়েদ অমনা মাগী মিং লাম্না পিসিনখিবনি।

শোক ১৯৪৯, আগস্তকী নোংমা মুংদাং অমা প্রমোদিনীনা চে চাং য়াম্না কম্না লোয়সিল্লি। ফুঙ্গাদা পুথোক্লুনা ফনা য়াম্না অমস্নু মৈ থাদোকই। নোংঙাল্লকপদা থানা মপৈ অমা প্রমোদিনীগী মুম কোয়শিন্দুনা লৈরমলে। দি, এস, পি, লমাবম যাদুমনিনা লুচিংলমই। মোমপাক হায়গৎতুনা কাচিন-কোয়া, য়েনখা-লুখা ফাক্লুনা শিবদা চেজেং অমফাও ফংদ্রে। মখোয়শিংদু তুম্মোম্না হনখি। পংকুয় কুয়দনা পাও লাকই। ওরাং অহিং

কমরেদ মরাম অমা থানানা ফাগ্রে। মখোয়না কাবদা থোইবীন্থ য়াংগ্রে। মীনা ঙক্নৈ— থোইবী প্রমোদিনী পুন্না পুন্না চৎমীন্নহুনা থবক তৌমীন্নবনি। অছুগা থোইবী ফাগ্রগা করম্না প্রমোদিনীনা লৈহৌরিবা।

শোক ১৯৫০ দা আনন্দ সিংহ একাদেমী স্কুলদা ওজা ওই। মনিপুরী সবজেক্ট তাকই। মীনকেতনগী ঙাঙ্গোয় পরেং অমসুং মৈতৈ লোনজন তমলশ্মী। লাইরীক অতুনা লুবনা অঙাংদা নিংথিনা তাকপা ঙমদে। নোংমা ওজা মিনকেতনগীদা চৎতুনা থুরুমজরুই। ভাব তাদবা পুম্নমক ওজানা মচা থায়না তাকপিরমই। মতমতু প্রমোদিনীনা রাখল অমা থম্লি ঐবু ক্রিসা-লোনসাসু হৈনবা নত্তে, মওং করম্ন' পৈশা তানসিগে। তলপ থরা ফংলিবা অসিনসু কোন্নদে। লাইরিক ইতুনা তানসি হায়রবসু ইবা হৈত্তে। বি, এ, সিদদি ঙমদ্রিফাও থাদোকনিংইদকো। রাকম অসি নোংমা ওজাদা কাংথোকলুই। ওজানা হরাও হরাও তাকপিরকই—

"কমপাইলেসন অমা ফোঙবা য়াইনে।

নঙবু ময়ামদগী শৈরেং খোমজিল্লুবা ঙমগদ্রা?"

লেংবান্দা খাও অমা য়ানসিন্দুনা মথং মথং চৎপা হৌই। অহললোন কবিসিংদগীনা নহারোলশিং ফাওবা। লাইরিক অসিগী মমিং মীনকেতন্না থোল্লি 'কবি তর্পন'। অতুগা মনিপুর গোগর্ণমেন্টতা লাইরিক ফোঙনবগী অয়া চে ত্রাক তৌতুনা থাবি। প্রমোদিনীগী থবক্তি লাইরিক অতুমা ফোঙদোকলগা লোয়বা নত্তে। অয়ুক্তা স্কুল চৎত্রিঙৈদা থৌবাল তাম্না সাইকলনা চৎতুনা থৌবাল হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর ঊন্নরুই। নম্বোলদা নম্বোল হায়স্কুলগী হেদ মাষ্টর ঊন্নরুই মাগী হোৎনজমন্দগী লাইরিক অতু ক্লাস আইতকী তেক্সবুক ওইনা লৌসিনখি।

আনন্দসিং একাদেমী স্কুলদা মতম থরা ওজা ওইতুনা লৈরমলগা শোক ১৯৫১ দা তম্ফাস্না স্কুলদা অন্দরগ্রেজুযেৎকী ওজা ওই। ওজা ওইনা ওইনা বি, এ, পরিক্ষা থাই। শোক ১৯৫৪ দা পাস তৌই। মথং

চহিদা স্কুলদগী স্মৃতি লৌতুনা সেন্ট্রেল স্কুল ওফ এডুকেসন, দিল্লিদা বি, এদ, তম্বা ওজা থোইবীগা লোইনত্তুনা চৎলি। চহি অহুদা (১৯৫৫) বি, এদ পাস তৌরকই।

'কাব তর্পন' (১৯৫০) দগী লাইরিক্কী সংসার অমা, সাহিত্যগী ময়ায় অমা থেংনরুই। অশাংবম মীনকেতন অমসুং আর, কে, শিতলজীৎকী লমজীৎদা 'মুক্তা ফিদম' (১৯৫৭), এম, কে, বিনোদিনীগা পুন্না বারীমচাগী লাইরিক 'পুন্সী মৈরা' (১৯৫৮), অইবা থরগা পুনসিল্লগা 'লৈমরোন (১৯৫৮) মথং মথং ফে ওই। অহানবা ইবা হৌখিবদি স্নাইবেম্মগা নবদ্বীপতা লৈরিঁউদনি। মফম অসিদা প্রনগৌরনা ইদিত তৌবা চেফোঙ অমা লৈরম্মী। মতুদা আরতিকল মচা থরা ইথি। মতম অসিদা 'পোনগী চেক্লা' (১৯৪৩) হায়বা শৈরেং অমা বিনোদিনীনা বঙ্গালি লোন্দা হন্দোকপিরগা বঙ্গালি চেফোঙ অমদা ফোঙখি। থাক্লৈশেংনা খুৎ লেপ্তুনা ইরকপদি শোক ১৯৮০গী মতমদনি।

তম্ফাস্না স্কুলদা ওজা অমা ওইনা মথো নিংথিনা তৌবা অমদি থবক-ওম্বা মতৌদা হেদ মাষ্টর হাওবম ইবুংঙোতোম্বীনা লুনা থাজনা তৌই। মাঙোন্দা শান্ন-খোৎনবা অমদি লাইব্রেরি শিন্নৈ। মেগাজিনগী ইদিতর ওইহল্লি। অহাংবা মতমদা অসোনবা ছাত্রশিংগী ময়ুমদা কোয়রুই। মমা মপাদা মচাগী অসোনবা হিরমতু খঙহল্লম্মী। তিউসন পীবসু য়াওই। অঙাং-শিংগী লাইরিক তাকপদা মানা খঙদবশিং অতু অখঙবা ওজা অমসুং অহল লমনশিংদা চৎ-চৎতুনা হংলুই। অসুম্না খঙনরুই থেংনরুই— মোইরাংথেম চন্দ্রসিং পণ্ডিত অচৌবা, লাইরেনময়ুম ইবুংঙোহল, বাইখোম চাউবা অসি-নচিংবা। অহলশিং অসিদগী মৈতৈলোনগী ফজবা খঙহৌই।

মতমতু প্রমোদিনিনা তম্ফাস্না স্কুলদা ছাত্রি ওইনা লৈরিঁউদনি। ওজা হাওবম ইবুংঙোতোম্বী য়ান্না মুংঙায়বা মীনি। চহি খুদিংগী স্কুলদা কলচরেল প্রোগ্রাম পাঙথোকই। বান এক প্লে কয়া মহাক্না তম্বীতুনা উৎলি।

ময়াম্মা কুমনিংবনা হিরো, হিরোইন, নিংথৌ, মহারানী। ময়াম্মা কুম-নিংদবা পামদবা রোল মথৌ প্রমোদিনীনা কুম্মী। হনুবী, থোংঙাকপা, কৌপিন শেংপা, মীনাই অসিনচিংবা। 'মায়াবাহু' শায়ে। বীনোদিনীনা মীরাবাই, সোরোজিনীনা আকবর, পদ্মামুখিনা রানাধুম্ভ শাই। প্রমোদি-নীনা পার্ত অহুম কুম্মী। লিলা অমদা প্রমোদিনীনা হনুবী বৃন্দাবন চংশী শাই। চরু থোংউপ অমা উপশিল্পগা, হিদাকফু পিকথ্রবা অমা পায়হুনা, পোংয়োম অমগা বৃন্দাবন চংলিবনি হায়দুনা থোকলকপা উবদা, ভাবক পুন্নমক নোকপদা ফ্রু ফ্রু ওল্লি। বেস প্রাইজগী মনাদি মানা হেক্তা কওঙি। চহি অহুম থংন-থংননা কংই। মহারাজ চুরাচান্দসু লেংসিন্দুনা হেক হেক য়েংঙি। মনা অদু মহারাজনা প্রমোদিনীদা পিবিরম্মী। গৌহাতি ছাত্রীবারীদা লৈরিঙৈদসু চহি অহুম থংননা মহাকনা খ্রীষ্টমাস ফাদর শায়কই।

শোক ১৯৫৯ দনি। U.P.S.C. না কমুনিতি দিভলপমেণ্ট দিপার্ট-মেন্টকী ওফিসার অমা থনগদৌরি হায়দুনা ইন্দালদা ইরাং লাংনৈ। ইন্টর-ভিয়ুদি দিল্লিদা তৌগদবনি। উচিন-নাচিন্না মাগীসু ফোর্ম থাখ্রে। মরু-ওইনা মুপী কেন্দ্রীদেতসিংদি এম. এ, ডাক্তনি। মা মথন্তনি বি, এ, দি থোয়নসু অশা তৌরুদ্রে। ম্নাইবেম্মনা পীবা হিগোক কুম ইচু তাবা অমা অমা সেংলি। মুখরানা লৈবিরকপা থাদি ফুরিৎ অমা লিং, পমসু ভেল-বেংকী অমুবা অমা তোং; ফৈজোম মতুপ অঙৌবা অমা ইন্দুনা ইণ্টরভিয়ু য়াওরুই। পাক হায়দোকতে মমৈদা তারকই, প্রমোদিনীবু থনলকলবা মক্তদা সোমগী সরকারনা 'সোয়দ্রবরা' হায়দুনা হংদোক-হংজিন্দা কুমনা চঙথিবনি। স্কুল সুতি থারগা বেদমিণ্টন সাম্মরিঙৈদা ঙসি থবরগী ইদিটর কৈসাম কুঞ্জবিহারিনা হংলৈ—

"প্রমোদিনী নংবু মীনা বিনোদিনীগা মলাম গম্ভাগদা থানোমদুনা দিল্লিদগী থললপনি হায়নৈনে। ঐগী থবরদা ইগে তৌবনি"।

মতুদা প্রমোদিনীনা অসুম্না খুন্দী—

"ইন্টরভিয়ু অতুদা য়াওরিবা মুপীসিং অতুদি চহিস্থ নহা ভাক্তনি। মখোং মখুং মমাই মমিং অকেবী মচু তৈত্তুনা লাকচরিবনি। এনি তাইম মখোয়দি ময়ুম পানখিবা য়াই। ঐদি চমোংনৈ চহিস্থ ২৯ সুরে। ময়ুমস্ত পানগদৌবা মাপ্রে হায়ত্তুনা ঐবু খলকলিবনি হায়ত্তুনা খরা ইবীখো"।

এ, দি, সি (লন্ডীয়ু, পি) ওইনা শোক ১৯৫৯ দা চংভি। মহাক্কী মনিপুরগী অহানবা মুপী প্রেজেতেদ ক্লাস বান ওফিসারনি।

এ, দি, সি ওইনা মনিপুরগী তম্পাক, চীং-মান শীন থুংনা চংলকই। ভারতকী কাচিন পূমক য়েরুই। মখন মখনগী পুজী থেনেরকই।

মনিপুরগী কাচিন থুংনা চংপদা থেংনরকই, অহল অমা মোয়োন খুন্দা। মোয়োন খুন্গী খুল্লাকপা থামা। মাগী মচাশিং য়োকী থবক তৌই। মতুদগী খভনরকনি তোয়না চংলি। ভ্রং ভ্রং চাকলিবা মৈনাক্তা ফমতুনা থোমানা অজুংগৈ চীং-তম অমতা ওইরিঙৈগী চীং-তমগী অপূনবা বারী কয়া লিবিখি। আলু ইয়োনবদা য়োংচাক অহিংবা সোইজিন্দুনা লোনবা ইয়োনবা পীজরবই। অতুগা হায়— "নঙদি মৈতে ওইজরবনু ঐখোয়গী নিংঙোল্লাকো"। অহল ওইরবা খুল্লাকপা থোমাগী বারীদা তাওথতুনা চংলুই— কাওথোকপিগ্রবা চীংয়া তময়াদা তাতুনা লৈরিবা বারী শিংবুনলক্লা, ছন্দোকপিগ্রবা খুনুং ঈসৈগী সুরদা। চিংদা তমদা চাইতুনা লৈরিবা থায়নগী মনি মুক্তা খোমজিন্নিংলকই বাংগুগী ওজা খোংনাঙ থিতুনা থুরুমজরুই—

"ওজাবু অরাম্বমদা, হামোমদা পংচং মচংই, ঐখোয়দগীনু নোংমত্তা লোংসিনবীরকউবা।"

হৌজিকী মীনা কাওবীগ্রবা লৈবাক অসিগী অশৈবা কয়াগী ঈশৈ ভেপ রেকোর্দদা পোমজিনবা হৌই। মতুনদি ওইবা য়ায়ক্তে। অহল-লমন ময়াম অসি রেকোর্দ লৌবা করমনা কলিকতা তাগ্না পুতুনা চংকনি।

অমাং-অশেং, ওই-রেং ময়াম অমা। মসিদগী থোকলকখি মশাগী ইংখোলদা 'কে,পি, ইন্দিয়ো'। পানথোইবী কলচরেল সেন্টর অমা প্রমোদিনীগী লমজীং মখাদা শেমগংলকই। সেন্টর অসি মশা অহুমনি— ঈশৈগা ড্রামাগা অমা, ফিলম অমসুং রেকোর্দিংনি। ইন্দিয়ো অসিদা অরিবা অমসুং অনৌবা শৈশকতা পুন্না কেসেং কুঞ্জামণ্ডাগী মথ০১ ফোঙখি। মনিপুরগী ঈশৈগী তাইবংদা জোক সিংগর কয়া মশক নাইনা চোংথোকপা উনরকই। অরিবা শৈশকপু নৌথোকহন্দুনা মীয়ামা পামহন্নবগী থোঙজত মায় পাক্লা চঙ-সিনখি। খোঙ্জে'গী মণ্ডলানসু খুরুপ থাখি। অতুডৈগী কাওবীপ্রবা হুংশি বারীশিংদা, হৈয়োন-লৈয়োনগী সুরদা, পেনাগী শৈহেক্তা শৈরেং লাইরিক মরি পুথোরকই, ফিল্ম স্ক্রিপ্ট অমগা। তশেংনমক খুরুপ থাদুনা থৌবনি। লাইরিক মণ্ডা অসি শোক ১৯৮০ দগী ১৯৮৪ দা লোয়না ফোঙই। মনিপুরগী ফিলম মুভমেন্টতা শরুক য়ারকই 'লাংলেন থাদোয়' ফিচর ফিলম ওইনা পুথোকই। মতুসু শোক ১৯৮৩ দা।

শোক ১৯৮৬ তা সরকারগী থবক্তগী পোংথারে। থরায়না পামজবা সাহিত্য অমসুং কলাগী মায়কৈদা মপুঙ ফানা মায় ওনসিল্লক্রে। রাইশংনা মথন্তা তুন্মীন্না ফমথতুনা ইবা হৌই। হন্দক্কী খোংজত অসি মনিপুরী সাহিত্যদা মশিং লিক্লা লৈবা লিলাগী সাহিত্যদনি। থবক্তগী পোংথাবা চহি নিপানগী মমুংদা লাইরিক তরানিথোই ফোঙই। লাইরিকশিং অসিগী মমুংদা তরেং অমদি লিলানি। 'কবোক ওইপ্রবী কবোকলৈ' অমসুং 'মমাদো লৈশাবীদো অঙাওবীদো' হায়বা লিলা অনি অসি মায় পাক্লা এন, দি, ইউগী থৌজদা শান্নপ্রে

থম্মোয়গী লায়না অমা লৈবদগী শোক ১৯৮৮ দা দিল্লিদা থম্মোয় ওপ-রেসন তৌখি। মেজোর ওপরেসননি। থম্মোয়গী অনাবা অতুদ ফপ্রে অঙ্গুবু য়েংথবা খুং অতুদি শিথরে। কলম পায়বদি ঙম্মী, ইবদি ঙমদে।

খুং ওইনা খুং য়েক্তা পাযশিন্দুনা বেলেজ শেমলগা ইনথুনা ইবা তাই। মতৌ অসুম্না অইবী অসিনা লেপপা লৈতনা ইথরক্লি।

অথেঙবদা যান্না থবায যাওনা ইরকপদি লমকোয় রারীনি। লমকোই রারী য়াম্না তাঙবা মনিপুরী সাহিত্যাদা প্রমোদিনীনা লমকোই রারী লাইরিক অনি দান তৌরে। 'ইকি সাদকী কুলি মুপী' অমসুং 'তোবুং'গী তেরা পাম্বীদা শংপা মৈবুল' অসিনি। প্রমোদিনিগী লমকোই রারীশিং অসি অইবীনা থেংনবকপা অইবীগী পম্মোযগী তম্বা মুংগোযগী, অনৌবা লমদমগী মপাও নত্রে। মুংগাযবা কাংবনা পুংমুংদা মুংগাযবা, তম্বাবা কাঙবুনা পংবাদা রারা লমদম অসিগী শোযরবা সিস্তেম অসি ঐথোযগী মাংদা লানথোরকপনি

প্রমোদিনীগী রারী অমদি লিলাগী মকুওইবা হিরমদি চহি যাং নৌবিরী মুপীমচা অমনা থেংনরিবা শারুরিবা পুক্নী লানফম অসিনি। মুপীমচাশিং অসি সমাজগী হন্থবা থাক্তা লৈবা অমদি মমা মপা অনিমক শিথিবা নত্রগা খাযনদিগী মমা রাংপা মপা অমগী মুংশিবা ডাকপীবা যংত্রবী মুপীনচা শাগনি। মহাক্না সাহিত্যগী মুপী চরিত্রশিং অসিগী লানথেংদি মুংশিবা অমগীদমক নত্তে, পুক্নী অসিগীনি। মইবা অসিনা রাবেং, শৈরেং, লিলা, নাবেল পন্না লাইরিক বুক ফেঙলে মহাক্না অসিগুম্বা সাহিত্যগী দান অসিগীদমক মনিপুরী সাহিত্য পরিষদনা মাগোন্দা 'সাহিত্য ভূষন' হাযবা উপাধি শোক ১৯৯৪ দা পীদুনা মহাকপু ইকাইখুম্নবা উৎখি।

শোক ১৯৯৫ দনি। প্রমোদিনানা 'নহারোল সাহিত্য প্রেমী সমিতি'গী প্রাসদেন্টতা লুপা শিংশিং তবাথক ৗবগা হাযজৈ—

'সাহিত্যগী মনা তংগ থর্ব্য। করম্বা মংংপা পিগদগে হায়বত্থুদি নথোযনা ফগদবা ত হুম তৌগ্রো। অদুগনে মনা অদু মুপীদা পীযুবো, মুপী নহারোল অইবীদা'।

প্রমোদিনীনা পিক্লিডৈদা লৌখিবা বারেপ হোংখিদে। মচানিপা পোক্তবী অহল ওইরবী মমাবু থাদোক্লুনা মহাক কনাদস্থ লুহোংখিদে।

হৌজিক বাকচিং ওইবনা অহলগা ওইশিল্লকপগা ইংমন্দুনা ইবা ওমদ্রে। কনাগুম্বনা নিংথমথাগী ইংনবা তেল্লবা অয়ুক মুংথিলশিং মুখশা য়াইহুনা মৈ য়াইহুনা চুমা লেল্লিবোই নিংগনি। ফাইরেন হেক য়োবগা লমকোই বারী অমা ইননবগী বাখল মিরাং লোনবা লোইরে। চহি ছক্ষ্তরা মুরবী অইবা অসিনা খুৎকী ফিভম অসিগা হনবা নাইদ্রবা থৌনাদা মথন্তা তুম্মৌন্না বাকচিংগী উনথা শিংনহুনা ফাইরেন থা ঙাইরি।

১৯৯৫।

নহা ওইরিবী মাজিসত্রেদ অমনা

খংহৌদনা শিখ্রবদা

'মাধবী সিরে, অঙাং উনবদ ওক্টরমাল্লে, চুরাচান্দপুর হোসপিতাল-দনি, মতিক চাব দাকতর ফংদবদগীনি' পাও হেক তাবদ থম্মোয়দ থুক লাওবা অমা পোকখি। অঙাং অমা উনবগী অৱাবা অদু নানথোকপা ঙমদনা সিরবজাংলা মওন মওন খনখি। অসুমনা খললুরিবসিনা করিগীনো, পীকলব চাংলৈবাক অসিগী ময়াইদ লৈরিব ইম্ফাল সহর মচা অসিমতনি হিদাক লাংথক, দাকতর নিংথিনা ফংলিব থক্তিকতং হায়থখিবদ লম্বীদগী থোংদগী খুদিংমক খুদোংচাদবগী চাদবমকতনি। অসিগুম্ব ফিভম অসিদ মুপী কয়া, অঙাং কয়া, নহা ওইরিব অসা কয়া লৈরিব মীওই কয়া সিগ্রবনি, করি খললুদে কনান করি খনবীরুনি মরাইবকী নত্রা—। মাধবীদি মাসিত্রেদনি অহানবা নুপী উকিলনি। অচম্ব মুপী নত্তে মসিগীরা থম্মোয়দ চৈনাখোল অম পোকলিবসি? অতুবু অচৌববু ওইরে অপিকপবু ওইরে মুপী ওইন পোকলবনিন মুপীগী অৱাব পুম্ব নানথোকপ ঙম্ব নত্তে।

ওকতোবর ইস্নুগীদমক 'মচা লৈম'গী প্রোফাইল কলমদ মাধবী ইব হায়ন ইদিতোরিয়েল বোর্দ'ন লেপনবগী মতুংইন্ন ইদিতরগ ঐহাক লোয়ননা লৈখিদ্রবী ইবেম্ম অসিগী ইবুংঙো তোংব্রম গগনচন্দ্র এদভোকেত উন্ননবগীদমক চংলে। ঐখোয়ন লাকপগী মরম অদু খংলব মতুংদ গগনচন্দ্রন হায় '··· মহাকতি ইচম চম্বী মুপীনি, করিগুম্ব অচৌব থবক অম পাং-থোকলমবগী রা লৈতে···" মহাকন অহানব মুপী উকিল অমদি জডজ ওইরম্ব অতুদি ফিভমন ওইহনখিবনি ··।" মাধবীন রেদিওদ ভাংথিবগী অইব চে অমগ চাংগদবগী ইরম্ব অমগ পুথোকলগ পিয়কই মসিগ লোয়নন মহাক্কী লনাইগী ওইব ফাইল খরগ, খোমজিনব খবর খরগম্ব য়েংললকই।

Thuthang News হায়ব চুরাচান্দপুরগী মুংতিগী খবর অদুগী জুলাই deep sorrow over ২৩,১৯৮৩ ইংগী চেকোংদ ইরম্মী···· Thutha ng News expressed the untimely death of an extraordinary Judge in the person of Mrs. Madhabi Devi who possessed excellent qualities of a judge—high morality, free from temptation, free from influences, independent opinion she was equipped with such armours of a good judge, maybe she was a lone judge, who possessed such high qualities in Manipur .

মাধবীগী লনাইগী ওইব ফাইল থর থেংনবদগী খাঙকই মহাক ময়াই ওইন ফর চাতিনা L. L. B. দদ বাস এাসত পাস তৌখি। চহী মঙা উকিল অম ওইন প্রাকতিস তৌরমলগা সে ক ১৯৭৫ দ লুহোংঙী। মচা মুপা চাং ৭ মুরব অমগ অহুমমুক মুরব অমং ছন্দোকলক্ষী। মসাগী চহি কুনথ্রাতরেং শুগ্রে।

মাধবীন লুহোংদ্রিংঙৈ মমাংদগী হৌন লুন নকন তিন্নজরকপী মনেন পোকপী মেমচৌবীন হায় 'ইচেমচৌদি, মখোয়ন মাবু 'ইচেমচৌ' হায়ন কৌই। মুপীমচাগী কিগনব পাংদব থবক অমত তৌবদ নিংজিং মাংজিং-নগনব অদু উব ফঙখিদে। বা ওাংবদসু লোথুং পোকোয় লৈতন অহল হায়ব লৈতে অঙাং হায়ব লৈতে মান হায়গদব হায়ফম থোকপগুদি চুমত্রিং েকত হাবদোকপ ঙমই। চেকসিলনি, মীতেক মীয়ৌ খঙই, মফম মতম তানজা ফিফমগী মতুংইন্ন চংপা অঙকপ ফংন হৈ। মঙোনদ য়াওব ময়ামদগী মান হেনবসি মচিন মথা য়ান্না নুংসিব, মী য়াম্ন খোনব অমদি মীনুংসি চাওবসিনি। মথৌনা অসুক্কী মতিক কৈ, লম ফন য়াম্ন লাপ্ন ত্রেনব তোংলবনু প্লেনদবু চংলবসু মহাকপু য়াওরবদি ঐখোয়ন কনাবুসু কিব লৈতে, মা অসুক্কী থাজনিঙাইসু ওইব মরুপনি'।

মাধবীগ হেক থংনন পোকমীন্নবী মনাওন্নুগী দা: বিনান হায়. 'ঐখোয়গী ইচেমচৌদি ঐখোয়ন মুপীনি হায়ন খনব ওমদে, চিন্নব মতম লুরব মতাং কয়া মান থোকপ উপায় অম হেকত তৌব ওমই। অদুগ চুমবু চুম্নবদি লানবু লানত্রবদি কনা কৈদৌনন্ননি হায়ব অম হেকত হায়, মান কিব কনাস্নু লৈতে'।

"মাধবীন অচুম্নগীদমক কনাবুস্নু কিদবা অম ওইন অদুগ সেনজা থুমজা য়াদবা অম ওইন করি থৌদোক লৈখিবগে?"

'বাকম অসিগা মরি লৈনন দিপুতি সিঃ এম তোমপোকক "ইচেমচৌগগী মরক্তা কেস অমা লৈখি। বাকমসি ঐদি মুন্ন খঙদে— মাদি ঐখোয়গী পাবুংগ য়াম্ন মান্নৈ মাগী ওফিসকী থবককা মরি লৈনব বাকম অমত অমদ তমদে, মাগী বাধলন অদুম তুমীনন মান থোকপ অম হেকত তৌখি।

' মহাক লৈখিদবগী মওংসি মান পংহায় হায়নৈ— গাইনিকোলোজিস য়াওদে কনান হায় মেদিকেল কেসনি হায়রত এতেকনি মসিগী মরমদি অদোমস্নু দাকতর অম ওইন করি খংবিবগে?" বাহং অসিগী পাওথুম দাকতর বিনান ময়েক সেংন খুম্ন ওমখিদে। মসিগী মরম কয়ামুক লৈ, মসামক দাকতর ওইরবস্নু অঙাং অম পোকখিবগী ঈ নৌরিবী ওইন অদুগ 'থৌদোক' অদু থোককনি হায়বস্নু থাজরুদবন মচেগী অনাব য়েংহৌদে; সিন্নব মতুংদ পোষ্ট মোরতেম তৌহৌদে· পেনদব কয়া মুক লৈরবস্নু করিগুম্ব বা অমত হায়ব ওমনবগী পাঙ্গল লৈহনখিদে। পাও ওইন তাখি— 'থা মগী অঙাং অমা miscarriage মতুংদ DMC Operation তৌখি হোসপিতাল অদুদ গাইনিকোনোজিস দাকতর অমত লৈতে। Operation লোয়রব মতুংদ অনাব অদু মখোংন অদুম Operation theater দগী ইকন কননা থোরকখি। ঈ হাথবগী মওংদি উখিদে অদুবু ঈ লিকলি খর কাপখি। মসিগী মতুংদ বিঃ পিঃ খর বাংখৎলকই।

অঙাং অদু পোকখোকপ্রবস্তু পুক্কী শরুক অদুদি মী য়োনবগী থা স্নুরবী মমা অমগুমন কণ্ডখৎতুন লৈখি।' মসি দিঃ এমঃ সিঃ ওপরেসন তৌব অদুদ অঙাং খাওগী মচিনদ তৎপ য়াওদুনা অংাংগাও মনুংদ ঈ হাযব ওইরমবস্তু য়াই অমদি মতুন মরম ওইদুনা ইহিং 'হংন ইকন কনন খণ্ডদৌদন সিব ওইরম্বস্তু য়াই। মেদিকেল কেসত হায়ত এতেক তৌদুনা সিবনি হায়বসিগী মতাংদ মাধবীগী হেলথকী চিসতোবিদ কনানস্থ থেংনখিদে

খাগেমপল্লি মচিন্দনি, ঐন হংই 'এসঃ পিঃ ওইরম্ব লাইস্রম গোপালগী য়ুম খংবীবর' ইনক নকন লৈরম্মী। গেত অদু শাংদোবতুন য়েংবদ—মতম অমদ পুলিসকী অচৌব ওফিসার ওইরমবগী থোংগানদ মথক কুপপ গার্দ লেপফম অদুগ মঙ্গোন্দ পুন্দুন থমলিব হুই অদু নত্তুন অতৈ থোইন হংগোয়নিংঙাই ওইবা অমত লৈরমদে স্নুমাংগী ইংখোলদ মরেপ রাংব কুচু ঙৌব মাইথোংদ ইংব চীংলেমবগী মমি নিংথিন তাব অহন অম লেপতুন লৈরমবদু উবদ পাবুং গোপালনি হায়বসি ইতোমত অদুম খণ্ডজরে। মাঙ্গোন াসরি কাখৎফমদ লৈব লেতর বোকস অদুদ ইংলিশন থারম্মী: Shree L. Gopal S.P. (Retd) ইচম চমন কেরব তথেললৈ লৈনম চুরবা মী ফমফম কা অদুদ থম্মোয় সোকলব অহল অদুদগী ঐনা তাবা ফংখি, …

ঐগী ইচাদো অয়ো হায়বস্থ তাহৌদে, হোয় মায় কবিস্তু হায়নহৌদে ·· মখোয়নদি ফরে তুমননবনি হায়দুনা মোরফিন কাপসিনবীগ্রে··· ঐগুস্থ লেমেন অমন মখোয় ডাক্তরন তৌরিব অদুদ কাম্ন হায়রুনি ঐগীদি ইচা নুপী য়াম্মী তরেৎনি নিপান অনিদনি অদুবু নিপা হায়ব লৈতে নুপী হায়ব লৈতে মখোয় মখোয়ন পাম্ব লম্বীদুদ ঐন কম্রিস্থ অথিংব অংানব য়াওদন থাদোকপনি। মখোয় পামদব য়ানিংদব তৌবা অমত্ত য়াওদে··· লোইনমক কৈ······ঐন মতম সাংন সরকারগী থবক তৌরকপদ অমোংপ হুরানব চুমদব সেনজ থুমজাগী থবক অমত তৌরকখিদে ·· মসিন মরম ওইন ঐগী সার্ভিসকী পুন্সীদ অবাব থুদোংথব কয়া নংলকখি··· ঐগী মথকথংব পূমনমক

ঐবু কৈ হায়রবসু ঐবুদি মখোয়ন পামদি পামদবনি··· · অসুমন অসেংব ইরনন য়োকচব সেমজবন ইচা পুমনমক ফরিবনি হায়তুন পুকনিংদ চাও-থোকচরিবনি··· অদুবু ঐচাদো ···সিব নাব হায়বসি হৌনবনি······য়াম্ন পেলহৌদে··· " মাধবীন ওথ কমিসনার (oath commissioner) ওইরিবৈগী থারী অম তাব ফঙলকখি—নুপী চেনবগী কেস কয়াদ অঙিং অথেংব নাতৈ চাদব মতমদ মাধবীনু থিব কয়া লাকখি। লাকলিব পুম্নমক মাধবীগ থংন চান্নব মরুপ মপাং অমগ লোয়নন লাকলিবনি থাসক লৌবগী পিরমফম থোকপ পৈসাদি স্বপনতগী পৈসা য়াংখৈ (৫০) লাকলিবসিংতুন পৈ-সাদি হেন্ন হেন্ন পীরম্নব হোৎনবা ঙাকতনি। অদুবু মাধবীন লৌফম থোকপ পৈসা য়াংখৈতুদগী হেন্ন লৌথিদে, অথেংবদ নাতৈ চাদব মতাংদ হৌদোকলৈ হায়তুন কনাদসু থারৌব উৎথিদে, মসামক চা লোন্দুন চানব সেম সাদুন পীজখি। ইমুংগী মীন ফাগী ঙৌই নংগী মথায়সিদি চাগী মমলফাও কোননদ্রে' মাধবীন নোকই 'কোন্নদসনু'। মী অমগী লমচৎ থাখল ফিরেপ অম সাগৎলকপ মতমদ মী মী অদুগী ইমুং মনুং মমা মপা ওইরিবগী থাখল লোনচৎ হায়বসি য়াম্ন মক ওই হায়বসি অচুম্বনি। ঙসিগী সেনজা থুমজা হুধান-চিনথিবনাচংব অরানব কয়া তৌবদ ইকায়নদ্রব অচৌব ফমনাইবগী নুপীসিংন পৈসা চাবদা য়েংথংব পাম্মোম ওইরব মতমসিদ মাধবীন সেনজা থুমজা অমোংপগী থবকত য়াওরমদব অসি তশেংনমকতি মাগী ইমুং মনুংগী চায়োক নাওয়োক অসিননি।

অহনবেম নিলমনি এদভোকেতকী সংগোয় মথক্তাদ লৈব মাগী কাদ ইতোমত তুম্মিনন ফমী। মাগীদ প্রাকতিস তৌব উকিলসিং মথং মথং থুং-লরে। অহানবদ থুংলরে ঙোজেন। মহাক ঐন কোলেজ তমলিঙৈদ খঙনথিবনি। সুত্তি সুমিৎ ওইবন নিলমনি পুং নিপাল মথায় থর হেনব অদুদ থোরকলে। হোলেনন ঐবু সক তাকপিরে। ঐন হংই: লৈথিদ্রবী

ইচেমা মাধবীহ্ন পাবুংগী মথাদ প্রাকতিস তৌরম্বী হায়ন তাজে। ইচেম্মহ্ন উকিল অম ওইন করি থওবীবগে ?"

ঐগী য়াহংগী পাওখুম ওইন নিংমনিন হয়াও হয়াও খুম্বা-রকই: "মাধবীহ্ন অচুম্ব পাম্বী মথোনা লৈবা হোৎনবম্ম য়াম্ম কনবী নুপীনি। ঙসি ফাওবদ মাগুম্ব নুপী উকিল, জজ অমত ঐ থেংনদ্রি। মহা অম ওইন মহাক কেস খ্বাযদগী হৈন্ন য়ামন মুবী নুপীনি, কেসম্ম অমত্ত মায়থিদ্রিদে। ইংলিস প্রনননসিযেসন অঙকপ থংন মম্নিক চুম্মী। মহাক মপুকচেল সেংব বা ঙাংবদা খোনজেন থোংপ অর্মাদ ফন সাওনিংব মুংঙায়-তব লৈববম্ম মীঙোন্দ উহনদব, অথিব য়াহৈ সিজিন্নদব নুপীনি...।"

চুবাচন্দপুর হোসপিতালদ গাইনিকোলোজিস অমত লৈতে হায়বসিবু করিগীনো—ঐখোয়গী লৈবাক অসিনদি লায়বব লৈবাকনিন দাকতর কোনদদন তৌরিবা জাংলা মওন মওন থললুই। অহুবু ঐখোয়গী লৈকাযদ লৈব দাকতব অমদ হংলুবদদি ঐন থললুবিব ঙসিদি ওন্ন তৈনরমলে। ভারতকী ওইন লাকদৌরিব লোক ১০০০ গী মেদিকেল প্রোগ্রামদ মী লিসিং অমগী দাকতর অমনি. অতুগ হোসপিতালগী ফমুং চামগীন দাকতর অমনি। ঐখোযগী ইম্ফালগী District Hospital অসিদন ফমুং চান্দা লৈবদ দাকতর যাংথৈ লৈ। চাওখংপগী পন্দোল লোম্নলব ইউ এস: এ: ফওবদ Specialist অমন ফমুং কুন ফঙব হাযবসি অতাংবনি, ফংনদে। ঐখোয়গী ইম্ফালগী অসিদন Specialist অমন ফমুং যামলবদ মরি ফংই। হোস-পিতাল অসিদ Specialist Doctor কুনহুমদোই লৈ, Non-Specia-list ন কুমমরি লৈ। ইম্ফালগী নংতব অতৈ District Hospital সিং অসিস্ত ফমুং চাম্ম লৈব ঙাকতনি। মফমসিং অসিদ Specialist অসি থাদোকথিবগী মহুংত ইম্ফালদ থোমজিন্দুন লৈরীবসি মরম চাদে। ইম্ফাল-গীদি আর: এম: সি: গী হোসপিতালস্তু ইচাং তাওন লৈরিবনি। লৈঙাকপ মপুসিংসিন মনিপুর হায়রগ ইম্ফাল মচেং অসিতমক উরিব জাংলা। অতুগ

সেল পায়বা মরুপ মপাং কব দাকতর কযান মপুন্সীগী চীংগ অমুকত তারু-দন লৈব মাওক্সি অতুগ দাকতর কয়ান থবক। হক হৌখিবদগী হৌন চহি কয়া চীংদ অতুম থম্বীবস্থ য়াওরি, মসিন কবিনো।

Deserted and Divorced হায়ব বুকম অসিদ মাধবীন রেদ্দিওদ ওাংখিব চে অতু ঐন তুর্মীয় য়েংলগী। '. the Indian women have a large share in bringing about a reformation it is still a man's world...the legal remedy a grace granted by men to their women The challenge is tough and the prospect is bright The challenge is tough the challange is tough ম াক লানহৌবী অমরা—ভাইবং মীওইবনা থাগী লৈমাইদ খোংদোতুন, লম থুদিংমকত নুপী মুপা লেংথোংমামন নোম্মান-তুন চাওখৎপগী লমবীদ খোংজেল যা'ন চেনসিনথ্রব মতম ওইজরবস্থ ঐখোযগী ভাপিকপা লৈবাক অসিদদি নুপীন লাইবিক ফন য়ামন লৈজরবস্থ পৈসা ফন থোক্লবস্থ অতুমক ম গী নিপাগী অমদি নিপা মথুমগী অহল লমন-সিংগী অ নংবা অপ স্বগী যা শা তাযদুনা লৈব তাবগী ফিভম অসিগী মায়-যোকত অমদি ঐখোযগী থুন্নাই অসিগী সোৎথহৌরবা মীন থুদোক্চোক লৌবী-শ্রবী মরাইবক থি হাববী নুপীসিংগীদমক মহাক কনা কীদন অথিংব অপনব পুন্নমক্কী ম য়থো ক চং খিবি রা? নত্তে মহাক্কি লানহৌবী নত্তে, মহাকতি ফিজ্জেলগী, চংনবী থাজনবা ফজব, হিন্দু ধর্মগী মাংয়েং মতুংইন্ন সাগৎপ্রব ঐখোয়গী মরাই থংবা থাককি মীওইসিং, মথোয়ন লেপ্লিব চৎনলোন অসিগী মনুংদা পুথোক্কপী শ্বায়দগী ফবী নুপীনি, খ্বাইদগী হেন্ন মপুং ফাবী নুপী অতু গ্রহাকনি, মাধবীনি।—

অতুদ্দি ফজিমীনো অমুক কজন সাংপ লৈ অসিগী অহানব সাংকায়রকপদ ভায়রিব মলক অতুঙেংজবগী অপেনবা পুংভায়ব অতু গৌরকপদ ভাযরিভৈদ কয়িগী কেনতুন মাঙখিব ভাবনো। মরাইবক্মনি হায়বগিরা। করিগুম্ব লৈ নত্রগ পাম্বী

অমন লৈহাও য়াম্না ফব মফমদবু ওইরবস্ মপাল মঙ চুমন নিংথিন হৌগৎ-চরকপ মতমদ অকোয়বদ নমথি-হুঙায় মহিক-মতাংন পিক থম্ন লৈব মফম ওইরমলবদি তিম্ন চিকতুন মহিকন চাত্তুন মপুং মতম চাদন কেনখিব হায়বসি লৈ অত্তুগী পাম্বী অত্তুগী সোয়দন তমলমলব লাইবক ওইফম থোকচবরা ? মাধবীন মমিং মনা সিংবী মুপী অম ওইন মাগী অকোয়বগী ফিভম অসি খঙ-লমবরা— ঐখোয়গী লাইবক থিব অমন লৈবাক অসিদ হোরেন চাবগী হয়েংগী চারাগীদমক য়ানিংঙাই লৈতব, ফমত্তুন পোথাত্তুন, ইত্তুন, পাত্তুন লেম্ন-নবগী মতম মরাং কায়ন লৈব কাংবুন লৈবাক অসিগী ওইরিব ফিভম অসি কয়া খঙগন উগনদে, ঐখোয়গী অচমব মীওইশিংগী অরা মুংঙায়গ কয়া ফাওনদে। পুমনমক অসি মাধবীগী মতাংদসু থোকতব নত্তে। অত্তুম ওই-নমক মহাক উকিল অম ওইন জডজ অম ওইন লোগী মতাংদ মুপীশিংন সোংথহৌরিব অসিদি খংলম্মী। ওফিস কাতুনা নপান থোকতুন থবক তৌবী মুপী অম ওইন ওফিস কাবী য়ুমগী মৌ অমগী অবাবত্তু মহাক উরম্মী Legal Status of Indian women হাইব হিরম অত্তুদ মহাক্ন ইরমমী a woman who works in the office, returing home is awaited by crying babies to appear, dirty dishes to wash···you can easily enrage a man by calling him a househusband.

অত্তুবু য়াহং অমদি লৈরি—কুনস্তুব সতাবদি লোইরমদায় অমদি ওইরিব লৈবাক অসিগী ফিভম ঐখোয়গী মীয়ামন থেংনরিব হেন্না চাওব মরুওইব য়াকন অত্তু করিনো ? য়াহং অসি মাধবীন হংলমগদবা—মহাক মশামকনা মত্তু হংঙমদব য়াই, মত্তুগী মতম, ফিভম অত্তু লৈরমদব য়াই, অত্তুম ওইনমক মাধবীগুম্বা ঐখোয়গী খুন্নাই অসিগী খ্বায়দগী অন্নাংব থাকত লৈবী মুপী অমদ ঐখোয়গী খুন্নাইগী খ্বাইদগী হনথব থাকত লৈঙ্গব অচম্বা মুপী কয়াগী মরাইবকতদি হনজিন হনজিন থোকঙ্গব থোদোক অত্তু থোকপ্নে! মসিনা

ইম্ফাল স'ম্ন, অবাংব এন্থুকেসন ফণ্ডলব কলচর তৌত্তন নুংঙায়ন লৈব কাণ্ডবুদ পাওখোং চনলমদ্রা ? মাগী লাইবক খিরবা মীসী তসিন কনানস্থ তাবীখিদ্রবা চীংগী চমু কয়াগী লিখিদ্রবা বারীগী খোম্বাং অম ঐখোয়গী থম্মোয়দ য়ৈহল্লমদরা ?

লোংজম চন্নু তোম্বী

শোক ১৯৮৯। ঐনা নোংমা অবোকয়াইমদা হায়—

"হন্দক্কী মচা লৈমদা অবোকয়াইমা ওইনা ইবা লেপনরে"। ঙহাক্তং তুমীম্না লৈ অদুগা তপ্না খুমলকই— 'য়ানি, ঐ ওইনা ইরগা পুরক্কে'।

মানা হায়রিবা বাক্তদা ঙকচাননা ঐ লৈহৌই। মাগী থোয়ামদুগা করমকান্দবু ইদৌরিনো, হন্দকী ইস্থ অসি থেংদুনা তোকলরনি! ইথা থাজদনা চে চবুন অমা পুরক্কুনা পীরে। অদুগা হায়রম্মা—

'ঐনা ইবা মমায়দুদগী নঙনা ফনবা শেম্মু' মঙোন্দা অমুক হংদোক হংজিন তৌরগা প্রোফাইলত্থ অস্তন্না ফোঙথি।

ইংশোক ১৯২৪ দা এলাংবম লৈকাইদা ঐ, লোংজম চন্নু তোম্বী পোকই। অপোকপগী মীংন অমুজাও কৌই। অপোকপীগী মীংনা কৈসাম চন্নু অহনবী কৌই। ইমাত্থ কৈসামপাৎ কৈসাম লৈকাইদা পোকপনি। অমুজাও অসি মতম অদুগী সবকারগী থবক তৌবা হায়ক্কেং মমিং চৎপা মুপা অমা ওইরমই। মীতৈ খুন্নাইদা মীতৈ মুপানা ফনা য়াম্না লিংবা থবক তৌদুনস্তু মুপীনা তখায় অমা শরুক য়াবা হায়বসি শোয়দবনি মরম অদুনা অহনবী অসি খ্বাইরগন্দ কৈথেলদা ফাগোন (খুদৈ) য়োন্দুনা ইমুং মনুং পুবদা শরুক য়ারম্মী। নুমিৎ খুদিংগী নুংথিলদা কৈথেল হেক হেক কায়।

ঐহাক অসি মচিল মনাও নিপাল পোকপগী মনুংদা ৪(মরি) শুবা অঙাংনি ইচিল ইনাও ৮ অসিগী মনুংদা নুপীনা মঙানি মুপানা অহুমনি। ইচে অনি ইবুং অমা লৈ ইথাদা ইপৌবা অমনি ইনাও মুপী অনি লৈ। ঐহাক্না চহী মঙা শুবা মতমদা মোইরাংথোম স্কুলদা অহানবা লাইরিক তম্বা চৎলি। মতম অদুদা

ওজা রজনী অমসুং ওজা কমলিনা আনিনা মোইরাংখোম স্কুলদা ওজা ওইরম্মী। মথংদা বাহেংবম লৈকাযদা কোইজম অমুবীগীদা লিংখৎপা নুপা মচাগী স্কুল অদুদা অহুমশুবদা মীং চাল্লি। মতম অদুগী মুখ্যনা লাইব্রিক তৌবা চংশিননদে। ঐনা লাইব্রিক তৌবা চংলমদাসু অদুদা চত্তনবা হায়দুনা হয়মানা ফৌ শু হাযদুনা ফৌ পুথোকই। অদুবু ফৌ অদু য়াম্না থুনা শুদোক্লগা ইমা উহন্দনা লে মা লাইব্রিক পুদুনা স্কুল তাল্লা চেল্লি। ঐনা স্কুল কুমলকপা মতমদা মানা কৈথেল কারকপগা লপাদা হেক হেক থেংনৈ। এনা মাবু উদনবা হাযদুনা চংশিন্নরিবা ইমাম্বগী মরুমদা হেক হেক লুমদুনা চংলি। মানা কৈথেল কুম্লকপা মতমদনা ঐনা ফমুংদা তুমদুনা লৈরে। মতম অদুগী মচাসুপ। পোকপদাগী কযামুক লুনা তৌবগে হাযববু মচা নুপাগী-দমক্তদি যুমদা প্রাইভেৎ ওঝা থমদুনা খুমিং খুদিংগী লাইব্রিক তাকহল্লি। ওজা অদুনা হবুংদা ত কপা পাৱা অদু তাবদা ঐনা অদুকী মতিক লাইব্রিক অসি তম্মনিংবনা থাংফম খড়দে। ইবুংদা প্রাইভেৎ ওজানা তাকপা The deer, the jackal and the crow হাযবা পাবা অদু তাবদা ঐনা খনখি 'মসিগী পাৱা অসি ঐগী অমুসুং ওইবা ওয়াবাদ' পুক্নিংদা লাংতক্লবা পোক্লমই। ঐনা মতম লৈবা খিবিক্লা তুমই খড়দে, চাই খড়দে, খোং হাম্বা ফাওবদা ঐগী পাৱা অদু চিনফা হায়দুনা চংলগা হেক কাওবা মতমদা থোরক্লগা লাইব্রিক ফাকহনা হক্তা য়েংই। অসুম তৌদুনা চহিদুগী অরোয়বা পরিক্ষা মতম যৌবকলে লাইগী নোংদমদগী অহুমশুবা ক্লাস থ্রি কাবদা মকোক ওইরক্লে। পরিক্ষা মকোক ওইবদগী ইমা অমসুং ইপানা ঐবু লাইব্রিক তমহল্লে। তন্থাম্না গাল'স হাযস্কুলদা তমদুনা ক্লাস সিক্স কাবদগী ঐগী ইচে অহলগী মযুমদা শগোলবন্দ লৈবা তারম্মী ক্লাস নাইন থাক্নমদাইদা যুমদা অমুক লাকলম্মী। মতম অদুদা ছাত্রগী "ওরগেনাইজেসন ষ্টুদেন্ট ফেদেরেসন" দা মিং চন্দুনা ষ্টুদেন্ট ফেদেরেসন যাওরম্মী। মতম অদুদা কৈশামপাও থোচোম ওজা মধুগী মমাঙ শঙ্গোইদা ফাষ্ট এদ

ট্রেনিং তৌরম্মী। ট্রেনিং অদুদা য়াওরম্মী। মতম অদুদা তফাম্নাগী ক্লাস নাইনগী ছাত্রিনি। মতম অদুদা জালি মেমগীদা, ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল ওফিসনা লৈরীবা মফম অসিদা কোনগী ফি শাবা তগ চৎলম্মী। মতম অদুদা পৌট লুম হায়না কৌবা লৈবাক্তা য়ানা মখোং মরি য়ুংলগা লৈবাক তৌথোরগগা খোং য়াম্বা য়োংথম অদুদা ফি শারম্মী। মতুদা পাল্লি নায়না ফি শাবা চৎলি।

অদুম্মা তৌনবিউদা নোংমা লৈকায় অদুদা লৈবী মাইবী লাইনৌ পাবী প্রমথক্না অপাবীবু উবদা ফাওরকখি।

"...... নিংগোলগী মচানুপী, লৈবাক্কী লৈমবেন, ওইগদবী, অমনা ফানেক অদু শেংলরগনি নুপী মতুদী য়েং থংবা চুবাদা শমক্র অনা পুং নি"

মাবাগী মফমদা অঙকপা, ভবোনবা পাওথোং ওইখি। কেনভাস শেমদুনা 'শাচং-ভাচং' যেকগা হৌখি। ১৯৯০ দা পুথোবই।

লোংমদি নৈনা কৈশামপাৎতা লৈবা আর্ট সোসাইটিগী ওফিসতা চংলে, মাগী 'শাচং-ভাচং' য়েংলনবা।

মসিদি মডেল অনান, অচৌবা মচ তমা? অচৌবা মডদি আর্টিসতনা মডলনি কংনা শানা নাকফেং তৌনা লেপলি। তামনা উরিবা কংলাগী চেকপলশু ইংনা লৈতানা লৈবি ইমাগী মশন ওইবা শাচং-ভাচংকী যনেকনা থাকন ওইনা মথক্তা শন্দোকনা লৈরে। মৈতৈদি মমা নিংবা পাংবনি। মনা খড়লগা মপা হায়বদু খঙলিবনি। শা-লান চঙবদা মমাগী ফনেকনা ফুরিৎ তুবগা লিংলিবা কাংবনি। লৈমবেন অমদি পাখংবা মমা মচাগী খুদংথেন্দুনা লৈবে। মখাদা লেপলি — নমদা মচা পোবী, কংনা শাদগীসু, কলাগী চেকপলদগীসু তেন্না রাংনা, থোয়না —

ঙকশমদা কিয়াং লিকফাং
খাংদা সনা ফিগে খাংচেৎনহুনা
নোংমদোন অভিয়া পাক্লা বাংনা,
কনানা হায়রিবনো ইমা
লাইরবীনি .... ।

———————— —

মনিমচা করুতান

শোক ১৯১৯ দিসেম্বর ২৮, সগোলসেল খুনিংতা হাপ্পা পাবনা ওপান নিংথৌল থোকচোম এবা মনিমচা, চিংমখোং লাইকম খুনৌদা পাম্পা নমা ইবেম্মা লুকমানগী পোক্কপা গুনানজাৎ ঈশৈ জগোয়গী ওজা। মইনা লৈবাক্তা শকখংবাখিবা মাওঙনি। মনিমচানা মা শুম হায়দুনপদা নমা ইবেম্মা লৈখিদে লুকমনিগী মচে লৈরিক্কা মনিমচাবু চাই নিপান চপ্পা কোনবারকই। অসিগী তুংদা মপা ইবুংঙো লংপোকলাকপন এবোচাউবনা নচাল্লুপা মনিমচাবু মসাগী মথুম সগোলবন্দ মোইরাং হল্লুবা লৈরম্বা পুন্থনা চংখ।

মনিমচানা চহি মাপন চংলকপদা নি। সনাকোন্নুংগী নিদং শনগী মচুনা কৃষ্ণ শাগদোরি হায়দুনা জগোয় কন্না তমলি। জগোয় তমলিবা সঙ্গোয় অতুগী য়েনখাদা মনিমচানা খুলোকপা সান্ন-সান্ন ঈশৈ শকই —

আজ নুপ্পো বোলে।
চল্লনি ব্রজ বননি

জগোয় তমলিবা শাংবু অতুদা নহা ওইরিবা লৌবেন্দ তোম্বা মাওঙ। তোম্বীনা ইঙক ঙক্লা হাই—

'কনাগী অঙাংনো খনিদা ঈশৈ শকইসিনো' ?

মাগী দোরিদগী মনিমচা অহানবা ওইন। জগোয় শাপ অংদা খোমদোন লংহুনা য়াওই। মতুং পংকান কাম্নদনা ইবোচৌবনা নচালুপাবু গৌবলা-লাদা নিত্যায়নন্দ শাহনখি। ভাবোক পুম্মনক্তা চপ মান্নবা কাংখ্রখ। অঙাং অসিদি !

[illegible] শব্দোত্তরী [illegible]
[illegible] কৌতুহলী [illegible]
[illegible] টানী [illegible] চাগী [illegible]
[illegible] তিন [illegible] পাংগোয়গী
[illegible] চুনীমচা [illegible]
[illegible] লাই [illegible] বদা [illegible] ইবা [illegible]
[illegible] লাকাব [illegible] ধর্ম
[illegible] বা [illegible] নবা [illegible] পী
[illegible]
[illegible] অসাগী
[illegible]
[illegible]
[illegible]
[illegible] অনিমচা
[illegible] অনিদা [illegible] শিবা [illegible]
[illegible] অথান [illegible] ঙেরোথাই-
[illegible] নতুন, [illegible] গীদো অসিনচি বনি।

[illegible] উ [illegible] সংগ্রা [illegible]
তব [illegible] ইরুহ। খাবদা [illegible] বঙহনা যাংখিন্দি
এরযান [illegible] বাংলাঙ্গাল, [illegible] ইবুংঙোযাহনা,
[illegible] শিনচিংবনা [illegible] তৌহুনা এরিযান
থিযেতবনা মযান [illegible] নতমনি। অনিমচা ইশে [illegible] জগোযস্থু
[illegible] লাস্থ কুম্ম।।

এবযানগী 'ন[illegible]' [illegible] দা মুপা তগোনবীগী পাত 'নবোকলৈ'
আনি [illegible] স্বাযু যাদবদা অনিমচানা থোকঅবা অমা লাকঅসনু

[illegible] যায় [illegible] [illegible] বদনি।

[illegible] সাবই। [illegible]

[illegible] থোকচৌবা [illegible] হাইবনে'।

[illegible] শুভৰা শাস্তি

[illegible] পানজদে পন[illegible]

[illegible] নাং [illegible] হৰ ওবা [illegible] লুমি [illegible] বকই। নিনবচানা [illegible] দগী [illegible] নিনবচাবু [illegible] পুৰগা চংথ্রে। [illegible] থম্মা। [illegible] নিনবচানা ও খোংনা [illegible] থমথ্রে। অমোনদা নিনবচাগী [illegible] [illegible] নংথোগী শুয দা ইচা [illegible] হায [illegible] চো[illegible] বুক্সিহৌন [illegible] উনখ্রি। নচানা কপা উৰগা মপানা কর্খ্রা। [illegible] [illegible] নদিথাচান্দনা সুপা [illegible]

[illegible] ইংগী। [illegible] ইনা লাকএনে'। মানব [illegible] হসানা যাইবা বাজি'।

[illegible] শনাই [illegible] চানবা [illegible] লুহো[illegible]। [illegible] নিনবচাগী [illegible] লুহোংনা [illegible] লাং-পোকলাদপংগী অহল অমা নিংথৌনা [illegible] তুনা [illegible]। থিল্লমদাইদা নিংথৌনা হংই—

'ইবেম্মা নঙবু কদোমদা থিল্লুগে। থোকচোমদা থিল্লবা নঙ [illegible]গীদা থিল্লবা' ?

মানমচানা খুম্মী— 'বিজয়গোবিন্দদা ইমা চিগী মং [illegible]'

লুহোংবা মতুং থা তহুম লৈবগা মনিমচাগী মববোব থোকচোম [illegible] অমদি মনেমবোক নেপ্রম নিঙে [illegible] থোকচোম [illegible] [illegible] লৌবা লাকই। [illegible] মানমচা ৰাকৈহেন থোকচোম লৈবা [illegible]। মবগী [illegible] লাকখি। [illegible] [illegible] [illegible] খুপা তমা পুসিল্লকপগী ইকায় খুংশি [illegible] [illegible] [illegible] চংখিবনে। মনিমচাগা [illegible] ইনবা [illegible] লৈগা। [illegible] অহুংগা চহি [illegible] মচাম্নুপা তদুদি মনিমচদা গৌবম্মী।

মধুগী মতুংদি ওন্থোকপা অমনি [illegible] মনিমচানা [illegible] [illegible] মতেক অমতং পংজবা ফাওবা [illegible] মমদা [illegible]জিল্লবা [illegible]। [illegible] লিলা পালা ঈশৈ হগোয় ঐ অমতা পামদে [illegible]। চহি ৩৫ সুরবা মধু যাম্না ভাংজা [illegible] তৌবা [illegible] নুপা নহানা নুপা কোয়না [illegible] থম্বা যাম্না [illegible] চংনবিংই মতমনি। চহি ১৬ কী মৌমচা মনিমচা পুম্নমক [illegible] খাংজে। লিলা য়াওবা, ঈশৈ তৌবা নুপীস্থ মখুম [illegible] [illegible] হুম্না। হায়বদ সমাজদা উৎনিংই

মধুনা ঈশৈ পামদবা হুক্কা [illegible] মনেমনা ঈশৈ পামৈদ তনি অহুনা মনৌ [illegible] মাদা [illegible] [illegible]ই। মবক মবকতা মনেমনা মচাম্নুপা খঙহন্দনা মনৌ [illegible]শৈ যা[illegible] খঙলকপা মতমদা ইমুংদা লাঙ্গাও [illegible]। [illegible] মতম খং চংই [illegible] নেংমদি খাগেমপালিদা থোংগাম বঙদোরগী [illegible] দা তম্পাকৈ মনা ঈশৈ হললগা মনিমচানা হুহাব লেপলিঙৈদা, [illegible] নাবদা হন্নগৎ-হনদা চংলিবা মীরক্কা নেং ফং হায়হুনা চংখিবা অমা উহৌই।

উচিন-নাচিন্না ঈশৈ লোয়শিন্দুনা মখুনদা পরপ পরপ হল্লকই। মাগী কাদা ইন্নফি অদু থুপচিনগে হায়হনা ফং কনখোকপা তুম্ন ঙৌনা হাইদুনা লৈরিবা ফকলাংদা মৈতালনা ইদুনা থমালবদু উরকই—

'নিলমনি অমুবী নখোয় অনিনা নতেমগী মরৈ ননখোপ থংখিবদু থরা হনদোকখ্রো। ঐনা পামদবা থবক্তু তৌরবনিনা ঐদি চৎলে'।

মকুনে, মনেমনে, ইকুমচা ইবোমচানে, মনিমচানে থোকচোমগী চাউথ্রবা ইংখোলদা, হাওরকচাম্বাগী নুংগিলদা ফাওবা মীনা চংনবা হংগোয়নবা লমহাংদা টোর্চ লাইট কাপতুনা মথংবু খিরনই। থোকচোমগী ইংখোলদা গারী পানথংফম শংগু মচা অমা লৈ। পানথংপা লোযাংবা কার অমগী মনুংদা মথং শিকক পিন্না তাশিন্দুনা য়াম্না নুংঙাইহনা লৈরম্মী। ইকুমচা ইবোমচানা খ্রায়েল্লি— 'নুপ। নঙন্দু মতুং মনাও অসম্না তৌবা য়ারোই। নুপী নঙন্দু মানা পামদ্রে হায়রবদি তোকও'। খোদোক অসিগী তুংদগী থোকচোমগী ইমুংদা ঈশৈ নোংমাইগী খ্রা চপ লেপখ্রে। মনিমচানা মাঙ্গোন্দা খ্বাংগী ফি সানা সানা ঈশৈ ডংহ, মনেম অমদি মখুনা মাঙ্গোন অতদা পেন্না তাজরম্মা। হৌজিক্তি উন-খ্রাইমুক চিবখ্রে। মনি-মচাগী মফমদদি নুংশিংযাওবা লেপখ্রে।

নোংমদি মথংনা হায়রকই—

'ফুমলোঁদা চৎলসি। ইবানি শাদ লৌ উত্তুনা লৈরমসি'।

'চবোকহোয়দি'?

'মখোয়না সিদা লৈহৌরদনা। নঙ অসিখ্রাইদা থম্বাল যাপোং নত্তে'

ফুমলোঁদা মনিমচাগী অনম লৌ পরি অমগা মথায় লৈ। নোংমা মনিমচাগী মথা লাক্তুনা মথংদা থরা য়েংশিল্লু, এদি অংল শইরে ঙমদ্রে হায়দুনা শিন্নরম্মী। মতমদু নথং কায়বার চাউনা তৌদুনা পৈশা য়াম্না

পঙ্গা ভাতি মহু গুম্মক থাদোকলগা লৌ উগদৌরিবনি হায়দুনা ঈরোই মশী মচা অমখক তনলৈ লৈরুরে। ঈবোই থৌরিদু মনিমচাবু পায়হল্লি। ঙাযোম অচৌবা অমনা মথুগী কোকথক্তা ক্লাকৈথেলদগী ফুমলৌ তাল্লা খোংনা যৌগদৌরিরনি। নোংলিনা য়োংস্নুকমুক চাউনা মাব নিং খংদব-নথ হৈথরকই। নোং মবক্তা অনিদু চংলি।

ফুমলোগী যুমদ লবুক্তা লৈবা লৌতাংশঙ মচা অনদনি মনিমচাগী থাক্তি রাংপা লৈতে। মানা থোকপা পংনোমতা নোম্মী। চহিদি ২২দ মচাম। মচা ম লৈত্রি। মথুদি যমগী মখাদা লৈবা মী নত্তে। হৌজিক্তি নমা ঙুইবী মনিমচাবু লৌতাংশঙ অসিদা করম্মা মথন্না হুন্দোক্লুনা থনম-ন। মনাংস্নু নত্তুনা লৌ উরবানি হায়দুনা তৌরিবদু ফৌদি থোকপা নত্তে। মহুং খোযদোকে মথুদ। মমুনদা চতি খুদিংগী ফৌবোং চানা চনি হুপলিবনি।

নো মদি মনৈ মকোক অমতা যাওদনা মথুনা হাযবকই—

'মৈশদু শককে হায়ববগু মকোক লেপতুনা শবলস্মুদনা। কারিগী মতাংদা লেপতুনা শবলনলিবনো'।

অসুনা চতি মতা হৌখিবা খংহৌদে। লৌ লোয়রবপা খুদিংগী ইকালদা নিনি হুমনি ক্রেক ত্রেক কারক্তুনা লৈ। অস্তুম্মা লৈরিবৈদেনি। ইকমচা ইবোমচাগী নৌনা পুজরকপা অবোকমচাগী মচান্নুপী অমা পোকলে হায়দুনা ইবাং লাংঙি। ইবোমচানা মচাগী যষ্ঠি পুজা অসি মযামদগী থোইদোক তোন্দাক্লা চাউনা তৌজনিংই। অযুক অদু মনিমচা মোইথাপ য়ান্না কন্না নাইবি। ইকুমচানা লেংনান্দা উরৈবোম খুদৈ অমা য়াল্লহুনা হরাও ইবাও লাক্লুনা মনিমচা হায়বৈ— 'হবেম্মা নঙবু নচনগীসিদা ঈশৈ শক্কেরা'

মনিমচা খংপ্রেক খংই, মখুং চপ লেপই—

'এ,! অদুবু য়াণদ্রনে'।

'য'দদি কৈ নানে'।

'মোহ্ খু'যাইমনা য়ানবা পাংনবাত্রবদি ঐ ঈশৈ শকপা ওমমোইবো।'

মতমদ্ মধুদি কার অমা য়ান্না কন্না পানখৎপা লাক্লরি। ইবোমচানা মাগা ব্রারা স নকুরগা খোকলকপদা মনিমচাগী মকুবোকনা ভায়ভমদনা হুৎই'।

'ইবোমচা বরি হায়রকএ'?

'যারকএ হৈ।'

অংলদ্ কি পরপ পরপ হোৎলগা মাগী লিচৈ অকোনবী পুন্নুনা খোকখি। চংন চংনা মামৌদা লাওরম্মা—

'ওম্পাকচৈনমাদা পাউ পীকগে, ইকু চৎলে।'

মনমচা হৎকে ভন যেংত্নুনা লেপহৌই। মখুৎ মসা থাওথী ইতৈ তৈবমখৈ মন চেনারই। 'সদা লাউ' হায়রমলগা ইমুংদা পরপ পরপ চঙখি। মংসা খিবনা মনিমচাগী নরায শাৎখ্রে। মহৌসানা খোংথাং মেংজবী, সাগুম ন ইদবা মনিমচা তাব তবি চংত্নুনা মমাংদা লেপলুই। অথোৎপা অমোংযা হৈত্তদবা মর্নন। মাগী নুপীনা কিবনা নিকলিবত্নু উই—

'হায নিক্ত'।

'ঐবু নিকপ্রনে'।

'মভোম খুরামচানা হাযরিবসে নিংথিনা শকলবদি ফৈকো' নত্রবদি নঙ পুমতোক তোকএ'।

কুইনা হুদোক্নুনা থনগ্রবা মাগী মন্দালা লৌথোকসুরে।

ভাসুকনি। অহল ওইবা নজা তোয়াইমা, থিঙোন লৈকাইদা লৈবা মাগী যুমগী মাঙোন ফনন্দা হিদাক থক্লুনা ইংনা ফমলি। মনিমচানা চৎসিন্নক্নুনা ওজাদা লৈবাক সোক্লা থুকমজে। ওজানা তপ্না ইনা হংই—

‘ইবেম্মা ইপাদা করি হায়নিংবগে’?

‘ননাই ঐ ঈশৈ তমজগে লাকপনি’।

তোয়াইমা পাক খুনদে। কোন্না তপ্না হায়রকই —

‘নবুংঙোনবু য়ারক্রা’।

‘ওজাবু য়াবিরে’।

তোয়াইমা বা মখা তারকতে, তুম্মীন লৈখি ওজাগীদা চঙবা সেবক মথৈস্থু মথং মথং খু লরে। মতমদুগী মশক নাইবা শৈসকপা পুমনমক ওজাগী সেবক ওাল্লনি।

ঙসিদাং মধুনা যুমদা হনজিল্লকপদা হংই— ‘তমলকলব্রা’? মনিমচানা খুম্মী— ‘তম্মীরক্তে’। বা মখা তাদে, মধু তুম্মীন লৈখি। অস্থন্না থা অহুম হৌজিনখ্রে। নোংমাদ মনিমচানা

‘ওজাবু ননাই ঐনা লাকচরিবসে থা অহুম পুরা যারে’।

ওজা তোয়াইমানা তপ্না খুমলকই—

‘ইবেম্মা সে হপা বা হায়গে। হযা ঙ্গপাম্ব পুরকউ। না খাওরগা তস্বাগে। মাগী মযুম মকৈ পাল্লবা খুপীবু ঈশৈ তম্বাবা ইপা কয়া পামদে। বাশক্কুনা হায়বদি নগে’।

মথংগী অযক্কা তোয়াইমাগী মাঙ্গোন্দা মতৈ-মনাও তুংথ-মাংথ কারক্লনা ওজাবু খুকমজরবে। অযুক খুদিংগী মনিমচানা ওজাগী মাঙদা ফমদুনা ঈশৈ তম্মী। মধুনা মাচি অমদা ফমদুনা তম্মিননা যেংই।

মনিমচাবু অপোকপা মচামক্কী থম্না লৌসিনবাদুনা পুমনমক অমতা খাক্কুনা তম্বাদুনা শেম্বারকপদি বোনজেংবগী ওজা তোয়াইমা সঙ্গ ভ চার্য্য অসিনি।

ওজা অসিনা মনিমচাদা তম্বীরম্বা পনবা য়াবা নত ঈশৈশিংদি—

(১) মুরলি শিক্ষা

(২) বাসোক পরেং

(৩) নিমায় সৈন্যাস

(৪) গোষ্ট (বঙ্গলা অমসুং মৈতৈলোন)

(৫) নিত্য লিলা মথল ৮

(৬) গীত গোবীন্দ

(৭) গুরুজন পরেং, অসিনচিংবা

মখুৎনা ইবা ঈশৈ কয়া মনিমচাদা শিন্নরম্মী। মনিমচাগীদমক তোঙান্না ঈশৈ কয়াসু শেম্বীরম্মী। অহল মতম অমুদা অনৌ অনৌবা ঈশৈ কয়া পুক্নীংদা শাগৎলকপা মতমদা মনিমচাগী নাক্তা চেল্লক্লুনা শিন্নরে। নোংমসু নুমিদাং পুং নিপানকা তারকপা অহুবাইদা হোবে হোবে মনিমচাবু কৌররে। মনিমচাবু য়োকচরকপা মমা লৈরিক মচাগী মনাক্তা পুরা লৈরবা মতমনি। মমানা—'নঙগী ওজাসি লাকএনে। কমদৌনিসিদি ঐ ঙসিসি ওন্থোক্লা তুমনিংই, হললোয়দৌসিনা ···'। ওজানা হরাও হরাও হায়রে—'ইবেম্মা ঈশৈ অসি কাংজেবুংদা ফন্না ফম্মা নিংশিঙলকপনি। হয়েং নোংঙাল্লগদি কাওথিবা তারে, হৌজিক হায়-হৌরুরগে হায়রুনা চঙলকপনি। য়েংঙু, ঈশৈ অসি— (ওজানা শকই)

হৈনৌগী মপান সাররকলে

হৈনৌগী রস চুপলগা

বৃন্দবন্দা খোংজরুরগে।'

লৈরিক্লা হকাম বা বা চন্দুনা হায়রকই—

'কদায়দগী কনানবু খোংলুগবনো'।

'ইসে মনিমমা, নঙসি ওন্থোক্লা ঙাওইদা'।

ওজা ভোয়াইমানা ইসি সিনা নোকই।

মতম অতুদা গুরুজন পরেং চিন্দা পুংনা লৈবা ওজাদি তোয়াইমা মথন্তা োয়রে। ওজাগী মফমদা গুরুজন পরেং তমখিবা সেবকশিংদি—লাই-শ্রম তোলপিশক, হেরাচন্দ্র, ময়াংলম্বম ইবোবী, গুলাপী অমদ মনিমচানি।

শোক ১২৬০, ওজা তোয়াইমানা মসাগী চহি ৭৭ হারকপা পুংসীগী অরোইবা মিকুপ ভায়নতুনা লৈববা মতাংনি। মনিমচা পুংসা খিক্কে। ইয়েংবা মালোমদা জগোয় লৈরিবনি। ওজানা ইংনা তাকপি—'নাম শোনবা কায়নি, চংলু চংলু ইপা চায়রবগে'।

জগোয় হেক লোয়বগা অতৈ ভায়রমদনা মনিমচা অমদি মধু হোবে হোবে হায়গংলকই। মধুগী সাইকল খুনেং কয়া ওংলি। মযুম হেক য়োবগা পাড় লোই। অতুগা চাক চথোম খরদং হুকলগা পরুং পবপ চংতুনা ওজাবু খুকলককই—

'ওজা ঐ য়োরকলে'।

হায়কেংরেসকই ওজা তোয়াইনা, খোন কাইনা খুমখি—'উম'।

গুমিং অদুগী মুংথিল পুং অনি তারকপদা ওজা যাত্রা ওইখি।

ওজাগী শোরাং অসিদি কমদোবা—ওজাগী সেবক ময়াম থমরগা মনিচানা গুরুজন পরেং শকপা হায়তুনা লেপনরে। ময়ামগী থম্মোয়দা মনি-মচানা শকলগা ওজানা লোবীংদবোই নিংই। মনিমচাদি গুরজন পরেংগী অরোইবা শবক খরা রাংহোই। অরাংপা শকক অতু ময়াংলম্বম ওজা ইবোবীদগী তম্মা।

মনিমচানা মাগী কাংবু ঈশ শকপী ময়াম খোমজিন্দুনা শোরাং নভনবা গুরুজন পরেং তশী। মতুদা য়াওখিবা শৈশকপীশিংদি—লোরেম্বম তোম্বী, ক্ষেত্রি তোম্বী, ইবেচা, থম্বান মরিক অমসুং লৈমহননি। লৌরেম্বম তোম্বীদি কোনজেংবমগী তোয়াইমাগা য়ুমলোম্নবনি। ক্ষেত্রি তোম্বীনা হায়—

'ইচেদি সিদহিদাক নোনখাংনহুনা লৈরবোইরে। অঙাং পিশক অসিনা ঐখোয়দা অমুক তাত্রাবে।'

অহিং নিতিদা গুরুজন পরেংনা লোযনিনহুনা শকপা সংকির্তন অসি অথন্নবা লাঙলগা মুগা পালা কাংবু অনি নন্নগা অহুন্না শরুরম্মী। ওজাগী সোরাং অসিদা শকলুবা ভুংদগী মনিমচাগা কাবুনা মুগা পালা কাংবু মরল্না য়াওহুনা গুরুজন পরেং শকপা হৌবনই। মনিপুরগী নট সংকির্তনগী ইতিহাসতা মুলীনা লৈশাব অসি শত্তুনা মুগা পালা কাংবুগা লৈহৌ-লৈশেসিন যাওবকপদি মনিমচাগী কাবু অসিনা অহানবনি।

মনিমচানা মন্দিলা অনগা যনশপা লৈবাক্তা থোগন তৌরকপদা কাবিনো ইবাং বাংপা ইপেন পেন্দবা অমা থংমোযদা যাংবা তৌবকই। নোংমা ওজা তোথাইমাদা মনিমচানা হংখি—'ওজাবু, মন্দিলা অসিব হৌগৎলগা পাযবা যাররোইদ্রা'? ওজানা তাকপিরকই —

'কহারদগী থম্বান তোম্বী, মন্দীলা পাযবগা হৌগৎতুনা শকখিনে। নখোয়মু হৌগৎনিংলবদি মন্দীলা ভর্তুদ লৈবাগা থমম্মু।'

মন্দিলা অনগা ফনশক শকপদা পেন্দবা পোকপা অসি মনিমচাদা নত্তে। হায়দোগ্রদবগী বাদনি। নহাবোল মথৈ ঙহাক ঙহাক মন্দিলা থনমলগা হৌগৎনবা তৌরকই। 'ঐখোয়দি অহল ওইরে কৈদৌরুগবনো' হাযহুনা অহললোন মথৈদি হৌগৎনখিদে। মন্দিলা য়াওদনা হৌগৎলুবা অহুমু ইপেন পেন্দে। থুপোমচা অঙাং অমা নেক্তুনা পুই, অমনা হৌগৎনা ঈশৈ শকলিভৈদা মন্দিলা থিংই। নোংমদি পুং যৈবনা কল্লা চোলোম তৌহুনা পুং যৈনিলকপা নতা অমদা ঈশৈশকপী অমনা থঙহৌদনা মাগী মন্দীনা অহু তাপ লোথৎতুনা হেক যৈকরে। মতৌমু উবদা মহৈ মহৈ হায়নবা নাইদনা মাগী মগী মন্দিলা লৌখৎনহুনা লেপশক শক্তুনা মখোয় ময়াম চঙনা খিঙনরকলে। মুমিৎ অহু কাউড়মদ্রবা

কুমৈ অমা ওইখ্রে। লৈবাক্তা য়াবিবা উবদা ওজাশিংনসু করি থোইদোকপা হায়্খিদ্রে।

মন্দিলা পায়রগা হৌগৎতুনা লেও ওৎলগা থম্মোয় পেন্না ফোং-দোকপা ঙমগদবোই নিংলুবনি। মনিমচানা জগৎ পুমনমকপু কাওজতুনা থুপলবা কৃষ্ণ প্রেমগী মধুর রসতা লুপচতুনা মসানা মসাবু কাওকবমথৈ থমোয় পেন্না শকচবা, মন্দিলানা 'কেং' তমক হায়রমলগা ইপোম অমতা পিশমদনা ইথিল অমতা থনমদনা তুম্মীন লৈসিনখি। থম্মোয় পেন্না শকচরবসু থরায় য়াওদবগুম, ইহাম হাম্বা, ইবাৎ বাংপা অমা ফাওবা হৌরকই মনিমচাদা।

মতম অহূদা ক্যকৈথেল ময়াইকোইবীদা লৈবা কোইজম লিলাসিং অমদি কোইজম ওংবী তোমান অনিনা, মখোয়গী মচানুপীনা পোকপা মসু নুপীগী লুহোংবদা ঈশৈ শকপিনবা মনিমচাদা হায়বকই। লুহোংবা হুমনিদ ঙাযরবদা তোমান লাক্তুনা হায়ররে—

'হংচিং অসি লুহোংবা সোইদ্রে। তৌবতবু করতান পায়বীযুকো'। ঈশৈ তিন্নরম্বা কাংবু অহু চপ লেপ্পী—

'করিনোনে ঐখোযদি নুপীনি। কদায়দগী করতান পায়বা হৈগদগে। নুপাগী মপোৎনি। মখোয়না য়ারকওইনে'।

হনুবী অতুনা য়াম্না ভাপ তানা হায়রকই—'ভারতকী মনুংদা পুরুষ কয়ানো—নুপনতগী কৃষ্ণা মথন্তনি। সতিসু শ্রীমতি রাধিকা মথন্ত-নি। অতুনা করিসু দোষ লৈতে'।

ময়াম অতু ভাপ অমা ইতা তাদনা লৈহৌই। খনমথৈ খন্নরগা নোংভাল্লগা হায়দোকলুই 'করতান পায়বা ঙমজরোই'। হনুবী অতুনা মখা তানা হায়রকই—

'হরি সংকির্তন হায়বা অসিদি নুপীতনা শব্দবনি। সংকির্তন হায়বসি বৃন্দাবনগী লিলানি। কৃষ্ণ মথন্তগা গোপী ময়ামগা শান্নবনি। ভাপতি গৌরাঙ্গগী ভাপনি। নবদ্বীপতা শান্নবনা নুপানা শান্নবনি। শান্নবা মতমদা গৌরাঙ্গসু নুপীগী বেস শেৎলিবনি' লপোয়বা হায়বসি নুপীগী বেস শেৎলগা নুপী ওললিবনি। অদুগী মথক্তা মন্দীলানা ঘাত খায়বা য়াদে, রাগ অচৌবা হৌবা য়াদে, মেনসু মপুং ফানা শাবা য়াদে। ঐগীদি ইগা- ইনুগী অফবা তানখৎলকইবনি। মপুং ফাদবা রস পামজদে। অহুনা হয়েগী নুমিৎতা করতানসু পায়বিদবা য়াদে, ঈশৈসু শকপিদবা যাদে। বেব' অমতং তৌনরকপদা ঐগী দায়নি'।

ময়াম অহু পুক্লিংদা নিংকোক নিংকোক লাওনরবসু করতান পায়বদা তাপ্রে। পালা নহাগী ঈশৈ হনবা কাকৈথেলদা লৈবা পোৎশংবম ইবোতোন কৌহুনা তাকহনজরে। 'ফিরেপতবু কায়দ্রবদি' অসিতনি ময়ামনা খন্নবিবদি। মনিমচানা নিংশিংলকই, নোংমা ঙাংোম ওজা যুগীন্দ্রনা তাকপিখি— 'করতান হায়বা অসিদি খুংকো তালনি। খুবাক্কী মহুৎতা যন্ত্র অমা শিজিন্নবগী বানি। করতাননে, পুঙনে, ঈশৈনে অহুম অসি পুল্লগা সংগীত থোকপনি।' মনিমচানা অমুকসু তাখি—'করতান অসি শ্রীমতি রাধিকাগী বক্ষস্থালনি (খবাকনি)। মরি অ'সনা ইবেম্মগী সমলাংনি। নেংমা মনিমচানা থিঙ্গোন ওজা তোয়াইমাদা হংখি—

'ওজা নুপানা সংকির্তন চংলমদাইদা নামৈ মথেক মথেক লৈরিবা অসি করিগীনো' ?

ওজানা তাকপিখি 'হেরা নুপী শাবনিদা সংকির্তন চংবদি নুপী ওল্লগা চঙগদদনি। নঙ অসিনা হংঙগনবসিনা'।

ওজাবু নিংশিংলুবদা নীংতাপি তাখি। পুক্লোংদা ওজাবু লাকশিন্দুনা খুকমৈজে— 'ওজা ইবুংঙো হয়েংগী হুনিংতা ফিরেপ চুমহনবীয়ু, রাগ কায়হনবীগনু'।

নুমিৎ অদু শোক ১৯৬২ মার্চ, মৈতৈ থাবান্দা লমদাগী ১৭নি পানবা, মনিমচাগীনা ইতিহাস হৌবা নুমিৎ। শাৎপম লৈরক্লা থিয়াম রাঘোপকী সুমাংদা তোঙানগী মস্থনুপীগী লুহোংবা অসিদা মনিমচগী কাংবুনা খুংতা করতান পায়দুনা হরি সংকির্তন শকখি। নুমিৎ অদুদা শকখিবদি—মনিমচা লৌরেনম তোম্বী, নঙ্গোন পিশক, মেরাতোম্বী, ঘরি ইবেতোম্বী, অমদি মপাং অমগানি। পুংদি লৌরেম্বম অমুয়াইমনা য়ৈ। শ্রীগোবীন্দনা খোজানবীরে, রাগ কায়দ্রে ফিরেপ কায়দ্রে মনিমচাগী মফমদদি অনৌবনি, অপেনবানি। পুঙনে, করতাননে, ইশৈনে সঙ্গীতগী অথৌবা শ্রীভগবানমক্তা মায়রবা, মতম চুপগী ওইরবা আনন্দ অদু যংজরে। কালাকার অমনা মখলেম অসিদা করিবু কলকউগদগে! থৌদোক অদু অঙকপা, অনৌবা, কাওঙমদবা অমা ওইনে ভাবুক্তসু।

থুনমক বাত্তন অমা থাররে, নুমিৎ তরুকনিগী তুংদা সয়াদা লুহোংবা অমগী। মা অমরোমগী তুংদা তেরা লাইমু ইবোমচাগী মপাগী ফিরোই নুমিৎতা মনিমচাগী কাংবুদু য়াওবা তাবে। নুপা পালা হান্না শকলগা নুপী পালানা কোন্না শক্কদবনি। মনিমচাগী কাংবুসু ওস্তা চংলি, নুপানা করতান পাযবগী মওং মতৌ য়েংহৌনবা। নুপা পালাগী মীসু খরা রাংলি, মতমাস য়ান্না থেংথখিবা তাবে, মাথিৎ নুবা নুপীগী কাংবু হান্না শকহনলসি হাযদুনা শকহনলে। নুপা পালাগী কাংবুদু ময়ামদগী খরা হান্না চাক শেমদুনা পিজৈ। ভাবুক পুম্নমক্তা লৈরেন তোম্বীন। মেনকুপতা তৌবা চোলোম উবদা ময়া কাদুনা লৈনখ্রে। সঙ্গোয়দা চাক চারগা নুপা পালা কাংবুদি চাক চঙনখিদ্রে। অমনা মযাদা হক্কে তৌরগা চখোমদু থোপ থাগরগা হায়রদই—

'নুপীনা জয় তৌখিবা তারে, ঐখোয়দি সোয়দনা তোকহৌবা তারে'।

অমনা খুম্মী—'পোকঙৈদগী ঐখোয়না পায়ত্নুনা লাকখিনি। মখোয়না ঙরাংদ পায়রগা কদায়দগী ওইকগবনো। হেনা নুপীনা কৌসাবনু। অহু-দবু নথবায়কা শোন্থবা শাব্রিয়ে'।

অমনা অমুক খুম্মী—'ফনা হায় শাবনি। নুপানা নৌবগা নুপীনা নৌবগা, নুপীনা খজিকতি হেল্লিদো, খরদি খেংনৈদো।'

মনিমচাগী কাংবুনা চাক চারিঙৈদা নুপা পালা লৌখ্রে। ঙহাক লৈরগা ভান্‌কশিংহু নুপা পালা লোয়ন্ত্রিঙৈদা হৌগৎ হৌগৎতুনা চংনখ্রে।

মতুং খংতান থাননদনা মযাং লাংজিংদা সোবাং অমা শকলুই। শৈহৌ শৈশিন অনিনি। নুপা পালাগা শৈশিন শক্কদবনি। মনিমচা-খোনা ঈশৈ লোয়বতুনা খোংনা লমশাং য়ৌরকপা মতমদা নুপা পালা কাংবুগী সাইকল অমমমগা হেনগৎতুনা চৎনখি মনিমচাখোয়না ঙকলতুনা লেংহৌই।

চহি অসিদা পুং ঈশৈ তৌবা নুপানখৈ পুনসিন্দুনা সংগীত নাট্য সভা অমা লিংখৎখি সভা অসিগী পুনফমদি উবিবোক্লা ইবোতোনম্বাগী মখুমদনি। সভা অসি অহানবদদি মতমতুদা নৌনা হৌরকলিবা নগা-বোলশিংনা লাইহিক-লাইস্থু তৗবদা হেন্না থবায় য়াওনখিবা পুং ঈশৈ যৌওইনবকতবা অসিদা পুং ঈশৈগী হিরম অসি মাওখিদনবা চাউখৎনবা হোংনবগী মওং ওইনা ওৗরম্মা। মতুং তারকপদদি নুপীনা কবতান পায়বা থিংববোমদা চংসিল্লকলে। সভা অসিগী অহানবা প্রেসিদেন্ট আভিবাম শাবা ইবোমচা শর্মানি। বৃতিস পেনেততা নিংথৌ মচা, মস্থ অমদি অঙম অথৌশিংনা পুং ঈশৈবোমদা থবায যাম্না য়াওনরম্মা। নৌনা লাইরিক-লাইস্থু হৈনবকগা, সমাজদা অচৌবা মফম কল্লকলিবা তৌবা ঙম্বা, মতিক লৈবশিং অয়াম্বদি সভা অসিগী মায়কৈদা লৈরিবা ঙাক্তনি। শোক ১৯৬৬ তা ক্ষেত্রিময়ুম নবাংনা সভা অসিগী সেক্রেতরি ওইখিবগা

লোয়ননা সভা অসিগা সনাকোন্নুংগী পালা অরিবা, ব্রহ্মা সভা অমসুং গোবীন্দ তেমপল বোর্ডকা পুনশিন্দুনা মনিপুরগী কলচর, মরুওইনা হিন্দু মনিপুরী সমাজগী কলচরগী অচৌবা সক্তি, অথরিত্তি ওইনা থোকরকখি। মখোয়দা পোলিতিকেল পৱার লৈতে। অদুবু হিন্দু মনিপুরী সমাজদা কর্ম অমতং পাংথোকপদা সংকির্তন য়াওদবা য়াদবনা লম অসিদা মখোয়গী শক্তি পাকনা শন্দোকতুনা লৈরি।

সংগীত নাট্য সভানা নুপীনা করতাল পায়বা থিংনবগী লানজংদা সিজিন্নখিবা খুৎলায়দি—বৃতিস পেরেততা ব্রহ্মা সভানা ধর্মগী মিংদা প্রজা ওংলগা নমাং অশেংগী নিয়ম অদুনি। খেৎনবা হায়ববু বৃতিস পেরেতকীনা মী অমা শেংদোকপগী মমল লুঃ ৮০ পাই ২ নি। অদুগা সংগীত নাট্য সভাগীনা লুঃ ৫ দং ওইবা অদুনি।

সংগীত নাট্য সভানা নুপীনা করতাল পায়বা থিংবগী থবক্তা চংসিলকপগা লোয়ননা মনিপুরদা লৈরিবা ঈশৈ তৌবা পুমনমক পুনসিন্দুনা শ্রীমানি সংগীত মণ্ডল হানা শোক ১৯৬৩ দা লিংখৎলি। মণ্ডল অসিগী অহানবা প্রেসিদেন্টনা থোকচোম মধু অমসুং সেক্রেতরিনা তেরা কৈথেলদগী ব্রজমনি শর্মানি। মণ্ডল অসিগী মরুওইবা পান্দমদি নুপী খুদিংমকনা মানা মানা পামজ-পামজবা ঈশৈগী যন্ত্র মথল খুদিংমক্কী স্কুল অমা হাংদোকপা অসিনি মন্দল অসিগী অনিসুবা চহিগী অধিবেসন শোক ১৯৬৪ দা ফংখি। অধিবেসন অসিদা মৈতৈ সমাজদা নুপীনা ঈশৈ শকপগী অধিকার লৈগদবনি অমসুং গায়িকাশিংনা করতাল অমসুং মন্দিলা শিজিন্নগদবনি হায়বা রাফম অসিদা শ্রীএম কামিনি কুমার অমসুং শ্রীএন ইবোবা সিংহ অনিনা নৈনখি।

নুপীনা করতাল পায়বগী মতাংদা লৈরিবা রাফমদি অসিনি—করতাল অসি শ্রীমতি রাধিকাগী বক্ষস্থলনি। অদুনা নুপীদি (অতোনবনি) মাংভি,

পায়বা য়াদে। করতান অসি অশেংবা ঈশ্বরগী পোৎনি অহুনা মুপাত্তনা (অরাংবা অখোয়বা ওইবনা) পায়গদবনি অসিনি। বাফম অনিদা য়ান্না সাথিনা য়েংপা মাস্ত থোকখিদবা নত্তে। কনাগুম্বা হাযত্তম তৌমবনা —'করতানবু শ্রীমতি রাধিকাগী বক্ষস্থল ওইরবদি ওম্ম। · · · · · · বু কৃষ্ণরা, ওজ্জানা কবম্বা মতৌল পায়গদৌরি সংকির্তনগী মথক্তা রসতি শ্রীকৃষ্ণ মথক্তগা গোপী মযামগা শান্নবনি। পুকসাত কৃষ্ণ মথন্তানে। মুপানা সংকিতৰ্ন চংবা নতমদা ঐ চাওবনি, চন্দ্রহাসানি হায়দুনা চত্তবা য়াবা নতে, রাধা ভাগতা গোপা ওন্দুনা চত্তলির্বনি। মুগী থক্তগী লিলানে'।

হৌজিক্তা অসি [illegible] মমাংদা লৈরম্বা অসিগী [illegible] তোংনখিদ্রে। ঈমানা সঙ্গীত সভা [illegible] সঙ্গীত নাট্য সভা অসি [illegible] চপ মান্না হিন্নত্তনা চৎলিন্নবদু ওইদোরে। সংগীত নাট্য [illegible] [illegible] চাওথংলকা [illegible] লোয়ন লোমনা [illegible] সংগীত [illegible] পাঙ্গলদা [illegible] [illegible] চৈথে [illegible] [illegible] যাথং [illegible] মা [illegible]। অমা-অমগী চৈরাক [illegible] যাদবা অনায়বা [illegible] নত্তে। অদুগা [illegible] মখোয়গীদি হিংবগী লানফমনি। হিংবনা [illegible] ওইরকা। মখোয়না তহানবদা [illegible] সংগীত নাট্য সভাগা লানথেংনবা হোৎনরে। অদুবু [illegible] মনিমচা নথন্তনবা লানথেংনবা তারকই। মনিমচাগী তুদা লেপাখবনা মপুরোয়বা মথনি।

[illegible] [illegible] [illegible] শাবংবমগী জগোয় রাস [illegible] কৎকদৌরি হায়দুনা তম্পাকলৈমদা য ওনায়ু হায়জরকপদগী মনিমচা হৌবা লাকই। জগোয় তিন্নবা অনিরক [illegible] চৎপদা শাকংবম॥ লমকেলনা হায়রে—

'নখোযদি মাংঙে হাযনে, রাস অসিদি য়াওরন্নু তোকও'।

তম্পাকলৈমনা বাদি শৈইতুনা শাকংবগ লমফেলগী মথক্তা কেস থাঙ্গংলি। মেজিস্ত্রেত উদয়না থা অমগী মতুংদা বাই পীখি—'মাংদে'। জগোয অথুংদ যাওখিব্রে।

থাঙ্গদা থাঙ্গ অশংবীগী মন্দোমচা অমা লৈতবগী সোবাং ঈশৈ মনিমচা অমদি মহাক্কীবাংবু ঈশৈ শকলুনবগী চংলি। থাঙ্গ অশংবীসু মনিমচাগী কাংবুদা য়ান্না মশক ন ইবা অমনী। শৈগৌদনা নুপা পালানা শৈকোন্দনা নুপী পালানা শক্কদবনি। শৈকোনগী মতাং য়োৗরকলতুনা মনিমচা অমসুং মাগী কাংবুনা মান্দপ চঙতুনা খুকমলুবদা লমাংদোং ইবোতোন হুহাবনা হায়রবই—

'নখোযদি মাংঙবনি চঙলক্কন্নু, য়াদে'।

শৈগৌ শৈকোন শিন্নবগী নিয়মদি স্বাধীন সমভোকতা থনমগদবনি। থনমদ্রে, পরপ পনপ শকথতুনা জলকেলি পায়সিলক্রে, যুগল রূপ, মোনশিক্ষা, পার্থনা য়োৗশিল্লক্কুনা— নিতায়পদ লোৗখ্রে, লোযসিনখ্রে। থরাথ চাকলবা ঈশৈ শকপী থরা চংখিতুনা মোইবাং থানা তাকউবে। মুমিং অতুদা ঈশৈ শকপদি— নবম গীববিধনা ঈশৈ হুনবা, লমাংদোং ইবোতোন্না হুহার, লাই অডৌবী ইরাবোংনা খোনবাং ওইনা য়াওই। পুডয়েবদি লোকুনজাওগা মপাং অনগনি। মখোয়সু পরপ পনপ মপোং যোমশিন্দুনা সাইকল তোংখৎনখে। থানা য়োৗবকপা মতমদদি মখোয় অমতসু লৈরমদ্রে। মনিমচাগী কাংবুনা মখোয়না তোংলপা জীপ অতুদা হায়গৎতুনা লমাংদোং থানা তাকউবে। নুপা পালা কাং 1 লমাংদোং য়োৗরকপদা থানানা ফারে। অহিং অতু মখোয় তকক লোকঅপতা লৈরে।

মনিমচানা কোর্টতা রাকংলি। মখোয়না খুম্মি—

'নুপীনা করতান পায়বা য়াদে মাংঙি'। কেস অতু হায় কোর্ট য়োৗনা চহি ৫ রোম শোকনৈ। অরাইবা রাই হায়দোবকপা মুমিং অতু মনিমচাদি

তৌবুনদা সোরাং অমা চংলি। নবুহ্ন য়াওনা চংলি। ইরাং মতা অহুদা মনিমচা মথন্তা খক থাদোকে। মনিমচাগী মহুং ওইনা মনাওবুপা থোকচোম অমুবা কোটতা চংলি। জজনা মখোয় তরুক কৌসিন্দুনা তাকপিরে।

'নখোয় মনিমচাদা হায়জবরো। মানা যাবিরগনা লু: ৫০০/- যাইন তৌরগা লোয়সিন্নবা য়াগনি। নহুগাদি নখোয জেল য়োবা চারে'—

মখোয় তরুক অহুনা থোকচোম তমুবাদা দণ্ডপোৎ তৌহুনা খুমম্ন। মনিমচা ভায়হুনা লৈরবা য়াবা মতমহুু নত্তে। ভাকপিবনা মখোয়বা থম্মনি হায়বা ৱারেপ লৌরগা অমুবীনা মতৌনা মনিমচাগী মহুং শিন্দুনা মখোয় তরুক অহু ভাকপিখি।

শোক ১৯৬৬ কালেনগী ২৩নি মানদা মনিমচাগী মবু হবুংগো থোকচোম তোলম্ন থেখিদে। মহাক মশানা হায়জরম্বগী নতুংদা নষ্টী অহুদি লাইশ্রম তোলপিশকনা ঈশৈ লেপ্পহুনা লৌখৎত্রে। সোরাংহু নহাক্না শকপিব। হায়হুনা লৈনগ্রবা মতম, সোবাং মুনিং মঙানদা ভাগরদা হাওবন ইবুংভোযাইমা লাক্লুনা মনিমচাদা হায়রবে—

'হবেম্মা নহাক্না করতান পায়রবদি মখোয় অমতা সোরাং ঈশৈ শকলোইদোরে। নবু করতান মমুক তম্না পায়জরবোই হায়হুনা শ্রীগো-বান্দগী মাঙদা রাশবহনগদোরি। সোবাং কায়বনা ফবরা করতান পায় বনা ফববা মুম্না শম্ন'।

সোরাং হৎচিংনি হায়বা অহুদা মনিমচাবু পোন্নুংদা পোখৎলি। নুমিৎ অহুদা কোনুংদা লৈর। সংগীত নাটা সভাগী মাওইশিংদি— লাইশ্রম তোলপিশক, ভভিরাম শাবা ইবোমচা শর্মা, শগোলসেম কালিদমন, ময়াংলম্বম ইবোবী, থংজম চাউবা সিংনি। হাওবম হবুংভোযাইমানা --

'মনিমচানা করতান পাযরবোই হাযরবদি ওজা ময়াম সোবাং ঈশৈ শকপিগনিদনা'।

তোন পশকনা থম্মী — 'শকুনি'।

হৌজিক্কি মনিমচা বাশকপদা তারে মখোযগী অহাবা, ফজ্জবপা মীৎযেংগী মরুমদা শ্রীগোবীন্দগী থম্মাল অশংববু লমজবা ইংলবা, মুংশিরবা মাইথোং উবকই। খঙহৌদনা থিংবা ভুমদনা শিন্তরকই মীৎতেগী পি। পি মরক্ত থুক খুদক পুনঃনা শ্রীগোবীন্দগী মাংদা মনিমচানা বাশকই—

'ঐনা করতান পাযবা অসি ঙজাশিংনা যাই হায়দুনা তঙ্বিবনি। ঐনা হায়া হৈদুনা লাকপা নত্তে। অদুবু ঐগী ইপা শকলবা ইকু শিবা ভসিদা ঐনা করতান পায়রবদি ঙজাশিংনা ঈশৈ শকপিররোই হায়রদি ঐ করতান থাদোকচরগে। হয়েং শ্রীগোবিন্দনা চানবীরকপা ঙজাশিংনা য়াবিরকপা মতমদা অমুক পাযজগে।'

মতাং ভসিদা ভনিংবা রানা সঙ্গায়না হায়রবই— 'হৌজিক্কি মহাকস্ত করতান পায়ররোই হায়দুনা বাশকথ্রবাননা সারাং অসিদি ঙজা ময়াম লেংবিরকলো। লৈশিদ্রিবদো ঐগী ইপানি। ঐস্ত সোরাং খাঙনি'।

পাণ্ডি য়োবকলে মখোয অমতং সোরাং য় ঙররোই। সোরবা তারে হায়দুনা কোযচেন চেরে। লৈখদবা সোলন্ন খাঙ্গা লনা কোল্লগী থালনা শংবা মংশরুম্মী। মতুগী য়েংলনা গাসা শবিবগী করবু পাবিরকলে। সোরাং হঙেদা চায়রবদা মনিমচানা চাগোম ঙজা যুগীন্দ্রোদা থুকনজরুলে। সোনম্ভ হরাও হরাও যাবিরম্নলে

সোরাং নোংমাংবগী দিবসতা গোবিন্দগী বা অমা মনিমচাদা থুংলরে। মনিমচানা বোনংগী হাণ্ডবম মন্ত্রনে হুহোন চিদাম্বরম গৌরচন্দ্রনে অনিগী মফমদা বাকম অতু পুখোংনা তান্নরে। হাণ্ডবম মন্ত্রনা হায়বকই—

'ইবেম্মা বাকন ভদি লৈহৌ কারস্থ চিংনগন। নহাক কোনংদা রানীনা ঙজা ময়াম লেঙবীরবউ হায়জবদা অনন্ত খুমলমদনা তুমীন তুমীন চংনগ্রে। হায়নাংবগী মতু ইম্মা নখোয় লাক্তুনা শোরাং ঈশৈস্ত শকলদ্রে। অদুনা নংগী বাশক অতু বাশকত্রে লৈবাক্না য়াবিরি শকউ'।

পীব শন্য তাকপিবে—

‘বেম্মা নঙ শ্রীগোবিন্দনা চানবীবনিনে’।

মনিমচানা করতান পাযত্তনা শমক হুন্না ইশ্নবগী খেন ন পবকই।
শাদমু মান্নকৈ মরি শাংপা ৩ৌবকই

মনিমচা হাযবীদো মহাগী লমহৌনবা মুগীনি শ্রীগোবীন্দগী মমাংদ দা
শ তান পাযববোই হাযত্তনা ৱাশকনগা নেং হুক তানবগা করতান পাযবা
ওম্মা-’।

মতাং অসিদা মনিমচাগী জগোয়দা ম'ন্দপ মপু শইকবা, পুং যৈকবা,
বশি খোল্লুবা, মোইবুং খোংলুবা অসিনচিংবা পুমনমক মাংলে হাযত্তনা
ইরাপকই। পুং ঈশৈ তৌবা অযাম্বা ওজাশিং লিচিং অমতা ওইনা
মনিনা যাওবা মফমদা পুং ঈশৈ তৌকপা যাদবা হাযবগী খোংকমদা
চংসিনকই। অমগী অমগী মিচং যাওজদবা মীওই ফাওবা কবি হায-
বদগে হাযত্তনা অকিবা অমদি চিংনবা মতাংনি। মনিমচাগা পুন্সনা
শা মকমান্নগা সরতান তানব ঈশৈ শকপীশিং কবশান থ দোক-
। দাদা হুনজীনবা ... নো ঈবেন তোনা পংপকা
... হাযত্তনা ... মনিমচানদি হাযজৈ ইয়েং অমুক
নুংয়ে ... লবেন তোঁগী মপুবোইবা ঈবোৱানো যাওনা
... হাযনা ... যোবগা নও অমা তৌনবকনে।
... যাদোত্তনা ... সভা ... ওইবা ওজা ... ঈনশ্রবা
ঈশৈ ... যাওগদৌবগী নৈরমলবা ... অদু। যুম্ন
ওহ ... নজানবা ৱাজবা ... উবদা মনিমচা হৌংত্তনা জগোয
যাওদনা লাক। নৈবেন তা ... খোংমগী ... ওৎহই। অসুমা
মনমচা অমং লানে তাপা ...।

শোক ১৯৬৭০ সেপ্তেম্বর ১৯ গী প্রজাতন্ত্র থববদা সঙ্গীত নাট্য সভাগী
প্রেসিদেন্ট মাইবম ইবুঙোহলনা সোয তৌত্তনা ... সভাগী রিজোলুসন-

শিং ফোংলকই। রিজোলুসনশিং অসিগী অস্থপা য়াবোলদি— নুপীনা করতান মরি অশাংবা পাযত্নুনা চোলোমগী মগুংদা ঈশৈ শকপা অসি চৎনবক্তি, চৎনরোই। য়াবেপশিং অসি শ্রীগোবিন্দগী অগ্রদা লোৎবা মরমনা ব্রহ্মা সভানা শেমলিবা সংগীতক। নিয়মশিং ভাক্তবশিংত্নু শ্রীগোবিন্দজ উগী য়াথং হিকথোকপনি হায়না লৌগনি।

হাযরিবা চহি অসিগী নবেম্বর ৮ দা থোবচোম অমুবীগী মচানিপা পাখং অমা গারা এন্সিদেন্টতা লৈখিদে। অমুক অমা অভিরাম শাবনা চঙলক্নুনা হায়রে—

'অঙাং অসিনা শিরিবা মীশি অসি ওস্থোয়া মুংঙাযখিদ্রে, সোনাং ঈশৈ ঐনা শক্কনি'।

সোনাং নুমিংম [illegible] ডাং[illegible]দা অভিরাম শা[illegible] হায়দোবটৈ — 'নখোয়গীত্নু মাংভি হাযনে'।

অমুবানা অভিবাম শা গী মথ[illegible] কেস থ[illegible]। মমৈদা [illegible] শাবনা ফাইন লু: ৫০০,- শিরগা কেস অদু লোযসিনাখ। মসিগী [illegible]দা অনা[illegible]-অশেংগী য়াকমদা [illegible] অভিবাম শাবগা অমুক [illegible] লেপনখি। মতুংদু অভিবাম শাবনা ফাইন লু° ৫০০/- খিবা কেস লোযসিন্নখি।

লো[illegible]কোটতা মনি[illegible]চানা [illegible] সনা[illegible]গী চ [illegible]দদি সংগীত [illegible] সভানা অতো বদা অদুম লেপ্প [illegible] যাওগনি হায[illegible]দি জগোয [illegible] সোং [illegible] বাসোক অদু [illegible] [illegible] নাইবা [illegible]শিং, [illegible]পশিং, পুংযৈবশিং [illegible] মথং হন্দোকনখি চৎলু দবা [illegible] যাওবা [illegible]যনৈ। অদুবু গুরু মাইস্নাম অমুবীদি মানমানবু হৈংদোকখিদে, করতান থাদোকউ তাকপিখিদে। দিল্লিদা প্রোগ্রাম অমা থানবা মনিনচাবু মসানা ঈশৈশস্ত্র শব চরং অভিনযস্ত তৌজবা, গীতগোবীন্দগী [illegible] নদা যুগ[illegible] ওইরগা 'শীন্থ কমলা'

হায়না মীংথোনবা অনৌবা জগোই অমা ওজানা তম্মীরম্মী। দিল্লিদা থারম-দাইদা ময়ামগী বানা লুমলকতুনা তোকখি।

প্রোগ্রাম অদু হান্না দিল্লিদগী মী লাক্লুনা শিলম্বনি। অদুবু 'মনিমচা শিরে' হায়বা চে অমা পুরগা কল্লাকার অমনা মনিমচাগী মহুৎ শিন্দুনা দিল্লি চৎখি।

অকাস বানী ইম্ফালনা গৌহাটিদা লৈরিঙৈদা ঈশৈগী ওদিসন য়াও-রুবদা মনিমচাবু "সুর কায়" হায়দুনা খল্লকখিদে।

মনিমচাবু মাংলে হায়দুনা ইনথোকপা মতম অসিদা মনিমচাগীদমক পাম্বোম তিংতুনা লেপখিবদি মনিপুরগী শুঙ্গংদা লৈরিবা অচম্বা প্রজ্ঞাশিংনি। তিদিমলোমদনা লমাংদোংদগী বাংঙুফাও য়োথ্রে। ইন্দো বর্মা রোদলোমদনা বাংজিংদগী হৌথ্রে। মখোয়না য়াম্না পোংনা হায়—

'ঐখোয়গীসিনা লৈবাক অমনি। নখোয় অদোমগী বা ঐখোয় লোদে'।

অসি লৈবনা মনিমচানা করতান পায়দুনা সংকির্তন চঙবদা বার্তন তরাৎপা লৈখিদে। পুংয়ৈবম্ম মরিন লৈবা সংগীত নাট্য সভা অমদি ব্রহ্মা সভাবু কিদবা চোংথোরকই। অসিগুম্বা মতমদা মনিমচাগী লেংগাদা লেংদনা মনিমচাগুম করতান থাদোক্তনা লেপখিবা ঈশৈ শকপী দি লৈমহন মথনদনি। পুংয়ৈবদি বাবগাই মনি অমসুং য়োংলান লৈরক্তগী কৈসাম বীস্বরূপ, বাসি খোংবদনা খাঙবোক ইবোমচা অসিনি।

হৈরোক্লা মনিমচানা বাসোক অমা শক্কনি হায়দুনা লাগুভি। রূপমনি হায়রিবা হৈরোকগী নুপী অসিনা জীপ বাইদুনা মাইক পান্দুনা কোয়না চৎতুনা লাওই—

'ওসি মনিমচানা বাসোক সক্কদৌরি। থিংগদবা কনানো থিংবীররো। য়েংবীগদবা কাংবু কনানো চোংথোকপিরকলো ·· · ··।' অসুম্না অমাং-অশেংগী কন্না তৌনবা মতাং অসিদা কর্ত্তা কাংবুগী লৈম শিভশিং মনিমচা

উনবা লাকই। ভাবদা পন্দবী শিজ অননা রা পুন্নমক সমজিন্দুনা হায—

'ঐখোয় কর্তাগী লৈম শিঙ্গাশিংনা রাশেংশোরী পালাদা করতান পায়নবা নাম শোনবা অসি রাজশ্রী সনা হাক্তবতগী মাই গুরুশিংনা শেম্বরম্বনি। ঐখোয়না লৈম শিজনি করতান পায়গনি। হাও অরামচাগা এখোয়গা মান্নবা য়ারোইহাযখিবা লৈতে। গুরুজনশিংনা শেম্বিরম্বগী মাং ক্রবান ঐখোযদি'

মনিমচানা হংনা খুমজে—

'স্নাইবেম্মা রা তাস যৈখদৌবে। ... ভায়াবখো। ঐনা শনক্রবা অসি অমুক্তা তাবিখো। চুম্মা বাশেংশ্বের পালাদা কর্তাগী ইবেম্মাশিংনা করতান পায়, মারদি মন্দিলাগী ন। চুম্মা পায়জবনি মেন শাগৎতুনা চগা চানা সংকির্তন চংবাদ নত্তে। অদুগা মেবশু নরসিংগী ইবেম্মাশিংনা জলকেলিদা মন্দীলা অমগা ... অদুগা খুল ... বিবীদে। করতানদ পায়, নবিদ হাপ্পা যাদে, মন্দিলা ... হোগংপা যাই খবনা হৌগৎপা য়াদে'।

শোক ১৯ ০, আগষ্ট ৩০ দা মনিপুরগী নিংথৌ ওবেনজার্ধবী ... দা মনিমচানা চে অনা থাই—

নিবেদন ঐহ,

ননাই তোম্ববীনা হরিভক্তিগী লবাদা খবান করচচুনা হাবসংকিতনগী নাম খরদং শোনজবান। ননাই তোম্ববীনা ... নম শোনজবিব নায়িকাশিংনা মানা মান পানজ পানগা যন্ত্র পায়গা শ্রী শ্রী গোবীন্দগী থৌগান...... সনা হা ... যংগে।

ননাই তোম্ববী

থাকচোম ভংবা নানমচা

৩০/৮/৭০

মতাং অসিদা মীওই থরনস্থু মনিমচাবু ইনথোকপা, মনিমচাগী ঈশৈ অমদি জগোয়দা য়ারুবা মীওইশিংবু মাংঙি হায়দুনা তৌবা অসিদা স্নাকোন্নুংদা চে থাখি— ' অসিগুম্না মইনথোক অসিদি য়াম্না অৱাবগী নশকনি। অমসুং প্রজাগী অপাম্ববু তৌহন্দবনি '।

চহি অসিগী হায়বদি শোক ১৯৭০ সেপ্তেম্বর ১১ দা মহুৱাবজনা চে অমা থোকলকই। চে অদুগী মতুংইন্না 'কর্মধারী অমনা পামজরবদি অপাম অপামবা যন্ত্র পাযদুনা ঈশৈ শকপা য়াগনি' অসিনি। চে অসি থোকপগা লোয়ননা মনিমচা ১৯৭১ দা মনিমচান স্নাং লুংগী লোনিংল য়াওবা য়াওনা য়বা স্নায়াথস্থু ফংখি পায়ননা শোক ১৯৭২ জানুৱারী ৯ দা স্নাবোড়না সংকীর্তন শমা ফংখি। অহানবা অমসুং অহুমশুবনা সুপা পালানা শক্কদবান অদুগা অনিশুবনা মনিমচা, লৈমহন অমসুং স্যমানি। জগোয় নুমিৎ অহুমক্কদা সুপা পালাগী কাংবু অনিদু ঈশৈ থোগন ওমলরোই হায়দুনা চে অমা পিরকখি। মনিমচাগী কাংবুদমক সংকির্তন অদুদা শবখি। অমুম্না মনিমচানা করতান পাযদুনা শ্রীগোবীনগী থোগাল ফংজখি

শোক ১৯৭৩ গী জানুৱারী ২১ দা মনিপুর ষ্টেটহুদ দেগী সেলেব্রেসন্দা সংকির্তন প্রোগ্রামদা মনিমচা য়াওনা য়াওনা সুপা পালা থরস্থু সংকির্তন শকখি। সংগীত নাটা সভাগ ফিরেপতি হোংখি। মখোয়দা লাল্লে হায়জদুনা চওজরবা সুপা পালা কাংবু মখৈদি— মখোয়না অমুক লৌশিনখি। চহি অসিদা মনিপুর ষ্টেট কলা একাদেমনা শিন্দুনা 'মনিপুরগী বাগ অমসুং তালগী মতাংদা সেমিনার অমা পাংথোকখি। মতাং অদুদগী সংকির্তনগী রাফম লাগি পুথোরকখি। এপ্রিল ৬ কা সিমান্ত পত্রিকাদা "সংকির্তনগী তাইশিম্নবা যাদ্রে" হায়দুনা সেমিনার অসিগী রাফম ফোংদোরকখি।

শোক ১৯৭৯ দা শ্রী গোরাম নিংথৌনা মনিপুর স্টেট কলা একাদেমিগী সেক্রেটরি ওইরিঙৈ মতমদদি গীত গান্ধগী যেস্তিভেল অমা নুমিৎ নিনি

চঙনা পাংথোকপা মতমদা মনিমচা অনসুং তম্পাকলৈমা ওজা কোনজেংবম তোইয়াইমাগী ঘরনাদা যেষ্টিবেল অহু য়াওখি। মতাং অসিদা পনবা য়াবদি ফেষ্টিবেল অসিগী কমিতিদা সংগীত নাটা সভাগী প্রসিদেন্ত ওইরম্বা সগোল-সেম কালিদমননা চিয়ারমেন ওইনা য়াওবা অসিনি শোক ১৯৮০ দসু একাদেমী অসিনা শিনবা বাশোক প্রোগ্রামদা মনিমচাসু য়াওখি। চহি অসিদা মনিপুর সংগীত নাট্য মহাবিদ্যালয়গী ওজা ওইনবা মনিমচাবু লৌখি। শোক ১৯৮৫ দা মনিমচাগী লমজিংদা 'এলাইত আর্টিষ্ট এসোসিয়েসন' কলা-কার ময়াম পু.ীন্দ্রনা লিংখৎলে

মরক অসিদা ননজুশ্রী চাকি সরকারগী 'Feminism In a Traditional Society (1984) হায়বা মনিপুর তম্পাক্কী লুপীগী মরমদা ইবা লাইরিক অমা ফোংলকই। লাইরিক অসিগী লমায় ১১০ দা মনিমচাগী মরমদা অসুম্না ইরকখি--

"The present popularity of women's sankirtana can be attributed in part to the courage and zeal of a famous female sankirtana singer, Manimacha Devi........ ...She also rejected the use of tiny cymbals and adopted the large khartal (large cymbals, till then used only by males Manimacha Devi was gifted with a beautiful voice a fine singing talent. She formed a Sankirtana group of women and started to perform like male sankirtana singers Instead of sitting on the ground in a passive position, she and her companions stood up sang and danced in feminine ecstasy"

আমেরিকাদা যেষ্টিবেল ওফ ইন্দিয়াগীদমক মনিপুরী ... বেল প্রোগ্রাম শেমনবা আমেরিকাগী Ms Martha Ashton শোক ১৯৮০ মে থাদা ইম্ফালদা থুংলৈ। লোকেলদা অবাসননা মনিমচাবু Martha

দা শক তাকখি। মনিমচাগী তোপ তোপ্পা মুংশিরবা খোঞ্জেল অমদি করতানগী অভিনয় উবদা Martha ওকখি। মহাক্না আমেরিকাগীদমক মনিপুরগী গুপী পালাগী প্রোগ্রাম অমা শেমলম্মা—

(১) থোকচোম ওংবী মনিমচা।
(২) য়ুমলেম্বম গম্ভিনি।
(৩) ক্ষেত্রময়ুম ওংবী থৌরানী শাবী।
(৪) য়ুমলেম্বম রনজনা।

গমভিনী অমদি থৌরানী শাবীদি মানমচাগা ওন্থোনা কায়নদুনা সংগীত নাট্য সভাগী গুরুজনশিংগী তুং ইনদুনা লৈঞ্জরবনি। চংলমদাই য়েৌরবদা মনিমচাবু মন্দিলা পায়রগা দান্স কোলেজগী ওজা ওইরিবী গমভিনী অমদি থৌরানী শাবীগী মখাদা চংলু হায়রে। মনিমচানা আমেরিকাগীদমক করতান থাদোকপা তৌখিদে। আমেরিকাগী কাংবু অদু মনিমচা য়াওদনা আমেরিকা চংখি।

চহী ১৯৯১ দা রঙ্গনিকেতন ইন্তরনেসনেল মনিপুরী কলচরেল আর্টসনা মনিপুরগী কলচরেল প্রোগ্রাম অমা আমেরিকাদা পাংথোকপা মতমদা গুপী পালাগী ওইনা মনিমচা, অমপানবৈমা অমদি কুঞ্জেশ্বোরী য়াওখি। কাংবু অসি ইস্কোনগী মহারাজ দামুদরগী লমজিং মখাদা চংখি।

পুন্সীগী অহানবা ফোরেন খোংচংনি। মনিমচানা চংপা খুদিং মধুসু য়াওবনি। হন্দক্কী খোংচং অসিদি মনিমচা তরক তরকই। অহল ওইরবা মপুরোইববু মচা মমোশিংগী মথুংতা শিন্নরমলগা চংপা তাখি প্লেন্না কালকতাদগী বেঙ্কোক ফাওরগা আমেরিকা য়োংদবনি। পাকলবা পেসিফিক ওসিনগী অশংবা ঈপাক লান্দুনা চংলি মনিমচা। সোমদা থংহৌদনা মথং মশা ঙমলকতে। অনাবা তেনজিল্লকই। মচানুপা য়াইমা সুরেসচন্দ্রনা হুংসা খিদুনা হায়জে—'পাবুং ইমাদা পাও হায়খিগে'।

পুন্সীগী অরোইবা নিকুপ য়ৌসিল্লকলবা মথুনা ইংনা হায়রে— 'নখোয় করিম্ভু হুংসা থিগনু। নমাদা করিমতা হায়রুগনু। মানা মীরক তিনজ-বহুনি ইপানা চুংভায়জবদি। ইপা পেল্লে'।

মচা শকনা কোনজবা তুংখেল্লঙ্গুম ইরাবোংতা শিল্লরম্মী— 'নমাদো য়াম্না রজংকলবনি। মানা পামজবা করতানতু থাদোকহনগনু'।

মনিমচা অহানবদা কালিফোর্নিয়াদা থুংই। সান ফ্রান্সিসকো যৌরকপদা মচান্নুপা অহল মনিহারনা অঙ্কোল তৌরকই— 'ইমা ঐখোয় পাবুং নৈত্রে!'

মহাক্না দামুদরনা মনিমচাবু থেমজিল্লি— 'ঐখোয় লোয়ননক মফম অতুদা চংকদবা চানি'।

চিবাগোদা মনিমচানা মপুরোইবগী অস্থী অমসুং সোরাৎ পাংথোকই। ঈশৈদি দামুদরনা শকই। আমেরিকাদা থা মরি লৈরকই। লৈট তহুমদনি বাংলা, আমেরিকাগী অতৈ ৫টা পুমনমক থুংনা চংলকই। পুন্না প্রোগ্রাম যাবৈ পীরম্মী। আমেরিকা পুমনমক জয় তৌরমলগা মনিমচা মনিপুরদা লেকই, অহাংবা থম্মোয় পুত্নুনা। ময়ুম যৌরগা মপুরোইবগী অহাংবা ফম উরগা ওখোইন কপ্পী।

মনিমচানা চহি দুথু ফুকাপ্রিট ওজা লোয়াক্তুদা ঈশৈ তমলিবৈদা পুংযেবা অচৌয়াইমনা চহি ৩০ গী নুপীমচা অনিথক পুরক্লনা মনিমচাদা শিরৈ। তেনবা, লৈরেন অমসুং লুখোয় অসিনা মনিমচাগী অহানবা ছাত্রনি। প্রাযগোপালস্নানা দাস কোলেজগী প্রিন্সিপাল ওইরিবৈদা মনিমচাদা হায়রম্মী—

'মনিমচা নত্তবু করতানতু থাদোকলোনে। কোলেজ অসিদা ওজা ওইবরো'। অদুদি মনিমচা মশামক সংকিত'নগী, জগোয়গী, নত্ত ঈশৈগী অচৌবা ইনস্তিতিয়ুসন অমা ওইবে। চহিদা ছাত্র ৩০ দগী তাদনা

মনিমচাদা তমলরি। মাগী মমাং সঙ্গোয় অসি অযুক্কী মুংথিলগী ছাত্রতনা থন্দুনা লৈরি। মনিমচাদি লৌসিনবা নত্তে পীথোকপনি, দান ডাক্কনি। নোংমা মাবু ওজা তোয়াইমানা মমল অমতা হংদনা তাকপীরকপা, তম্বী-রকপা মওং অক্তুদা। অসিগুম্বা স্কুল অসিদগী থোকখিবা মশক নাইথিবা পনবা য়াবা কলাকারশিংদি— সোরোজিনি, তোম্বীনৌ, যসোদা, চঞ্জিং অঙৌবী, ককচিং চাউবা, ঙাম্বী, প্রনেশ্বোরী, চরাংপাং বীনো অসিনচিংবনি।

মনিপুরদা নিংথৌ সাসন লোয়রবা মতুংদা শক্তি পায়রৌরিবা মিদল ক্লাস কাংবু অসি মসাগী ইন্টরেষ্ট য়েংলগা রাজনিতি, ধর্মনিতি, অর্থনিতি অনদি কলচরদা অচৌবা পো কাংলিবা কাংবুনি। জননেতা ইরাবতনা পুন্দা-য়িত্বশিল সাসন তাক্লকপা মতমদা মখোয়না জননেতাগী মরুপ ওই। মরমদি সাসন অসি ফংলকপদা শক্তি পানগদৌবা অসি কনানো হায়বদু মখোয় খংখি। জননেতানা লাঙ্গোন পায়রনা লৌগী মপু ওইগদবনি হায়রকপদা মখোয়না অস্তুক জননেতাগী য়েক্কবা ওই, মরমদি মদু মখোয়গী ইন্টরেষ্ট শোকপা ব্রাকমনি। মখোয়গী খুংতা জননেতা তুখি।

মনিমচাগীদি কলাকার অমা ওইনা, মপুং ফাবা সঙ্গীত অমা, মসাবু চপ চানা ফোংদোকপা ওয়া মেদিয়ম অমা থিরকপতনি। মদু ফংনবা হোৎনরকপদা ওগী মুখাগী হায়দুনা পংথৈ অমা থমলিবদু থুগায়দবা য়াদদুনা থুগায়রকপনি। ফিভমনা অমদি মতাংনা রিবেল ওইথিবনি। মসাবু মপুং ফানা ফোংদোকনবা হোৎনরকপা হায়বাস কলাকার খুদিংমক-কনি। তচৌবা কলাকার খুদিংমক রিবেল ওইরকখিবা ডাক্কনি লাইবক থিবদি মনিমচানা কলাকার অমা ওইনা মপুং ফানা ফোংদোকনবা হোৎন-রকপদা জননেতামকপু মায়থিবা পীরবা লৈবাক অসিগী নৌনা শক্তি পায়রৌরিবা মিদল ক্লাস কাংবুগা মায়য়োক্কবা তাথিবা অসিনি।

মনিমচানা কলাকার অমা ওইনা, মাগী কলাগী অচুম্বা লম্বী অমা থিরকপদা নমথবীবা, তুহংপিবা, অরা-অনা পুমনমক মায়য়োক্লত্তুনা খোংকম অমতা হন্দনা লেপখিবগী মুত্তি অসি মনিপুর ইতিহাসতা অতাংবনি। কাওভমত্রবা শক্তম অমা ওইত্তুনা লৈহৌরগনি।

মহাকপু ইং ১৯৯৪ দা মনিপুর ষ্টেট কলা একাদেমীনা মহাক্কা কলাগী লম অসিদা নট সংকির্তনগীদমক 'মনিপুর ষ্টেট কলা একাদেমী এৱাদ' পীত্তুনা ইকায় খুম্নখি।



মিং : মেমচৌবী
(থৌনাওজম চন্নু ইবেমহল)

পোকপা : ১৯৫৫

মহৈগী থাক : এম, এ, (মণিপুরী সাহিত্য)

থোংলবা লাইরিক :

১) নোংগৌবী (শৈরেং) ১৯৮৪

২) অঙ্গোগী মৈ (শৈরেং) ১৯৯০
(খাইদেম প্রমোদিনী সনাগী মেদল ফংলবা ১৯৯৫)

৩) লৈতেং (ৱারীমচা) ১৯৯২

৪) সম্প্রেম্বী চাইস্রা (শৈরেং) ১৯৯৭